জাতক্কী শৈরোল

বি, জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

জাতকী শৈরোল

(জাতকী ৱারীশিংবু শৈরেং ওইনা ইথোকপা)

বিঃ জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল

কোঙদোকচী — শ্রীমতী ৱিঃ মনিশংখী দেবী।

ৱাইটরস ফোরম, ইম্ফালগী দমক।

কোপী — ১০০০



মমল — লুপা ৪০,

নম্ফমঃ— সুচেতা প্রিন্টিং ৱার্কস
মোইরাংখোম লোল্লাউবুং, ইম্ফাল।

রামাঙ য়ানবা

খৃঃ কুঃ ১৯৮৮ গী সেপ্টেম্বর তাং ৩দা অইবশিং অমম্লুং সাহিত্যবু যুংশিবা মীওই কয়াম মতম পুন্নমক্তা অইবশিংনা মায়োক্নরিবা লাইরিক ফোঙবা উমদবগী সমস্যা অসি খরগী মথৈ মতেং পাংবা ওমগত্রা হায়দুনা রাইটরস ফোরম ইম্ফাল (অইবশিংগী মরূপ) কৌবা সংস্থান অসি ইম্ফালদা লিংখি। অইদা অমবু ময়াম চঙদুনা মতেং পাংবা অমম্লুং লাইরিক ফোঙবনা সংস্থান অসিগী মরুওইবা পান্দমনি। অইবা মশা মশাগী খাগী শেনথায় পুথোক্লদুনা অপ্‌নবা শেনফম শাগংলি। শেনফম অতুদগী মথং মনাউ লাইন। লাইরিক ফোঙনবা শেনফম অইবা মেম্বরশিংদা ফংহল্লি।

ঙুপ্পগী অইবশিংবু পুল্লিং থৌগংপা, তেংবাংবা অমম্লুং মওং লৈরবা লাইরিক কয়া ফোঙদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কে চোনহনবা অমম্লুং হেন্না ইনাক খুলহন্নবা চঙশিনবা থোঙজংনি। শেন্দোং তানবগী রাখল লৈতে। লাইরিক ফোঙবগী মায়কৈদদি থোঙজং অসি আন্দোলনগী মশক অমনি।

শ্রী বি, জয়ন্তকুমার শর্ম্মানা ইবা "জাতক্কী শৈরোল" কৌবা শেরেং লাইরিক অসি ফোরম অসিগী পান্দমদা পুথোকপা ১৫ শুবা লাইরিক্নি। লাইরিক অসি থাইগী খুত্তা শিন্নজরি।

ঙাঙবম বীরমণি

জেনেরেল সেক্রেটরী

রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল।

ইম্ফাল, মার্চ ১৯৯২ ইং

হুন্দৎচবা

ইবুংঙো ইবেম্মশিংগী মফমদা :–

জাতকী ৱারী, পৃথ্বীবী শীন্থুংনা মমীং চৎলবা, পাক্লবদা কান্নবনা থল্লবা পাউতাক-পাওমেনগী ৱারী ওাক্তনি। থাযনগী অইবশিংগী মমল নাইত্রবা সাহিত্যগী থৃদোলনি। হিন্দু দর্শনদা য়ুম্ফম ওইবা, বৌধ ধর্ম্মগী পাউরোগী ৱারীশিং অসী বুদ্ধদেবনা মমাঙগী মপোক কয়াদা লৌখিবা শাইওনশিংগী ৱারীনি। জাতকী ৱারীদা ব্রাহ্মণশিংবু নোক্লবগী ৱারী কয়া য়াওরি। ধর্ম্মদা ব্রাহ্মণ-শিংনা তৌনিংবতা তৌবা, মখোয়না মরোইরে খন্দুনা যজ্ঞনচিংবা তৌবদা শা হাৎহনবা মীওইবগী য়াইফনবগী মিংদা অতোনবা শা-উচেকশিংদা হিংশাগী ৎবক চথবা,-অরানবা কয়া অসীবু করেম-কথাইনহনা লীবা ৱারী কয়ানি। শক্তা হাপ্তবদা জাতকী ৱারীদি, অহিংশা, একতা, অক্কবা লীচৎ-শাহৎ, ৱাখল-ফিদম, লৌশিংগী মৎপা নাইররোইদবা ৱারীনি।

বৌধ ধর্ম্ম ভারতগী হৌখ্রবসু মীরমগী ধর্ম্ম ওইখ্রে। আরুনাচল প্রদেশতা নশীং য়াংমদনা বৌধ ধর্ম্ম চৎপা মীওই কাডলুপ থরা লৈরিবসী নত্তনা ভারতগী ধর্ম্ম অসী মাংখ্রে হায়বা য়াবে। অদুবু বৌধ সাহিত্য, ৱাখল্লোন অমদি অৱাংবা থাক্কী ফিদমদি মীওইবগী ধর্ম্মনি, নীতিনি। মানব একতাগী চেৎলবা লীপুন্নি। মসিনা তৎহিবা তারবদি মীওইবা সমাজ অমম্বদা তিনখিগনি; ভারতকা আদর্শ, ভারতকী সভ্যতা, ভারতকী একতা মৎখিবা য়াবগী হুদোংথোবা লাক্কনি। মরমদি বৌধ সাহিত্য, বিশ্ব শান্তি, বিশ্ব-প্রেমগী ঈচেলনি; মাদি বৌধ ধর্ম্ম চৎপশিংগীতা নত্তে; মীওইবা জাতিগী ফজরবা ফিদম—দান, ধর্ম্ম, প্রেম, আধ্যাত্মাগী শিদ-উপালবু তাইবং লৈকংলাদা থাহনা চোকথরবা পুন্সী-লম্বী চৎপশিংবু

মানব ধর্ম্মগী উকুম লাংহন্দুনা মতম থঙ্গীক হিংলম্মা তাইবও মপোকপু মুংঙাইনা শাস্তি ওইনা হিংহন্নবা শেমখিবা ফিদম-ৱারী ঙাক্কনি !

পাওজক্রবা ঐনা জাতকী ৱারীশিংবু মৈতৈলোন্দা শৈরেং ওইনা ইথোকচৈ। ইথোক্লবগী মরমদি ঈরমদমগী তুংগী আশা ওইরিবা নহারোল কাংলুপ্পা জাতক্কী ৱারীশিংগী মহাউ চুপহন্নীংলুবনি। রেডিও-গীদমক বুদ্ধপুর্ণিমাগী ঈশৈ শক্তম অমা ঈগে থল্লুহুনা ইংরাজীদা ইবা 'জাতকা টেলস' কৌবা লাইরীক অহু নৈনরুবদগী অপাম্বা অসী পোক-খিবনি। মমীং চংলবা ৱারীশিং অসীবু কবি খগজক্রবা ঐনা ইমালোন্দা শৈরেংদা ইথোকচকুবা অসীমক অঙাংনা নৈ কিদবতুগুম্বনি। দোষ লঙজ-খিবা পুম্নমক খ্বায়গী ঙাকপিহৈবা গুন্না ঙাকপিগনি।

ৱারীগী মশা কোইথোকপশিংহু শাংমনখিগদ্রা হায়হুনা থরা থরা শমজিঞ্জে। ৱারী মগুংদা অশোয়বদি য়াওদবরা থঞ্জে ; শিক্ষিত সমাজনা পাবিরগা অশোয়-অঙাম তাকপিরকপা হরাউনা লৌজগনি। মণিপুরী লোন তাননবা অরীবা ৱাহৈ-ৱাতা, শৈরেংগী মাত্রা চানবা শমজীন-লোন অমদি শেমজীন-লোন থবা থর। শীজিন্নজবা শৈরেংবসীগী পামজবনি খনবিহুনা দোষ-গুণ খিবীরোই নীংজ্জে। শৈরেংদা ইথোকচরুবগী মরমদি ইশানা শৈরেং অসী থরা পামজ্জে। লেংজরিবা মওংনা-খোম্থোক মাত্রা ৭/৭ না শাবা কাংলুপ অনীগী মাত্রা ১৪ না শাবা পরেং অমমম্নি ; পায়ার ছন্দনি। পরেং অনী/অনী গী অরোইবা তাবা মাননবা হোৎনজে, অশোয়বা থরা অহুম য়াওখিদবা নত্তে।

বানানগী মতাংদা শৈরেং পাবগী অরুম-অয়াং খোম্থোক্তা ৱাখল থমজরগা ইজখিবা বানাননি। নম্বা মতমদা বানান্দা অশোয়-অঙাম য়াওখিবশিং খ্বায়না ঙাকপীগনি।

'জাতক্কী শৈরোল' অসী ঐনা কোহিমা রেডিও ষ্টেশন্দা চহী অমা মথায়রোম থবক তৌরিঙৈদা ইং ১৯৯০ গী ফেব্রুৱারী থাদগী ইবা

হৌহুনা অহানবা খুৎহই লোইজখি। ইম্ফালদা অমুক হন্না থোন্নরগা লাইরীক ওইনা ছাপা তৌজবনি। মসী হৌবদা উৎসাহ পীবিখিবা মুংশিজরবা ইরুপ-ইপাংশিংবু এমা হন্না হন্না থাগৎচে। ছাপা মমতুনা লাইরীক ওইনা পুথোকপদা সুচেতা প্রেস, মোইরাংখোমগী মেনেজর অমসুং থবক পুবীরিবশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। অমদি ইয়াম্না শ্রীএলাংবম সোনামনি সিংহনা লমজিং-লমতাকপিখি; অচুম অরান য়েংশিন-বীখি। মসীগীদমক্তা শিংবা ভুল্লরোইদবা লম্মন তৌনশিন্নরে। লাইরীক অসী পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা, থৌনা অমদি তেংবাং পীবিখিবা রাইটরস ফোরম, ইম্ফালগী মকমদসু তৌবীমল থগতবা উৎচরি। রাইটস ফোরমগী মেম্বর খুদীংমকপু হন্না হন্না থাগৎচবি।

অরোইবদা লাইরীক অসী তুংগী য়ুম্বীবেল ওইগদৌরিবা লমদম অসীগী নহারোলশিংদা কথোকচরি।

ইম্ফাল
মার্চ তাং ১৪, ১৯৯২ ইং

বি, জয়ন্তকুমার শর্ম্মা
ব্রহ্মাপুর মহাবম
ইম্ফাল।

য়াওরীবা

১

নিংথৌ অমদি শীংজনবী

বরানসীদা পাল্লম্বা নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা,
কোয়থোক্লম্মী উমংদা হৈরাঙ লৈরাঙ য়েংহুনা।
'সুম্না হেক হেক চখোকপা নোংমখক্তা উরুবে,
হুপী অমা শীংজনবী মুংশি ইখিন পোক্লুরে।
শকখঙ্ মায়খঙ্ নরকডৈ মুংশিহেকমায় কানখি;
হৈরাঙ লোঙ্গা চানখি লৈরাং লোঙ্গিন্ চিন্নখি।
শীংজনবীগী শীওম্মুং লীক্লু মচোই কেনথরে;
গর্ভাবতী ওইহুনা বোধিসত্ত্ব পোকথরে।
ব্রাহ্মন অসী শীংজনবী নিংথৌদবু তমজখি;
নিংথৌনবু মঙোন্দা থৃদোপ অমা পীরকখি।
'হুগা হায়খি অম্সুম্না, "অঙাং হুপী পোক্লবা;
য়োকউ মসী কায়থোক্ল' অঙাং হুপা পোক্লবা,
খৃদোপসীনে অঙাংনে পুরকউদো ঈনাক্তা।"
মতম খোঙলোই মতুংইন উপ্র হুপী মমীত্তা:
অঙাং হুপা কজবা বোধিসত্ত্ব' লাংওনবা।
প্লানথংলকপা থাজগুম অঙাং হোম হোম চাউবকপা,
শান্নৈ মমান্নবগা অঙাং ওইবৈ হোননবা।
করিগুম্বা মতমদা, "মপা লৈত' মচানা
ফংরকইবা ঐঙোন্দা।" সুম্না হায়রক' য়াওহনা

বোধিসত্ত্ব চেল্লগা মমাদবু হংজখি।
"নপাদীনে মুংশিবা!" মমানবু তাকপীখি;
"লৈবাকসীগী নিংথৌনি;" ব্রারম পুম্বা হায়দোক্লে।
মচা মুপা পুত্থনা নোংমা কোন্নুং কারক্লে;
নিংথৌদবু খুরুমজ' কখখি মচা অত্থবু।
থওই নিংথৌ, অত্থবু, ইকাই ময়াম মাওদবু।
মরম অসীমক্তনা মচা নত্তে চেনখিদো;
নীংশিং খুদোপ অত্থম্ম মাগী নত্তে হায়খিদো।
উপাই লৈত্রে শীংজনবী নিংথৌদবু হায়জরে
"ফরে গতি লৈতরে শক্তি ঐগী লোইজরে;
অরোই'খুদম অচুম্ব'ই মসীখক্তং য়েংজগে;
ইচা অসী ঐহাক্না মথক্তবু ৼংখংকে;
নওগী নচা শেংলবা মথক্তবু লৈসন্নু;
নওগী নচা শেংদ্রবা তাত্থনবু শিসন্নু।।"
ব্রাফম-'সীবু হায়রগা হুনগংথরে মচাবু;
অওকপনি! বোধিসত্ত্ব মালং, খোঙ্গ্রাই চন্নবু,
ফমখ্রে মোংদী হাদনা তপ তৌবা মুনিগুম।
হায়দোরকখি খুদক্তা, "নিংথৌনা অত্তে য়োকপগুম,
মচাবু য়োকই হেন্নত্থম; ঐসী নওগী নচানি;
য়োকউ ঐবু লুনবু লীক্তী অশেং' লীক্লুনি।"
ব্রারোল অসী তাবদা নিংথৌ মথুং থাঙ্গংলে;
কৌরে মচা 'তিয়াদ'ই "ইপাই 'বুঙো'" হায়রক্লে।
কুমথরক্লে বোধিসত্ত্ব মপাই তম্বাক' ফমথরে;
মপা শির' মতুংদা মানা নিংথৌ ওইখরে-।

জাতকী শৈরোল

২

থাজগী অহিংবা মমায় ওংথায়

মতম 'মদা লৈরম্মী চৌংগী চৌংথোঙ, অমদা;
নোংশা কৈ মরূপ অনী চৌংগী শুরুং অমদা।
বোধিসত্ত্ব লাইনীং'সু থাঙপে ক'মদা লৈরম্মী
নোংমা মরূপ অনীদো ঈংব'ই লমদা থংনরম্মী।
কৈনা হায়খি, "থাজগী অমম শরুক ঈংইদো।"
মোংশানবু হায়রকখি, "অঙান শরূক ঈংইদো।"
ফলবু ভাস্ত্রে মরৈগী; . হংখি বোধিসত্ত্বদা।
লৌশিংবনা হায়রকখি, "নথোয় য়েংনগন্নুদা;
থাগী ওংথায় অনীমক লোয়ন ঈংবা ভাক্তনি।
হুংশিংনবু হুম্লিবা মফম অতু ঈংবনি;
ঈংবা হায়বা অসীমক হুংশিংনবু থোকহল্লি;
অম্বুমবু লৌশিংবা মথোয়, 'নীমক চুমহল্লি।
শাবু অনী মতুংদা অঠুক থংনখিদরে;
বোধিসত্ত্ব লৌশিংবা হুম্না রাতেস্থীথরে।

৩

য়োং অমসুং রাংব্রেন

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব য়োংজাউ ওইনা পোক্লম্মী;
য়োংগী নিংথৌ ওইত্তুনা উমং মদা লৈরম্মী।
য়োং লীশিং মরিক্তু রারক রাতেম্বীত্তুনা,
থুদোংথীদই ঙাকপীখি পাউতাক পাওমেনবীত্তুনা।
উমং পোংলম অমফাও মথোয় মতাউ তংখিদে;
বোধিসত্ত্ব তাকনা খঙ্দ, পোংলম চাখিদে।
নোংমা মফম অমদা লাক্লে মথোয় ময়ামদো;
ঈশিং থক্কে হায়ত্তুনা পাংয়াবুদী য়োরেদো।
ঈশিং অত্তু থক্তুনা য়োংনিংথৌবু ঙাইরম্মী;
তুংদা লাক্লে বোধিসত্ত্ব য়োংয়ামত্তবু খাম্লম্মী।
পাংয়া কোয়না চত্তুনা চায়েংববু হৌরক্লে;
রাংব্রেন লৈরে শোয়দরে খোঙ্গুল মাঙখি' উবক্লে।
কাওগাংলক্লে রাঙ্ব্রেন্দো কুম্লক্লরোই খঙ্তুন;
কুম্লকউবু কৌরক্লে চাথোক্কেবু খন্দুনা।
বোধিসত্ত্ব হায়রকই, "ঈশিং থক্লি ময়ামসে;
মহাকপুম্নু চাহল্লোই, য়েংউ ঐখোয়' ঈতীকসে।"
অসী হায়না য়োংয়াম্নু শীংঙুৎ অমমম খিহল্লে,
পাংয়াদবু কমহল্ল' শীংঙুৎনা ঈশিং চিংহল্লে।
নীংবা কায়ন' রাব্রেন্দো লৈকমদবু হনখরে;
খোরাং' কোক' য়োংয়াম্‌দা উমংদবু চংখরে।

জাতকী শৈরোল

মরাল লৈবা ছুয়শিং

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব ছুয়বু ওইনা পোক্লম্মী ;
ছুয় ময়াম লুচিংছুনা মোংফম 'মদা লৈরম্মী।
নোংম'ই 'নুমিৎ নিংথৌনা কোয়বা চখোক্লরগা,
গাড়ী শুমাও' থনম্মী চুপ্পী শাবল য়াওরগা।
নোংবু তাখি নুংদাংদো চুপ্পী শাবল চোংখরে;
ছুয়না মথক কারগা শউল শরুক চাখরে।
নোংঙাল্লগা নিংথৌদা ব্রারোল পুপ্পা তম্বদা,
শাউরে নিংথৌ হায়খরে, "ছুয়বু হাংলু উবদা"।
মীনাই ময়াম হৌছুনা ছুয়বু হাংপা হৌরক্লে ;
বোধিসত্ত্ব'ই মনাক্তা ছুয়য়াম অহৃ চেল্লক্লে।
পাউ অসী তাবদা ছুয়গী নিংথৌ দুঙাইস্তে ;
কোম্নুংদবু চঙ্খরে মপাং কনা য়াওহন্দে।
"করি' ছুয়বু হাংপনো ?" হায়খি তপ্পা নিংথৌদা ;
"শউল চীকথংপগীনি ;" খুমখি নিংথৌ মঙোন্দা।
"শউল চীকপা কনানো থিবা লাকপা তৌদনা,
'মনা লাল্ল' ময়াম হাৎ বিচার চুমদে ;" হায়ছুনা,
হায়খি বোধিসত্ত্বনা বরানসী নিংথৌদা।
"নঙগী ছুয়দী হাত্তনা মপালগীদা মহাংপা,
চুমদ-লীক্রম চংপনি অরানববু কনথংপা।"
নিংথৌ ছুয়না চীকপনি হায়না প্রমান তৌনবা,
কুশ মনা মাখনগা য়াম্ন' পীথকপিনবা,
হায়জখরে নিংথৌদা। পীথকপদা ছুয়য়ামদো,
শউল ঙাক্ত ওথোক্লে, নিংথৌ অহৃ পেনখ্রেংদা।
বোধিসত্ত্ব'ই পাউত্তাকপু পুন্সী চুপ্পা লৌজখি ;
দান ধর্ম্ম তৌছুনা স্বর্গ'ই লম্বী ফাংচখি ॥

জাতকী শৈরোল

পেম্নাইদ্রবা কাওরেল

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব কাওরেল ওইনা পোক্লম্মী;
'ঙোবা কাওরেল কৌহুনা মপু'হ নাক্তা লৈরম্মী।
মাগী মনাউ লাম্বানি ঙাঙ্‌বা কাওরেল কৌনবা;
মখোয় অনীখক্তনি পোংচিং লৌখোই তৌরিবা।
লুহোঙ চাকথাঙ্‌নবগী মূনিকা ওকপী থাঙ্গহৌরে।
ওকমুক নোয়রে হায়দুনি মুনিকাদো লোইহৌরে।
মতৌ অসী উবদা খঙ্‌জদবা মনাউনা,
ময়াম্বদা হায়রকই, "য়েংবিয়ুদো, য়াম্বনা!
সুমীং চুপ্পা ঐখোয়বু চিংহল্লিবা পোংয়াম্মি;
পীজবদি চক্ক-চনাই,- মসী হেনমল্লবনি।
ওকপীবুদী থাক্লিয়ে চাকপু থোংনা পীজর'
ঐদী য়াজনীংদেবো হায়বিয়ুদো খঙ্‌বীর'।"
"ইনাউ ঙাংবা কাওরেল'ও। য়ারৌথিংগ্‌ হায়গে তাও;
ইনশাংগীনি তৌরিসে থাকপঙ্মা কাওরেল কাও
সুপীমচা ইবেম্ম'হ লুহোঙ্‌, লাকপা কাঙ্‌বুদা
পীজনবা থাক্লি'নি কল্লকউত্নু মসিদা।"
মতম থরা লৈরগা লুহোঙ্‌ কাঙ্‌বু থুংখরে;
মুনিকাদি ওকপীদো হাক্তোক্লগা থোংখরে।
বোধিসত্ত্ব'হ য়াব্রাগী অচুম্বসি উবদা,
ঙাংবা কাওরেল থবাকয়ে মীংপু পাঙ্‌থি মত্তুদ'।
ময়াম্বদা হায়জখি, "চক্ক চানাই চাজগে
পুন্সী কক্তৌ শরাক্তী চেঙ্‌কূপ য়াইকূপ ফংজগে॥"

জাতকী শৈরোল

৬

নাপল তৌবা মীনাই

ইনাক থুনবা অমনা শিন্নমদাইগী মতমদা,
মাগী মীনাই নন্দগা চৎলদুনা উমংদা,
মচাইন্দমক হায়দুনা মরল খরা ফুম্নম্মী।
মুপা অদু শিথরে মমা মচা থম্লম্মী।
চাউরক্লবা মতমদা মমানবু হায়খিদো;
"নপানবু উমংদা লোংলম্বনি লৈজেদো;
খুড়া নন্দ খঙ্‌বনি; মাগা চৎমিন্নদুনা,
ফুক্তোক্লুরো লৈজেদো মাগী মতুং ইন্দুনা।"
খুম্মোক য়োৎপাক পায়রগা লাক্লে অনী উমংদা।
উমং মনুং য়োবদা অঙাংনা মফম হংবদা,
লোৎফম মথকমক্তদা লেপ্লদুনা মীনাইনা,
লনগী য়াথল' নাপলকা চৈরকইদো ঙংদুনা;
"মীনাই মচা নঙ্‌গুম্বা লনবু করম ফংদোবা
করি থুমদ হল্লক্লে নহা অদো পুকক্তবা।
মথং মুমীং অমদা চৎপদমু মতৌই;
"লৈরে মরম খরদী," নহাদুনা খল্লকই।
বোধিসত্ত্ব' লাঙোনবা মপা'ই মরূপ অদুদা,
চৎলদুনা হংজখি। য়াহং অদু তাবদা,
বোধিসত্ত্ব হায়রকই, "উমংদুদা নহাকপু,
লেপ্লগদি চৈন্নিবা লনবু লৈরে 'দুদবু।
নাপল কানা তৌরিনি ঈম্থোক্লগা তৌথোকউ
নংগী থম্বীরম্লিবা লন্দু য়ুমদা পুরকউ।"
বোধিসত্ত্ব' পাউতাকপু লৌজদুনা নহাদো,
ফংখি মরল মথুমু মপানা থম্বীরম্বদো॥

৭

খুনু অমদি ক্বাক

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব খুনু ওইনা পোক্লম্মী,
চাকশঙ অমʼই থুম্মোক্পা শাইদাংহনা লৈরম্মী।
ʻয়ুক্পা চৈঙ্গাক থিরুনি য়াচঙ্বদা হল্লকʼনি;
ʼস্নুম্না খুনু মচাদো পুন্সী য়ারেল হকপনি।
নোংমা ক্বাক অমথক পাইশিল্লক্লে চাকশঙ্দা;
শা-ঙা অথোংবা তিনবু চুমখি উবদা।
অশুম্নবু লৈরিঙৈ বোধিসত্ত্ব হল্লক্লে;
মতুং স্নুমীং থরদী ক্বাক্পা মতুং ইল্লক্লে।
ক্বাক্তু লোয়নরকপদা পুজারীনা মকোলবু,
অমা তম্না শাবিরে লেকচনবা হায়নবু।
স্নুমীতুদৈ হৌতুনা খুনু ক্বাক্তী অনীদো,
চাকশঙ্দবু লৈখরে স্নুংশিননা মখোয়দো।
পুজারীনা নোংমদী ঙাবু থম্না ফৌরম্মী;
উরুবদা ঙাশিংদো ক্বাক মতিন য়োৎলম্মী।
চংসি হৌবা খুনুনা চীঙ্গাক থিবা কোয়নবু,
য়াদ্রে ক্বাক্কো হায়রকই, “নারে-ঐহাক পূকসীবু;
চীঙ্গাক থিবা চৎলরোই মক্রপ, নহাক চংথরো।”
মংৌ অতু থাজদে, “ফরে, ʻহুদী লৈহৌরো;
হেনঞ্জিন্নবু পামগনু পুকচেল শেʼনা লৈয়ুকো
কল্লক কঙ্গাউনরবা অরাবদা তানিকো।”
ক্বাক অদো থুম্মোক্পা তান্নুমতুনা লৈখরে।
ঙা থোংবা ঈংহল্লম, পুজারী মপাল থোকখরে।

জাতকী লৈরোল

শরকসিদা কাক অদো পাইথরক্লে মখাদা ;
মতুম অমা চীক্লগা তোংখি খাংখুম মথক্তা।
মখুম অহু তাখরে গ্রোঙ্ লাওনা নীংখায়না ;
হোংচিল্লক্লে মপুদো উরে লোইনা মমীংনা।
শাউরে, থোঙ্বু লোনশীনখ্রে কাক অহু ফাখরে ;
মতু লোইনা খোক্তোক্ল' অমেংপবু হৈজিনখ্রে।
মকোল থুম্মোক অহুদা লংশিনখরে লাক্তুনা ;
হেদো-নাহে তমহুনা লৈখ্রে কাক্তো নাবনা।
য়াচঙ্বদা বোধিসত্ত্ব মকোন্দবু পাইরক্লে ;
উরে তৌরম্লিবদো, অসুম্নবু হায়রক্লে ;
"ঈরা লৌদ' করামজাউ নরাল' নপোৎ ফারেদো।
পাউতাক লৌদ, ঙক্কনবা কাক্লা মাঙ্শুম মাঙ্নিদে।"
মফমহুদা লৈনীংক্রে বোধিসত্ত্ব পাইখরে ;
কাক য়াইফো অহুনা লুখাক কোম্বু য়েৌখরে ॥

৮

অপঙ্বা মরূপ

কাশী'ই খুঙ্গঙ অমদা উশুবা খরা লৈরম্মী ;
অহল ওইব কোক্তাঙবা অমা'হুদা য়াওরম্মী।
উগী নাপ্পু তম্লিঙৈ কোরীগুম্না লংলবা,
পাক্ত্র মানবা মকোক্তা তোংখি কাঙ'মা চাউরবা।
কাঙ্ মমূনা থিনবদা মচাহুবু কৌরকই;
"কোক্তা কাঙবু তোংলিবা হাংলো;"বূদী হায়রকই

"লেঙবিথিনু পাবুংও! খুথা' মুক্তা লোইথোক্কে।"
হায়রক্লুনা মচানা কাঙজাউ অহু হাত্তোক্কে,
লৌরুরগা শীংজও 'মা কাঙজাউথুদা থোমথরে।
মকোক কায়রে অহন্দো খুদক্তুন্দা শিথরে।
বোধিসত্ত্ব লল্লোনবা মমীংমক্কা উহৌই;
"মরুপ ওইদৌ 'পঙ্‌বগা," লৌশিংবনা হায়রকই;
"অশিংবগা য়েক্কবা ওইবনবু হেন্না ফৈ;
'সুম্বা মচা পোক্তৌদি পোক্তবনা হেন্না ফৈ।"

৯

অপাঙবা য়োংশিং

ব্রহ্মদত্ত কৌরবা বরানসা নিংথৌনা,
হরাউকুম্মৈ তৌরম্বী লেয়শঙ ছ্টা থাহুনা।
নিংথৌ লৈবাল মালিনা চৎনীহুনা ছ্টাবু,
য়োংগী নিংথৌ অমদা হায়কয়েদো মানবু;
"ছ্টা চৎকে কুমৈগী উদ ঈশিং চাইরম্মু।"
য়োংগী নিংথৌ হায়রকই, "চাইগে য়ানি থনম্মু।"
ঈশিং থাউনে পোড়েনে পাংরহুনা য়োংশিংদো,
ঈশিং চাইবা ঢোরব্রে পাবং লেংনা মথোয়দো।
য়োং নিংথৌনা তাবকই, "ঈশিং মাঙহল্লোইদৌনিং;
পাম্বী চান্ন ফুক্তোক্ল' মরা নাপ্পু ওন্দৌনি।
মরা শান তাবদা ঈশিং য়াম্না হৈবীয়ু;

মরা থিওং তাবদা ঈশিং থিত্তা মইস্য়্।"
মানা তাকপা মতুংইন' মযাম থবক হৌথরে;
মুপা 'মনা হুংবদা "য়াথংগীনে" হায়খরে।
মুপা 'হুনা চৈহুনা অস্নুমন্ন্ হায়বনি;
"জ্ঞান য়াওনা তৌরগা থবক মঙ্গল ওইবনি;
লাল্লুপ কাবা অপঙবা রাশান্বুদা শাবিবা
য়োংশিংগী মতৌনি পাম্বী হান্তোকপিবির।"

১০

হুরানবশিং অমদি লম্মুম

বক্ষাদত্ত' কাশীদা পাল্লিংঙগী মতমদা,
বেদর্ভ থঙবা ব্রাহ্মন 'মা লৈথি শঙ্গঙ অমদা।
বেদর্ভ কৌবা মন্ত্রদি অংকপগী মন্ত্রনি;
গ্রহ তিম্নরকপদা মন্ত্র অসী শোন্দৌনি;
লম্মুম মথক তবেংতি তারকনি মথক্তই।
মন্ত্র অসী বোধিসত্ত্ব তমজখিদো ব্রাহ্মনদই।
নোংমা মখোয় অনীনা গুঙ্গও লায়া চৎলম্মী;
মেটি লৈবাক য়োনবা উমং অমা লাল্লম্মী।
উমং লাল্লকপাহুদা ভাকু মঙা থোয়কখি।

অমাবী নৈরাল

গুরু শিষ্য অনীবু শেলবু পীয়ু ফাজীনখি।
শেলবু য়াওদে হায়বদা লৌরুনবা থাখরে;
নহা শিষ্য অদুবু; গুরুবুনা ফাহৌরে।
চক্রিঙৈগী মমাঙ্‌দা গুরুদবু হায়জখি,
"ননাই লাকচক্রিমখৈ," ব্রাহ্মন্দবু নোঙখি,
"শোনবীরুস্ত মন্ত্রদো খ্নদোংখৌবা ফংগনি।"
অনীবুদী হায়রম্ল' নহা হম্না লাকপনি।
হুমিদাংবু য়ৌর'ক্লে থানা তরং থোরক্লে;
পুনবিরবা গুরুদো অল্লা' কোক্লে খল্লক্লে।
গ্রহবুদী য়েংলগা শোল্লে বেদর্ভ মন্ত্রবু,
সনা লুপা মথক্ত'ই হৈথরক্লে য়াম্নবু।
ডাকু ময়াম হবাউবে; সন লুপা থুল্লগা,
মফমদুদ'ই চংখরে ব্রাহ্মম্ন ঃ'বু ইল্লগা।
ওম্বোকপনী নোংদম্বা! ডাকু খুৎপু অদুবু,
অতোপ' খুৎপু অমনা ফাখরেদো লোইনবু।
অদুক য়াম্বা লন্দুবু ব্রাহ্মম্না পী' তাবদা
পীয়ু তক্লে ব্রাহ্মন্দা সনা লুপা মখোয়দা।
ঙমদ্রবদা ব্রাহ্মন্দো থাঙ্‌না কল্ল' হাংখরে;
চংখ্রিবশিং তাম্নর' মখোয়বুস্থ কমখরে।
অকোনবগী কাঙ্‌বুনা ফংখ্রে লন্দু লোইনবা;
লনবু মিহৌবদগী হৌখ্রে মশেল হাংনবা।
অকোনবদা অনীতা মরেমহৌরে ময়ামদো।
মখোয় অনীমরক্তা শঙ্‌হৌই অমা লনয়ামদো;
অমা চংখি খুঙ্গঙ্‌দ, চৌঙাক খিগে হায়দুনা।

জাজী শৈরোল

চীঙাক খিরু' মুপাদো হাৎপ্রে শঙ,হৌরিবনা।
অমত্তুসু,,চীঙাক্তা হুবু ফুম্ন' লাকপনি;
মত্তু চারু মক্তদা অমত্তুসু শিবনি।
কল্লক মিহৌ চাউবদ'ই 'সুম্না মাঙ,খি লোইনবা;
মওং চাদ' ফংব অন,ওইদ্রে ময়াম মাঙ,নবা।
বোধিসত্ত্ব মংকৎপু, পুরত্তুনা য়ৌরক্লে,
অশিবা ময়াম মরক্তা গুরু য়াওবা উরক্লে।
"গুরু'ই ত্বাহারুবনা মশা শিরে," হায়রগা,
সুত্তাইতবা ফোদোক্রম' অশি' পোৎলোইরম্নগা,
মদোম ঙায়র' বোধিসত্ত্ব জঙ্গল মনুং ফাওরকখি।
অশিবা অনৌ' মক্তুংদা লনবু ময়াম থেংনখি।
"অরান' থবক-তৌরবা মশা'ই ওইজ' থিত্তুনা,
মাদ নত্তে মাঙ,দৌব মীসু মাঙ,নি মাদৌনা।"
অসুম্নদি হায়রম্ন',লনবু-ময়াম পুরকখি,
লৈত লায়র কয়ানা লন্দো দানবু তৌথোকখি।

১১

অচৌবা নিংথৌ থম্মোইঁক

মপোক অমা থোখিসম নিংথৌ ওইখি কাশীদা,
দান ধর্ম্ম তৌদ্রমা পুক্ত তানখি পুন্নিদা।
থাঙ্‌বা কনবা, শুংশিবা, থৌজাল হৈবা, তাকশিনবা,
নিংথৌসীগী মশক্তি জীবশিংবু চানবীবা।
নিংথৌসীগী মন্ত্রিংখা মীনা কয়া তাঙ্‌মনে;
নিংথৌ ঈমাং শণ্ড্‌দবু মীৎয়েং কায়ল চন্নুরে।
নিংথৌনবু তাম্লোকখি ইমুং-মঙ্গুং লোয়ননা
মন্ত্রিসীনা শাইদাংখি কোশলা·দা চত্নুনা।
মতম খর'ই মন্নুংদা নিংথৌ খনবা ওইখয়ে;
মানা হায়জিনবদগী কাশীদা লানবু তাখয়ে।
অচৌবা নিংথৌ থম্মোইঁক লানবু তৌবা ঋলেভনা,
পীথোকখয়ে লৈবাকপু য়েঙ্কবদা ঈরেম্না।
লানবু তৌসি হৌদোকপা য়াত্রবদা নিংথৌনা,
মন্ত্রিশিংস্থ অন্নাবা তামিন্নখি লোয়ননা।
কোশলাগী নিংথৌনা কাশী' নিংথৌ মন্ত্রিশিং,
খুৎপু তুংবুম্নন পুন পুখ্রে অঙম অথৌশিং।
মোংফম অম'ই মনাক্তা কাম্বু ময়াম তৌরগা,
মঙক ফাওবা ফুমজিল্লম থমখি লৈবাক শীরগা।
অহিং মমৈ ওইরকপা মীশা চাবা লমছইনা,
চাগে লাকখি কোকশিংদো অশিবনি নীংছনা।
নিংথৌ, মন্ত্রি ময়াম্না হন্না হন্না লাউবদা,

অনীশুবী হন্নোকখি : অহুমুশুবী তুখদা,
নিংথৌ চীকে তৌখদা চীকরে নিংথৌজম থৌদাউদা।
নানথোক্লবা হোংপদা তৌত্রে লৈবাক থুংজীল্লা।
থাদোকখরে চাল্লবা লৈবাক্তুম্ হোমখরে ;
থয়া থয়া লেঙ্‌বদ'ই মশা শংপা ভুমখরে।
অস্থূম তৌনা ময়ামদো কাখৎখরে কোমদগী
থৌদোক অমা থোক্লরে অহু'ই মতুংহূদগী।
অশিবা অমা তারশ্মী মথোয় ময়াম মনাক্তা ;
শরোয় অমী থংনখি অশি' য়েম্নরকপদা।
নিংথৌদবু চঙ্‌জখি থয়া য়েন্নবিনবা ;
নিংথৌনবু য়াবদা কয়া হয়াউজখিবা।
মথোয়' মীজক পাম্বৈনা অচা-অথক শীল্লাঙ্‌লে ;
পাম্ব হয়না শীজরে ফিজেং লৈতেং হোংহল্লে ;
মহু'ই মতুং অহুদা য়েনবীরম্লে অশিবা।
শরোয়' থাহু শক্তিনা স্লোরে নিংথৌ য়াইফবা ;
মাগী কোম্বুং হীঁপকমকা য়েক, নিংথৌ ভূম্নিডে।
মীকপ থোকখি নিংথৌদো শাংব ভূমথুল তাম্নিডৈ ;
উথি কাশী নিংথৌবু কাগী মৈতাল মরক্তা।
বারী পূবা লীখরে ; কমম লাকই হংবদা।
কাশী নিংথৌ মশুনবু কোশলাপতি থাগংখি ;
কাশী লৈবাক হল্লোম' মবৈবাক্তা হজখি।
মবৈবাকপু মৌজগা থাজ-য়াদ মমাইদো,
লৈবাক শাথি চপচামা মীকত্তবা মম্রিদো।
বোধিসত্ব পূকফবা মরোয় মনাউ থিবিক্তা,

তাকখি, "থৌনা শ্রুলগনু রাশরুবা মতমদা।"
ইন্দ্রি খুত্থম চন্দুনা লৈবাক তাকখি মীংথিনা;
কাখি স্বর্গ শিরতুং দান ধর্ম্ম তৌহনা॥

১২

খুংলাই মণ্ডা পায়বা যুবরাজ

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব যুবরাজ ওইরম্মী,
টক্ষশীলাদা চত্তুনা মহৈ মশিং তম্লম্মী।
মহৈ তম্বা লোইরগা গুরুই বড় ফংলগা;
বোধিসত্ত্ব হল্লক্লে খুংলাই মণ্ডা পুরগা।
খুদোংথীবা উমংনি মহু লানবা তাবনি;
থেংনরুবা মীশিংনা খামখি, "শরোয় লেবনি।"
শরোয় মীহিংচাবনি খোংনাংগুম্না বাংলবা;
মকোক অহু চাউবনি উমংগুম্না শোংলবা।
মমীংনদী কোফুনি, গাজর মুড়লবা ময়ানা,
শামু ময়া মত্তৌনি; থকংনিদো মবুক্পা।
শরোয় অহু থোরক্লে নোংথাকপ গুম লাউরক্লে
"চংকদৌদি কদায়দা?" থুক্ থুক্ নীক ভংলক্লে।
"নঙ, ঐগী চাকথাক্নী; লেপ্পু।" অসী হায়রুনা,
থোনকুম চাউনা হায়রকই। "শরোয়" গুম্না কৌহনা,

বোধিসত্ত্ব খুম্মকই "চৎলক্কনু ঈনাক্তা ;"
উরবরা তেন অসে হু তৈর' মচীন্দা !
নঙ্গী থন্নায় লৌগনি।" অকিববু লৈতন,,
লেপথি বোধিসত্ত্বনা তেঙ্গাল তেঙ্গা থোংহনা।
হেঙ্গিল্লক্কে শারোয়দো ; বোধিসত্ব' কাপশিনথি,
তেনবু য়াম্বে শরোয়দা ; মতুলক্ত য়ুংশিনথি ;
থাঙবু শৎনা য়ানথিবা কান্নখিদে করিগু ;
তাবু পায়'না লংখিবা ওহরমখিদে করিগু।
গদানবু কৈদৌনি অহুক চাউবা মশাদা ;
নীংহন্নদে বোধিসত্ব অকি' ৎাক্তে থম্মোইদা।
"হাৎলগে"বু হায়হনা থারুই কন্না খুদ্‌ম্না ;
"লোইশিন্নগে" লাউহনা কাওরুই মথোঙ থোঙপাক্না।
কোফু' মনীং খুজীনশাক অরেম্ববু ওইখরে ;
শরোয় মাগী খুবাম্না যুবরাজ ফাথরে।
অহু ফাওবা বোধিসত্ব অকি' কৌবা পোকখিদে,
শরোয়নবু থম্লকই, "মসী 'তৈগ মান্নদে,
মীগীলক্তা নোংশানি মপা লৈত' থৌবনি,
মীচম নত্তে নুপা'সী মগুণ থোইনা লৈবনি।
খুবাম 'সৌনা ফারফাও করি চিংন পোক্তরি,
ঐচাকুম্না শরোয়গা তেমশীংনবা লেপ্তরি।"
খঙনীংহনা হংলকই, "করিগীনো কিন্দ্রিবা ?"
বোধিসত্ত্ব খুম্মকই, "করিদনো কিদৌবা,
শিগদৌবা মপোক্তা ! অহুগীসু মথক্তা,
শিব-চঙদ থাঙলেনবু য়াওরি ঐগী হকচাংদা,

নঙ্না ঐবু চানবু তুম্বা ওয়োই অনৌদি।
নঙগী হকচাং মন্নুংদো তানি মচেৎ মচেত্তী;
নঙ্মু অহুম শিগনি, 'হুনা শিবা কিরুদে।"
শরোয়নবু খন্নকই, "অরানববু ওাঙ্জদে;
হুবাই মন্নঙ্গবসে ওয়োই ঐনা তুমহনবা।
থাদোকপ্রগে মহাকপু," থাদোকখরে ফারম্বা।
বোধিসত্ব' হাইখ্রকই, "চংলমিয়ে ঐবুদি;
মপোক কয়া'ই নপাপ্পা লাকশিল্লেদো নঙ্বুদি।
হুম্না হুম্না পোক্লনি তমথীরবা মপোক্তা;
হিংচা য়াইতম' শাওংপা করি তোংখৈ পুন্সিদা
অমম্বগী লাংলোন্দ'ই নাম্থোকপবু ওম্লরোই;
কামদনা পোক্নুনা পুন্সী মহয় য়াম্লরোই।"
অসুমবু বোধিসত্ব পাউত্তাক মঙা তাক্লম্মী;
মপোক থীর' শরোয়দো জ্ঞানগী মঙাল ঝংলম্মী
লাইগী শক্তি চঙ্হনা উঅংহনদা লৈখরে:
অচা পুজা কওব'ই থৃভম অহু লংখরে।।

১৩

ব্রাহ্মনগী মায়য়োকবা

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব নিংথৌ ওইনা পোক্লম্মী,
অচুম' লৈচং চত্তুনা মরা তপ্পা পাল্লম্মী।
মতমসিদা মহাত্মা ব্রাহ্মণ পুরীং লোয়ননা,
শাস্ত্রম্মী চৌবর তরেং শেঙ্গা থাননা।
চৌবর অহুন খূদীংগী জ্ঞার দাউবু য়ানবা,
ঈশে অমা শক্লম্মী শৈরোলনীদো রাচুম্বা।
"তুরেলনা খোয়না চেল্লিবা মহৌশাগী নীয়ম্বি;
উনা উমংদ' তৌরিবা পীগোরকপা মচৎনি।
খুদোংনবু ফংলবা কনা মুপী ওইসন্ন,
লমচং শাল্লং মক্লকই ফনা সতী ওইসন্নু।"
ঈশে অশক খূদীংগী থোইখি চৌবর নিংথৌনা;
পুরীং' মরল অপূম্বা মাঙলকইদো অস্মুম্মা।
নোংমা পুরীং থল্লক্লে মায়খী পীগে নিংথৌবু,
নিংথৌনবু শক্লিবা লালহুন্দুনা অর্থবু।
পোকপদবু ঙায়রিবা অঙাং অমা য়োকখরে;
থোঙ্শঙবশিং থমত্তুনা চেকশিন্নবু শঙ্খরে।
মুপী ঙাক্লী থম্মিবা ম'গী মীনাই ওইনবু,
পুরীং মশা নত্তনা চঙ্দে মুপা অতৈবু।
অস্মুম্নবু য়োক্তুনা চাউরে মুপী মচাদু
পুরীত্তুনা লৌথরে মাগী সতী অঙাংছু।
অস্মুম্নবু লৈর' কাল চৌবর অমুক শানৈদো

জাতক: শৈরোল

নিংথৌনা শৈরোল শকপদা, "অচুম্ববু ঙাক্লিদো
ঐগী মুপী নত্তনা" 'মুম্ন পুরীৎনা শমথখি।
মুমীত্তু দৈ হৌত্নুনা নিংথৌ শেলবু মাঙ্‌লকখি।
খঙ্‌লদুনা নিংথৌদো থোকহৈবা থাখিদো,
পুরীৎ' ময়ুম ময়াঁদা চুকান ফমখ্রে নহাদো ;
থাউ মনম মুংশিবা, লৈনচিংবা য়োনখিদো।
মুপীচুগী মনাক্তা চঙ্‌থোক চঙংশীন তৌরিবী,
মীনাই মুবী তিম্মর' ফাখ্রে মবুক অয়াংবী।
লৈগা থুম্মোক মমুংদা লোংহল্লগা পুশিনখি ;
পুরীৎ'মুপী সতীগা লোম্না লৈমিন্নহনখি।
মরুম্বীগী শরৌনা শেনখি পুরীৎ অঙাওবা ;
মমীৎ ফিথুম পরৈ-চন বাঁসীবুদী খোংহনবা,
মকোক্তবু কিম্ন-গু মতৌ লাঙেঙান কয়ানি।
খঙ্‌জদবা পুরীত্তি কত্রং তিনগা অহ্মানি।
থোক-ৱালা চংখরে কোপ্নংবুদি য়োৗখরে ;
করি করম তৌরকপা শীৎনবু তমখরে।
অচু'ই মতুং অচুদা চৌবর অমুক শীংনখি ;
পুরীৎ' মুপী'হ রাবীবু ঈশৈ ওইনা শক্লকখি।
"মমীৎ ফিথুন পরৈচন বাঁশীবুদি খোংখিবা,
ব্রাহ্মণ অদে গুণ লৈবা সত্তী শেমগে খনখিবা,
সতীত্ববু ঙাকপরা নঙ্‌গী মুপী ওসতী ;
মরুম্বীবু থম্মিদো খঙ্‌জিরোইদে নহাক্তী।"
ব্রাকম অচু 'ভাবদা ব্রাহ্মণ শাউনা হনখরে
মনাং মমাঙ্ রাবু থৎ মুপীদবু হংখরে।

চাদ' শিন্না চখোমজাউ য়েংদশিন্না মীৎলাওবী,
উংনা বাইনা খুমখরে মরাল মাগী,-তাৎতোবী !
মরুম্বীনা শরোশীন মৈইকপিয়ু হায়খরে ;
কপ্নীংদনা কপশীন্ন পুরীশুবু নিখরে ;—'
"নহারুবু নত্তনা কনানসু শোক্তরি ;
সতীম্বু ঙাকচরি মীৎয়েং কারল চত্তরি ।
নঙ্না থাজবীদ্রবা মৈদা চাংবু য়েংবিয়ু ;
সতী ওইবী ইগুণবু মতুত্তদা খণ্ডবিয়ু ।"
মৈবু চাউনা হৌখরে মীয়াম কোয়না তিনখরে ;
সতী শাবী হুপীদো মৈনাক্তবু চঙ্খরে ।
মীয়াম মরক্তুদগী থোরক্লগা মরুম্বী ;
মথুদাংবু পায়খরে মৈবু লানগে তৌরম্বী ;
হুপী অতু খংলেপ লেপ হায়রকইদো অমুম্মা ;
,ঐগী শরী নামুংঙে হুপাসীনা শোকপনা,"
অমুম্মবু তোকখরে মৈবু লানগে তৌরম্বা ।
খঙ্ই পুরীৎ লোয়নবা মাবু করম মীনম্ব ;
খুতুম, কিন্ন শুতুনা হুপীগুবু ফুখখি ;
মখুৎ পেন্না ফুরগা ময়ুমদগী তান্থোকখি ।
লমচৎ নাইদ হুপীদি ঈশিংদ. ঙানা চৎকুম্মী ;
লম্বী নাইদ মখোয়গী চৎনীংবতা চৎঙম্মী ,
পাদোংনীংবা লময়োই যন্না য়েন্নো পামগুম্মী ।

১৪

মৌপাগী মমল

কোশালাগী লমদনদা উমং অম'ই মনাক্তা,
মুপা অহুম লৌউবা থুঙ্গাশিংনা উবদা,
থুজঙ, লুটপু তৌথিবা মখোয়হুনি হায়হুনা;
ফারগবু শিন্নথি নিংথৌদবু ময়াম্না।
অহুমহুবু নিংথৌনা কৈত্তম শঙদা থমজিনখি;
শীয়ন্নিবা মরালগী রায়েন্নবা থৌরাঙখি।
শরকসিদা মুপী অমা তোয়না তোয়না লাকুনা;
"ফীজোল পীয়ু" হায়হুনা নিজরম্মী কপ্তুনা।
কিয়োল কয়া মরুমু পুথোকুনা পীবদা,
লৌ হায়বা য়াদনা হায়রকইদো মহুদা;—
"মুপী' অশেং' ফীজোলদী মরা মপুরোইবনি;
মরা লৈত' মুপীদী ফিজেত্ত'গা অক্নানি।
নিংথৌ পান্দ' লৈবাক্তা, ঈশিং চেন্দ ঈথোংগা,
করি খেন্ন লৈত্তেদো মরা পান্দ মুপীগা।"
পেনবীখরে নিংথৌদো মুপীহুগী পাউথুমদা।
বন্দী লহুম অহুগা 'করি থোক্নে' হংবদা,
"অহন্দুনা ইরানি মীয়্নায়হুনা ইপানি,"
থুমজখিনে মুপীনা, "নহাক্নুনা ইচানি"।
"অমা খল্লু থাদোক্নে" হায়রকপদা থুমজখি,
"ঐনা হিংজরবদি," মুপীনবু হায়জখি,
ইয়ুম অমুক পাল্লগা ইপুরোইবা ফংগনি;

জাতকী শৈরোল

ইপুরোইবা ফংলগা ইমীত্ত ইচা উগনি।
ইমা ইপা সৌখিত্রে ইপ্রাবুদী ফংলরোই;
থাদোকপিয়ু ইপ্রাতং অত্তে অমা নিজরোই।"
পাউখুম অহু তাবদা হেন্না পেনখি নিংথোৌদো;
অমত্তংবু নত্তনা থাদোকখরে অহুমদো।
'হয়া মুপী অমনা মুপা অহুম কনবীখি;
মৌপ্রা মুংশি মতৌবু তাইবঙ, শীন্না ফাওহনখি॥

১৫

তৌবীমল থঙবা শ্যশিং

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌগী মচ অমা লৈরম্মী;
ফত্তবদা লময়োই 'যুবরাজ 'ফত্ত' কৌরম্মী।
অউ খুদীং চৈখিদো ফুরুবস্থ কয়ানি;
প্রজা শিংনা মহাকপু শরোয়গুম্না ক্লিবনি।
নোংমা, মীনাই মীশনগা যুবরাজ লাক্লম্মী,
তুরেল স্রোৰ্বান স্নৌবদা নোং মুংশীং ক্লৌরম্মী।
তুরেল থোঙ্লুং' পুথবে মাবু ইরুজবীরে;
মুংশিদবা ওাকুনি শিরসম্মু থত্নরে।
নোংলৈ মুংশীং মরত্তা হুন্দোক্নুত্রে, মহাকপু;
লোইয়ীন থম্মইন ময়ামদো য়োৱক্লেদো কোন্নুংবু।

জাতকী শৈরোল

নিংথৌনবু হংবদা "খঙ্দে" খুমখি ময়াম্না
"নোংমৈ মুংশীং মরক্তা খল্লুই চংখ্রে. হায়ন্তুনা।"
মীনাই মীশল ময়ামদা থিহল্লুরে মচাবু;
খোঙ্গুল লীবা ফংখিদ্রে মালেম' মফম কৈদবু।
নিংথৌ মচা কমদৌখি ভুরেল ঈচেল ইরৈনা,
চেম্বরকপা মতমদা লৈখি উদা পন্দুনা।
মমাঙ, মপোক অমদা ঈনাক খুনবা ওইখিবা।,
লিন উচি ওন্দুনা ফুম্লম্বা লন শঙ্লিবা;
মখোয় 'নীম্ব পুল্লরে যুবরাজগা উশাদা।
তেনরা 'মস্থ লাক্লগা চঙ্জখরে মতুদা।
মতম অদো বোধিসত্ব লম্বোঃ' ওইনা পোক্তুনা,
তোর্ব্বান্দ লৈরম্মী খাংপোক অমা শাথুনা।
খোল্লাউশিংদো তাবদা ঈরোইথুনা লাক্লগা;
কনবীখরে যুবরাজ কংফান্দবু পুরগা
জীব অহুম অঙ্গুম্ব কনবীখরে মহাক্না;
লুনা সেবা তৌখরে মৈবু হৌগৎলহুনা।
জীব অহুম হান্নবা য়েংখিবন্থু উবদা;
শাউখ্রে নিংথৌ মচাদো কনবিরকপা মুনিদা।
ঈশিং ঈচাউ হম্বখ্রে মখোয় মরি চংখরে;
চংলমদাইদা "তেংবাংগে নীংশিংলকউ" হায়নখ্রে।
নিংথৌ 'চাদী থরুমথম মোমোম নোকশীন্নরগা,
"তেঙ্বাংজগে লেঙ্লকউ;" চংখ্রে মসী হায়রগা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা চাংবু য়েংগে নীংলক্লে;
অহানবদা লিনবু কৌ লিন্দো মনাক য়ৌরক্লে।

জাতকী শৈরোল

মথং, কৌরে উচিবু পন্দে উচি মৈনাবু।
তেনবাস্থ মহুনি উংখি তৌবী' মমলবু।
মখোয় অহুম অহুন। "করি তৌগে" হংজখি ;
"কান্নরক'। মতমদা হায়রক্কে'' বু তাকপীখি।
বোধিসত্ত্ব মতুংদা লাক্লে সহর' লমদমদা।
নিংথৌ এইর' যুবরাজ তোংলহুনা শান্নুদা,
সভা যাত্রা চৎলম্মী সহব কোয়ন থুংনবু।
অবাপ্পদা উখরে বোধিসত্ত্ব মুণিবু।
অশাউ থাম্বী মৈহৌবক হায়খি মনাই মশলদা ;
"ফত্রবদী লম্বোই' সে ঐবু মাঙন' তৌখিদা ;
মখোঙ, মখুং পুনশিল্লু ফ' ম্নোঙ, খুদীংগী ;
অবোইবদ হান্তোকউ ঐবু লাক্লখিবগী।"
অফ' খুদীং লম্বোইবা লাংদে 'অয়ো'ব্রাহৈবু ;
মসীথক্লি হায়খিবা, "মী থরদগীবু ;
উতুপ্পা হেন্না কান্নেদো!" মসী তোয়না হায়বদা,
অশিংবদী থবনা নুংগী অর্থ হংখিদা।
বোধিসত্ত্ব লাইনীংবা রারীহুবু লীখরে ;
তারু' মীপুম খুদীংনা নিংথৌদবু শাউখরে।
অফং' পোৎনা থাহুনা হান্তোকখরে নিংথৌবু ;
খুদক্তুদা মুণিবু হাপখ্রে নিংথৌ ওইনবু।
বোধিসত্ত্ব নিংথৌনা অচুম্বতা চত্তুনা,
লৈবাক রায়েল থৌদাখি ধর্ম্ম মউ লিংহুনা।
লিন, উচি, তনরা'ই তেঙবাং লৌগে থল্লক্লে ;
কাউবা লৈতে অহুমদো মখোয়' ওম্বা পাংলক্লে।



পূকয় লজৈ তোম্-পা নৈবাক চাকহোঙ্ ঙাহোঙ্খি ;
দান ধর্ম্ম তৌদুনা নিংথৌ পুন্য ফংজখি।

১৬

মরু ওইবা মঙলান

কৌশল্যাগী নিংথৌনা নোংমা অহিং অমদ,
ওক্ল' মঙ্ তরাতরুক মঙ্খি নো'ঙাল্লমদা'দা ।
করি অর্থ লৈবমো খনখি নিংথৌ কিনবু;
ব্রাহ্মন পণ্ডিতশিংদুনা হেন্না খোংনা মুহনখ্রে ;
অরা' দশা তা-নিবু হায়রদুনা কিহনখ্রে
প্রতিকারগী দমক্তা লয়োঙ্ মরি ফাংবদা,
যজ্ঞ কোম্বু তৌগরে মজু তৌনবদমক্তা।
ঘী থাউদী শা উচেক, মপৈ মপৈ পৈবনি;
পূর্ণাহুতি' ই দমকা উজোম চাউনা লাঙ্বনি।
অল্লাং অপা লৈরিব নিংথৌ তোয়না তা-মখি;
মহারাণী মাল্লিকা মচু'খা উরকখি।
মরম পুম্বা খঙ্লগা নংথৌদবু হায়জরে;
বৃদ্ধ লৌশিং চাউবগা তাম্নবিখু নোঙ্জরে।
মবুতোগা উনজ নিংথৌ ভক্তি কৎচখি;
মঙ্গী য়ারী চীথদ' মবুতোদা তমজখি।

জানকী শৈয়োল

অহানবগী মঙ্‌লানবু তমজরক্লে নিংথৌনা ;
"মায়কৈ মবি ফাংবদ'হ্ কাওরেল শঙ্গাউ মখিনা,
মুর' নোংঙৌ মতৌগুম ব্রাইনগেবু চঙ্‌লকখি ।
ব্রাইনবন্থ যেংনবা ভাবুক য়াম্না তিল্লমখি ।
থুমাঙ খ্রো খ্রো খোঙ্‌না ফুয়না ক্ৃয়না শোংহুনা;
ব্রাইনরদৌ' মালংঙম হুনখি ব্রাইনরমদনা ।"
মঙগী ব্রাবী তাবগা বুদ্ধদেব হায়রকখি,
"ব্রাকুগন্থ নিংথৌ ও। কবি থোক্লোই" তাক্লকখি ।
"নঙ্‌গী ঐগী মতমদা ফংলোই থলবু মঙ্‌লানগী ।
লৈবাক নিংথৌ অনৌনা অরান চংলক্লবগী
ব্রানী লীচং চুমদব'হ । নোংস্থ তাগে তৌরম্ন,'
মঙ্‌লানা কাওরেল মতৌগুম অথাক অবাঙ তৌরম্ন',
তাখিদনা পাইথিনি ব্রাবীকন্থ থোইদোকনা
পঙ্‌গায হায়ব' ব্রাহ্মন্না লৌবীকন্থু ব্রা ওইনা ।"
"অনীশুবা মঙ্‌লান্দা," নিংথৌনবু হায়রম্মী ;
"উপাল্‌গী পান্দোং মচাশিং লৈবাক্লবু হোরম্মী ।
থৃদ্‌প মুক্তা দাংলিংই মপাল শাংলে লৈবাক্লে ; ।"
"মহুদীনে হনীথৌ, 'বুদ্ধদেবনা তাক্লম্নে ;
"পৃথ্বী' ঙম্নমদাইগীনি ; মীগী পুন্সী তেনগনি ।
অপাম্বনা থ্‌মহৌলক ন্নপী' ওন্না যুম্বাম্নি ;
মচা মশু পোক্লুনা ওন্না পুন্সী লোমদৌবা ।
ইচম চম্বা মঙ্‌লাম্নি তুংদা থোক্রগদৌবা ।"
নিংথৌনবু তম্নম্মী," অহুম শুবা মঙ্‌লান্দা
শম্বীনা মখোম থক্লম্মী পোকপা নুমীৎ' শঙ্গাউদা

'সীবু করি মঙ্‌লাম্লো তাকপিয়ুনে লৌশিংবা ।"
"'তুম্ন তুংগী রাফম্নী চিংনকম্ন নিংথৌবা,
এহা অহল' ব্যবহার লৈনরক্রে' মতমগী ;
রানী তুংলমচংকিদি নহানা থুম্লিংলকপগী ।
অহল ওইবা কাঙ্‌বুবু পীজনীংল' পীজনি ;
পীজনীংদ্র তোক্কান মংক মথা ওন্ননি ।"
''মরিশুবা মঙ্গলান্দ শলগী মছুৎ শজীদা,
গাড়ী চ্ললবু থাঙ্গৎখি লম্লবছু মবেংদা ।
অরুম্বছু শজীনা চিংঙ্গু হায়বা য়াখিদে ;
মপাঙ্গলগী রাংমনি মখোঙ্‌ থাংবা ঙমখিদে ।"
"সাম্ন তুংলমচংকিনি, কিবীরুম্ন থোইনবু,
থোক্লক্কনি- অচুম্বা চংলক্রবা কান্দবু ।
মাংলমচংপু ংঙ্‌লব ৎ৫ক ।হব লম্রেলশিং,
লৈঙাকপবু যাওহল্লোই জ্ঞান ওহ খঙ্‌বশিং ।
অপঙ্‌ নহা শোইনৌশিং হাপ্লবনি লোয়শঙ্‌দা ;
পোরম পোমীৎ উদ'শিং লাক্লগনি কোক্লুদা ।
খঙদ উদ মরম্না লোয়শঙ থবক থা-রনি
'খোয়বু করি' মাবায়বা' ঙশিংবনা খল্লনি ।
'ঈথৌ নত্তে এখোযগী' হায়না লয়থোক্লখিনি ;
কাং-খোংবু চাইবনি লেঙাক শাসন অরুবা ।"
কৌশল্যা নিংথৌ' তম্লকখি মঙাশুবা মঙ্‌লানবু,
বুদ্ধদেব মকাদা লৈখি ঙম্ন' রারীবু ।
"মচাংল অনৈ ফাংলবা শগোল অমা উরন্দী ;
শজীক থা-বা খুদীংগী অনীতুনা চারম্মী ।"

"রাবীরুন্থ ইনীংথৌ ফত্তববু ওইরোইদো।
মংগৌক চাদ ফন্নাইবা লোয়শঙ্ দবু ফন্নিদো ।
রাফেল বিচার থবক্তা মায়কৈ অনী মক্তগী ;
শেলবু য়ান্না চারনি নাইরোই পেনবা লৌবগী ।
মচীল অনীমক্তনা শঙ্গীক চাৎম শগোন্না,
চানি শেলবু মখোয়না ওয়ান্নাই থিংবা কনানা।"
"তন্নক শুবা মঙ্লান্দা উখি ঐনা, মীয়ান্না,
লেন্তুনবু কৈরম্বা সনাই পুৎম পায়ত্নুনা।
পুখমদবু মা'শিল্লু লমহুইদবু হায়জখি ;
লমহুয়নস্নু য়াহুনা হাযবিৎমক তৌবকখি ;
'সীবু কবি অর্থনো?' হংজখিদো নিংথৌনা।
খুন্নকখিদো বুদ্ধনা, "রাবীকপু থোইদোক্না ;
তুংলমচংকী রানীদা নিংথৌ ফংলত্তবগী ;
মচোঙ্-পাকপু নাইদনা যত্ত' লমচং চংপগী।
কাওথোকনি ফমদোশিং লীশীনগনি শোইনৌশিং ;
পায়হনগনি ফজত্তবা পান্দ-কোমদাই হৌবশিং।
সনা-লীক্কু শাগৈগা চাবো মৌবৌনগনি ;
সনাই পুখম লমহুইনা কামশীনবদি মসীনি।"
"তরেংশুবা মঙ্লানি তাবীবোদো হঙ্নুনা ;
গৌরী অমা শাংলবা তা-শিন্নুপা অমনা।
তা-না তা না মহারা মখোঙ্দবু পাদখি ;
খাদরকপা গৌরীতু লমহুয়' "মোন্না চাংথাকখি।"
"মঙ্লানসীগু ইনীংথৌ তুংলমচংকী রাফন্নি ;
রাবীরুন্থ থোইদোক্না 'কন্নি থোক্লোই' থনবীনি।

মতম অমা লাকখিনি হুপীনা ঈন্নাং হেক্সিনবা
ঈবাং পাক্তা খোঙ্দাবা ব্লাংলৈ য়ুদা খোয়দাম্না।
য়ুমগী থৌদাং কাউহুনা মরুম্বীগা হেঙো-বা,
অরং অরাক পামগনি মবল মথুম ত্তিংথোক্ল।
থৌবী চাগুম লমহুইনা চানি মরল লোই'নবা;
হুমাং কন্দী অশেংবা মপুবোই'না তাঞ্জবা।"
"নীপানগুবা মঙ্লানবু হুমজবগে গুরুদা,
কোন্নুংগী দি থোজান্দা চফু ময়াম মরক্তা,
ঈশিং পীকপু ৎল্লবা চফু অমা য়াওরম্মী।
চফুহুদা ঈশিংদি হন্না হন্না হৈবম্মী;
ঈশিং অদু পাথোক্লে, পাথোক্লবু হৈজীনখি।
অহাঙ্বশিং উকদে অথনবদ তেন্দমখি।"
"মঙ্লানমীং ইনাংথৌ ভুংলমচংকী রাফম্নি;
নিংথৌ' লায়বথককপা অদু নোংগী থৌদোনি।
মীযাম চঙনা লোমগনি নিংথৌ পুকয় থল্লবা
মবন্নাইগী ইবাবোই খন্নি নিংথৌ'ফনবা।"
"মাপল গুবা মঙ্লান্দা পুখ্রী অমা উরম্মী,
মখল মশা থম্বালনা পুখ্রীহুদা হৌরম্মী
পখ্রীহুগী মযাংদা লৈথোম্নবা থনবনি;
মতাই মতাই অদুনা ঈশি উক চাক্লনি।
শা-উচেক কযানা ঈশিং থক্লে হায়দুনা,
কুমথরম্মী মতাইদা থৌরাং কোক্লি নীংদুনা।"
"ভুংলমচংকী রাফম্নি খনবীরুম্ন থোইনবু;
নিংথৌনবু ফত্রবা থল্লোই প্রজাই লুনবু।

জাতকী শৈরেং

রানোম শেজারক্লনি অচুম্বনু চংলরোই ;
অপাম চাংজৌ থংমুংলক ঙাকপী হৈবা লৈররোই ।
ওৎপা নৈবা খাঙমদা চেম্মখ্রনি মীয়াম্মা ;
সহরদদি লৈখোম্মি মঙ্গী পংখ্রী অহুম্মা ।
মতাইদনা ঈৰ্মনি চঙ্জকম্বু পীনবা ;
পাম্বে লৈত্র' প্রজাগী হিংনফম্বু ওইনবা ।"
"অবাক্তবা মঙ্লান্দা চাকপু শৌখি পাত্রদা ,
অঙকপগী চাকথোংনি , পাত্রতুগী মথুংদা,
মথাং, অহুম থোকপনি অহানবনা চেঙ্মীৎনি ,
মথং, চেঙগী চেঙ্মক্তি, অরোইবনা চাকমুম্নি ।"
"ইনৌংখোং তাবিয়ু ! 'সাঁমু ভুংলমচংকিনি .
নিংথৌ ফংংক্রুবদা প্রজা যংংলক্লবনি ।
অকোয়বদা লৈরিবা লোইনা মহু চেনগনি ,
পথাপ-নীমম কাগলবু কুমগী নোংনা চুগনি ।
অরাংদনা চুবগা ইচু চুরোই খারমদা;
মহয় মরোং মাঙ্গনি লীরী নাইবোই পোখোক্তা ।"
"তরামাথোই শুবদা মঙ্খি মঙ্লান অমবু ;
শেঙ্গা লক্কা পীরবা য়াং-চন্দন উশাংবু ,
মাখন নমথীরবগা উরম্মীদো ওন্নবা ।"
"তুংগী রানি ইনীংথৌ ফিরুনীঙাই' লৈতবা ;
থোক্লকখিনি কয়া'মা ইকাইখঙদ লম্মোইবা;
ঐগী মির্বাণ পাউত্তাকপু পীররনি মীয়ামদা
তরেং শেঙ্গা লৌরগা মবুকচাকীদমক্তা ।"
"তরানীথোই শুবদা উখি ঐনা মঙ্লান্দা ;

মাইরেন অপুম’ অমনা ল্পখিবদো ঈশিংদা ।”
“মসীমস্থু ইনীংথৌ তুংলমচংকি ব্লাফম্নি ;
নিংথৌনবু অচুম্বা চংলক্রবা কালগীনি ।
মতমতুদা নিংথৌনা কফূত্তগী হৌবকপা,
ফম্নাই’ শিংগী মব্রালো চংলবনি নত্তবা ।
ব্লাচুমশ্বা অহল্লেন মখোয’ মব্রা লৌররোই ;
লৈবাক ব্লায়েল পথাপ্পো খ্বাক খ্নম নাইররোই ।”
“তবাহুমদোই শুবদ [illegible] [illegible]ক চাউববা,
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তাউবম্বা ।“
‘ইনাংথৌ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]মচংকিনি ;
নিংথৌনব [illegible] চংলক্রব কালগীনি ।
মতমতুদা নিংথৌনা [illegible] [illegible] লৌ ;
ব্লায়েল মর্বাক [illegible] [illegible] [illegible]গীদি পাউত্তাক লৌ ।
অকপ’ [illegible] তাউবহুম [illegible] বা চুমচংপা,
কনানস্থ তাররোই মখোয় ব্লাদা [illegible]চুম্বা ।
কবি থোইনা ব্লারুন্ন [illegible]ক্লোই নহাকথক্তদি ;
অসীগুম্বা থোদোকসে ব্লাচুম চংলিমখৈদি ।”
“তরামন্নি শুবদা উখি ঐনা মঙলান্দা ;
পোম্লকপদা ঙাহরিবা মিতম্লকপা লৈয়োন্দা,
লৈবু ‘মুক্তা চাউরবা হুঙোই মচা মযাম্না,
মুনা চাউর’ তাঙজলিন খঙ্খাল মখোক থেক্ন্না,
থেক্কৎ থেক্কৎ চারম্মী প্নমযোৎ প্নমযোৎ য়োৎলম্মী ;
মতৌ অহু য়েংবদা অকিবনু ফংলম্বী ।”
“মসীমস্থু ইনাংথৌ তুংলমচংকি ব্লাফম্নি;

মালেম লৈমা অসীনা মাঙ্‌লমদাইগী কালদনি।
মতমত্তুদা মুপাগী অপাম ময়াই হেনগনি;
মাগী মুপী 'নোংবীগী মখাবুদি পোনগনি।
মীনাই মীশল মথৈস্তু সনা লৃপা শল্লোকস্তু,
ইস্থংদবু তারিবা লনবু কৌপা পুগ্বস্তু,
মুপী মুপী'ই খুদ্‌মদা লোইনা লৈররগনি।
কদাই' করি থম্লিবা করম পাউহংলুগনি;
মথক মখা ওন্নবা মতম অমা লাক্কনি।"
চাউর' লিনবু হঙোইনা চাবা হায়'দি মসীনি।"
তরামঙা শুবদা ক্বাক অমা উরম্মী;
মাগী মশা অচুদা নবক তরা তিল্লম্মী।
মতুগুম্বা ক্বাক্কুবু মগুন শাংথানরিবা,
মচীল ভাঙ্‌বা লমগ্গুমু সনা ঈগুম লোনবা,
শঙ্গু'মনা মীনাই ওই মতুং ইনথি চৎপদা।
'সীগী অর্থ করিনো তাকপিয়ুনে ননাইদা।"
"চিংনরুনু ইনাংথৌ! 'সীমু ভুংলম্‌ চৎকিনি;
নহাকথক্তা থোক্লোইদো-ফংলক্লুবা কালগীনি।
পাল্লরনি অশোনবা নিংথৌ কয়া অমদি।
পাত্ত'ই কোমদ'ই হৌরকপা ওইখিবনা মখোয়দি,
খোঙ্‌লোয়-নাইরোয়-নাপাীতনা চাউররনি মতমদো।
মতীক চাবা হঞ্জবা চল্লরোই খ্বাংলেন্দো;
পাদ্বৈ লৈত্র' মখোয়না মীনাইগুম্না হিংলনি;
লমঙান্নু ময়াম্না ক্বাক্তা ইনগুম ইল্লনি।"
"তরাতরুক শুরকপা অরোই' মঙ্‌লান তমজগে;



গুরুগীদি মফমুদ'ই রাহন্দোকবু তাজগে।
কবোকৈনা হামেঙ্‌বু লাক্কে তানবা চৌনৈদো;
ঐগী মঙ্‌লানসীদদি মচু'ই ওন্ন-ঔনৈদো।
কৈশাল তান্নে হামেঙ্‌না নারক শীংলক উরক্কা;
কিরহুনা কৈশালশিং চেনখি লোংখি মোংশোঙ্‌দা।
"রাফম'সীস্থু ইনীংথৌ তুংলমচক্তা থোক্লনি;
পূকফন্তবা নিংথৌগী হাক্তক্কবু ওইরনি।
মতমথুদা ইনীংথৌ! কফুক্তগী হৌরকপা,
লোই কাওবু মথৈনা ফম্নাইববু ওইরকপা
হঞ্জবশিং হান্নগী মফস্থুদি তাখিনি;
নৌনা কাবশিংনা লোৱী ইঙ্খোল চল্লনি।
রায়েল কুচু য়োরস্থু নিংথৌনা চিদোংখিবনা,
হাংকে তুপকে হায়রকপ' থরায় থানি কিবনা,
ময়ুম মথকৈ থাদোক্লম' উম'দবু লোৎলনি;
হামেঙ্‌না কৈশাল তানবগী রাহন্দোক্তী মসীনি।"
মন্না বুদ্ধ-রাচুমস্থু হনখি মঙ্‌গী অর্থবু।
হান্নখি মেঙ্‌ল' খোম্থোক্তা, "সীংম মঙ্‌লান অসীবু,
মঙ্‌খি পায়োল পূরোলদা তুংলমচৎপু খঙ্‌হন্না।
বজ্র তৌব'ই তাঞ্জাফং ব্রাহ্মন পণ্ডিতশিংহুনা;
কিহনবনি কান্নদ' অচারস্থু ফংনবা :"
মন্তৌ অস্থুম বুদ্ধনা লৈবাক নিংথৌ ফনবা,
মপোক লাঙ্ঙোন খুদীংগী অর্থ হনখি মঙ্‌লানগী;
লাম্থোক্লবা নিংথৌশিং মীনম-শোরি লাংদগী।

পৃকচেল ওল্লবা অরীকপা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা বরানসী সহরদা,
মিংচং কোলোয় শন্দোক্লা পাল্লিঙৈগী মতমদা,
ইল্লিসা কৌবা সোনারী অমুবদি লৈরম্মী ;
ইনাক খুল্লি মহাক্কো কবোড়পতি ওইরম্মী।
শকখীবদা লমযৌই মখোঙ, শেকই মুপাদো ;
মনম পোল্লি শাখীনা মমীং শেল্লী মহাক্কো।
থাজগন্দ' অরীকপা মরল মীখুং লাম্বোক্কে ;
দান ধর্ম্ম হাংকনু মশা ফাওবা চাথোক্কে ;
লীক্লা পাল্লি মুপাদো শুম্না তমজনীংঙাইনি।
মপু পুবোন তরেংতৌ দান ধর্ম্ম তৌবনি ;
মহাকথঙ্গা পুবোনগী ইজ্জৎ চাংবু তাবনি।
নোংমা মানা থেংনখি কোম্মুংদগী লাকপদা ;
ব্রাংলৈ অতাউ' থক্রম্বা মুপা অমা লম্বীদা।
মতিন চুনখি ইল্লিসা থক্লাংবনা য়ুদুবু ;
ময়াম য়াওনি খনবদা ওমখিদবে থকপবু।
মসী উবে মুপীনা, ব্রাংলৈ শেমগে হায়বদা ;
কিরে ময়াম খঙখিনি 'তুনা থাখি য়োনফমদা ;
মীনাই অমা অচানবা, শেনয়েক অমা পীরগা।
থকখি য়ুথু ইল্লিসা অচীকপদা পুরগা।
ইল্লিসাগী মপাদো দান ধর্ম্ম তৌহনা,

লাইরম্রেন্দা তিনখিদো সাকা লাইবু ওইতুনা।
লাইরম্রেন্দই উখরে মচা'ই মরীক লাক্লীক্লো :
পুরোন-পারোন চৎনরোল কায়হল্লিবা মতৌদো
মচা'ই লমচৎ চুমথোক্কে খল্লতুনা মপানা,
মচামক্কী শক্তম্লো ইল্লিসাবু ওইতুনা,
কুমথরক্কে মালেমদা বরানসী সহরদা ;
উনরুরে নিংথৌগা চঙলতুনা কোন্নুংদা
লনগী দানবু লৌহোরো য়াদ্রবদা নিংথৌনা,
মদোম লাক্লে ময়ুমদা অমুক পন্থ' তৌদনা।
ময়ুমবুদি য়োরগা ইল্লিসা'ই নুপী কৌরগা,
লনগী দানবু তৌনবা হায়রকপনু তারগা,
ময়াম পুন্থা ঙরখি কিরুক-কিরক য়েংনখি।
শাইওল্লকপা ইল্লিসা দানবু তৌনি লাউথোকখি।
লায়র অনং লাক্কুন' মব্রক থন্না চারগা,
ময়ুম ময়ুম হন্নখি দক্ষীনাবু পুরগা।
দানবু ফংব'ই মন্নুংদা নুপা অমা য়াওরম্মা ;
গাড়ী, শন্দি ইল্লিসা'ই পান্নববু ওইরম্মী।
মানা ময়ুম হল্লকপা ইল্লিসাবু থাগৎনা,
তাকুবদা ইল্লিসা নীক'খ মশা কিবনা।
রাহং পাউহংনবদা রারম পুন্থা খঙখরে:
'পীরোই য়ারোই' থিংবদা 'নথৌ লৈতে' ফংখরে।
ইতৎ- তংনা- ইখাম খাম ইল্লিসা ময়ুম য়োৌবদা
'নশক খঙদে' হায়তুনা থিংখি মাবু থোঙ্গান্দা।
'পুন্নমকসে নিংথৌনা থোকহনবনি' নীংতুনা,

------ ....

জাতকী শৈরোল

উনরুরে নিংথৌগা অশেং'খঙ্‌নীংলদুনা ।
অঙকপগী মতৌনি ইল্লিসা অনী শুরকপা,
নিংথৌ রাজেম' ঙমদরে করম্বনো অশেংবা ।
নুপী, অঙাং, মীনাইশিং কৌরদুনা হংবদা,
লাইনা ওনদা ইল্লিসা'ই লেপখি লোইনা মীচঙ্‌দা ।
নাপীত ফাওবা কৌখংলে কোক্কী অরোন' খঙ্‌লম্বা ;
মাস্থ ময়ে উবদা শক্তীক লোইনা থুংলম্বা ;
হান্ন'ই ইল্লিসা রাম্বথে মায়থীবসী ফংবদা ।
তাঙ্গসিদা শাইওন্দো পাইখৎখ্রগা নোংথক্ক,
মচাদবু হায়রকখি, "ঐদি সাকা লাইদুনি ;
দান ধর্ম্ম'ই পুণ্যদ'ই নপানবু ওনবনি ।
ঐগী লম্মুম ময়ামসে নঙ্‌না মত্তা কায়থোক্কে
মীঙোন্দস্থ পাজদে নশা ফাওবা চাথোক্কে ।
দান ধর্ম্ম কাউখরে ঐগী লৌখুন মাঙ্‌খরে ;
রাঙ্‌ত্রেন লৈবা পুত্রীগুম মীনা চঙ্‌নখিদরে ।
দান ধর্ম্ম তৌথোকউ লাইরম্নে পোক্লবা ;
নত্রে, লংথরক্লনি বজ্র. নঙ্‌বু হংনবা ।"
কিখিবনা ইল্লিসা মশা থকথক নীকুনা,
'অপঙ্‌বনি' খ্বকুমজ্জে 'ঙাকপিয়'বু হায়দুনা ।
দানগী শঙ্‌লেন শাদুনা অতিথী সেবা তৌখরে ;
সৎকর্ম্ম তৌজদুনা লাইরম্নেনবু ফংখরে ।

১৮

থীক্লেম অথোবা

মপোক অমা বোধিসত্ত ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লম্মী ;
টক্ষশীলা চত্তুনা মহৈমশিং তম্লম্মী ।
মহৈ মপুঙ্ ফারগা অদ্মদবু চত্তুনা,
হাকথেংনবা জ্ঞানবু তান লৈখি মতম লেন্দুনা ।
মতাংসীদা মহাক্না থনখি, "ঐগী মীওইসে,
নিংথৌ মনাক চঙ্বদা পুক্নীং চিংশীন ওয়্নোইসে
মীওইনগা পীকশিল্লে ইশক্লগা থীজিল্লে ;
কনা'ই পুক্নীং ফাংযোই ইনম্লগা পোক্লিল্লে !
অদুনদি দিবগে ব্লাং- চাউরবা অমবু ;
মাগী মরুম থুগ্লগা ওইগে পুন্সী হিংববু ।
অসী থম্ন দিথবে মীওই মিতৌ ফজবা ;
ফিশা শঙদা থেংনরে ভীমসেনা কৌরবা ;
ব্লাং চাউনা লেম্লবা ফিশারোয়দি অমবু ।
মখোয় অনী য়ান- ব্লা ঙাঙনংরে লোইনবু ।
ভীমসেনানা মাঙদ থা বরানসী য়োথরে ;
নিংথৌ মনাক য়োনবা মখোয় অনী চঙখরে ;
ভীমসেনানা হঙ্গংলি তেলহৈবনি মহাক্না ;
মচাহুনা খোঙলোয়নি লাকচবনি তুংইন্না ।
ভীমসেনাবু কোম্নুংদা থবক অমা হাপ্পীখি ;
থাখায় থুদীং শেঙ্গাম্নু লীশীং অমা পীবিখি ।

জাতকী শৈরোল

খরা লৈরে' নিংথৌনা কৈ হাংলু হায়রক্লে ;
থীক্লেম্বনা মঙোন্দা 'সুম্না পাউতাক পীরক্লে,
"নঙ্না খুন্দু য়োৎবগা খুঙ্গা ময়াম খোমজীল্লো ;
লীরুং পায়বা মখোয়গা কৈফমদবু থোম্জীল্লো।
ময়াম কেবু তাল্লিবৈ মচি 'মদা লোত্তৌনি ;
মখোয়না কেবু থাৎপদা নঙ্না উরী থিদৌনি
'হিংনা ফাগে তৌবা কৈ করিগীনো হাংলিবা ?'
অসুম্নবু কদমত্তো খুঙ্গাশিংবু কিহনবা,
খুঙ্গানসু নঙোন্দা রাজোম পোংপু পীরনি ;
নিংথৌদ'ইসু মনাদি কয়া অমা ফংলনি।"
বোধিসত্ত্ব'ই পাউতাক্লো ভীমসেনা চংখরে
পাউতাক-তুংইন-কেবু-হাং মন। নখুম্না থোন্খরে।
সুম্না, ইরোই হাংখিবা বোধিসত্ত্ব'ই পাউতাক্লি ;
মনা মখুন কয়া'মা মতাংতুসু ফংবনি।
মীওইবগী মপূকচেল লৈচীলগীদি মতৌনি ;
লৈচীল' নাপল কারকপা চাংদা মান্দা থেংবনি।
ভীমসেনা থীকনেমগা চীনান পাউদান' থংনরে ;
"নঙ্গী নথৌ লৈতেদো" 'সুম্না কন্না ঙাঙ্নরে।
তাঙ্গাসিদা সহরদা য়েক্লা লান্দাশিল্লক্লে ;
লাম্বা পারু হায়তুনা ভীমসেনা থারক্লে।
শাফি লানফি শেত্তুনা শামু থক্তা তোংতুনা,
লাম্থেংনগে থোরক্লে খুৎশু তেনশু পায়তুনা।
বোধিসত্ত্ব থীক্লেমসু মীজাউগীদি হাকন্দা,
পোলি-পোলি তোংলম্মী শামু তায়বোৎ মনীংদা।

কোন্নুংদগী থোরকপা হোজঙ্ রাংমা লানবদা,
লাম্মী ময়াম মরক্তা লানংঙ্ ঙৈব'ই থোঙ্গেলদা,
ভীমসেনা কিবনা মশা থকথক নীক্লম্মী;
"অত্থক কিগন নঙ্নস্থু লানগা তৌনি' লাকপা শাই
অত্থগুম্বা থৌনানা নাপলগাস্থু তৌবশাই।"
চৈবোই লাকপোই ভাঙ্লগা কুমথংলে সেনাবু;
"নযুম চংলো" হায়দুনা চংহনখরে মহাকপু।
মহু'ই তুংদ শাংথক লানগী লাল্লাউ লাউদুনা,
য়েক্লবগী লানবন্দা হোংচিনখবে ঙীকনেম্না।
লানহৌবকপা নিংথৌবু ফারে, ভুংবুম্নখবে,
বরানসী নিংথৌদা লানফা ওইন কংখরে।
নিংথৌনবু থাগংথি মনা মথুম পীবিথি;
মুনি-মীপীক তেকহৈবা ভাবত শন্না ফাওরকথি।
মনা মথুম পুত্থনা বোধিসত্ব হল্লক্রে;
দান ধর্ম্ম তৌদুনা মহাপুণ্য তাল্লক্রে।

১৯

হুরানখ্রবা লীক্লাং

মপোক অমা বোধিসত্ব অশিংব ওইনা পোক্লুনা,
বরানসী কোন্নুংদা লৈখি মন্ত্রি ওইত্নুনা।
নোংমা কোন্নুং পুখ্রীদা লৈমগুবীশিং ঈরুজে;
মরীক মকোল ফিরোলস্থ মপান্দবু মথমজে;
মীনাইশিংদা শিন্নরম' ঈরোইত্নুনা শান্নখি।
ময়াম মতৌ য়েংবদা মীনাই ঙাইহাক কাউথোকখি।
তাঙ্গাত্নুদা য়োংনুবী মহারাণী' লীক্লাংবু,
সৎ-তা লৌর উধক্তা লোংখ্রে উক্রোঙ্ 'নুংদবু।
ঙাইহাক লৈর লাঙ্নরক' লীক্লাং হুখ্রে হায়ত্নুনা,
খোইরেন মশা পাইখরে লৈবক খুল্লক খোঙ্লোয়না
মুপা অমা খঙ্জদ' কিত্নুনবু চেনখিদো;
ফারে, মাবু পাউহংই,"নঙ্ লৌব্রা লীক্লাংদো?"
খরা ফ'ব্রা খুমজখি,"হোয়, লৌই হাক্লা;
সুসনারীদা শিন্নখ্রে ঈনশিনবনি মহাকনা।"
মুনারীবু ফাগৎলে মাস্থ "লৌই" খুমখরে
"নিংথৌ- কোনগী পুরীত্তা শিন্নখরে" হায়খরে।
নিংথৌ পুরীৎ ফাগৎলে, 'নঙ্ লৌব্রা' হংবদা,
খুমখি, "লৌই শিন্নখ্রে কোন্নুং-ইশৈ- হনবদা।"
ইশৈ- হনবা ফাগৎলে মাস্থ অত্নুম খুমখরে,
"কোন্নুং জগোই শাবীদা পীথোকখ্রে"বু হায়খরে।

জাতকী শৈরোল

জগোই শাবী ফাগৎলে মাদি সুকয়া য়াজদে :
তশেং তশেং খুমজখি, "খঙ্দে, উদে, লৌজদে্।"
মখোয় মঙা ফাহুনা থমখি কৈশুম শঙ্লেন্দা ।
বোধিসত্ব লৌশিংবা থাজখিদে মবুক্তা ;
লৌরমগনি হায়বসে মখোয়নবু লীক্লাংদো ।
মী থম্ন' তাহনখি মখোয়' শান্ন' ব্রারীদো :
মখোয়' ব্রাবী তারগা মরাল লৈতে খঙ্খরে ;
মতৌ করম তৌবগা লীব্রাং ফংনি খনখরে ।
বোধিসত্ব মন্ত্রিনা তুমিন বুদ্ধি তৌবকই .
কনা লাক্ল' মপান্দ'ই হুবা ওয়্রোই খল্লকই .
য়োং ময়াম লৈরিবা শোইবোই 'মনা লৌরম্বা ।
মসী খন্ন খোরাংলে লীক্লাং ময়াম অশেম্বা :
য়োংয়ামদবু শিবিরে অমমমদী ওইনবু ।
মখোয় মশেল উৎনরে 'ঐদা সী' হায়নবু ;
লীক্লাং- লৌবী- য়োংহুবী পুখোবক্লে লীক্লাংদো ;
"ঐস্ন যেংউ হায়হুনা উংখোবক্লে পরেংদো ।
মতৌ অসী উবদা লাউ খোংখি ময়াম্ন' ;
লীক্লাং লৌবী যোংহুবী মীনিল মীখোল কিহুনা,
থাদরকখি লীক্লাংদো তোপ' লাউনা লৈমায়দা ।
বোধিসত্বা লৌশিংবা ক খি লীব্রা' নিংথৌদা ;
লীখি ব্রাবী অচুম্বা মহু করম ফ'লকপা ।
পেনথুমাক্লে নিংথৌদো পীখি মনা য়াম্নবা ।
মরাল লৈত' ফারুবা মখোয় মঙা অহুবু,
থাদোকপিখি খুদক্তা কৈশুম শঙ্লেন্দগীবু ।

জাতকী শৈরোল

থাগৎপিখি অস্নুম্না বোধিসত্ত্বা'ই মরৌশিং ;
"লানফমদনা অথৌবা পাউত্তাক্তনা মুনিশিং
লোয়নবদা ফাগি-'মী য়ায়েলদনা লৌশিংবা।"
বোধিসত্ত্ব'ই পাউত ক্তি অশোয়ববু লৈত্রবা,
শীজিন্নখি নিংথৌনা লৈবাক য়'য়েল থৌরমদা
দান ধর্ম্ম তৌত্নুনা কাখি স্বর্গ শিবদা।"

২০

হেন্না শিংবা লম্লোনবা

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব লম্লোন' ইমুং অমদা,
পোকই, শিংই মহাকসে ; 'হুনা অতাং ওইজৈদা,
পোনখি মাগী মমি'বু 'শি'নাউ' অস্নুম হায়নবু
চাউবক্লবা মতমদা পায়খি লম্লোন শিনকম্বু
শিংলেন কৌব অমগা লম্লোনমিংনা তিন্নখি।
শেন্দোং যেন্ন' মতাংদা মখোয় অনী থংনখি,
শিংলেন্না ; 'ঐদি শিংলেম্নি, শরূক অনী লৌত্নুনি
শিংনাউনদি, "যারোইদো, চপ মান্ন, য়েন্দোনি।"
শিংলেন মপা তান্নবে লৌশিং অমা পুথোক্লে ;
উ অম'ই মথক্তা মপা অত্নু কাখংলে।

শাথ্‌প ফিথ্‌প হৈবনা পাক্ল উবা ফংদরে।
লাক্লে শিংলেন শিংনাউ'নী ; শিংলেন্নবু শিংনাউদা,
"ফরে য়েৎনরনুসি হায়সি ঐথোয় উসিদা,
ৱায়েনবিযু হায়তুনা" অস্তুম হায়রকপদবু,
যারে শিংনাউ কৌবস্তু 'ফবে ফরে' হায়নবু।
হংখি শিংলেন টদবু, "লৌনি কয়াম' কনানা ?"
উনা শম্ব। শাবকই উথক্তগী মপানা,
"লৌফম থোকই শিংলেন্না শক্লাক অনী হেন্নবু।
নতাং অসীমক্তদা "ৱাবু ঙাঙ্‌ৱা উনবু !"
হায়রম্লগা শিংনাউনা উদা মৈবু থাগংখি ;
শাখিবনা শিংলেন-পা উথক্তগী তারকখি।
তারকপগা হায়রকখি, "শিংলেন মৱা লৌরুবা,
শে য়দে য়াইবী মাঙ্‌লম্বা শোয়দে মৈদা লৌরম্বা !
নমিং অনী ওস্তোক্রৌ শিংব য়াম্না খেন্নরে।"
অস্তুম তৌনা তাইশিন্ন তংখায় তংখায় য়েন্নরে।
শেন্দোং তংখায় পূত্নুনা ময়ুম ময়ুম হন্নখি,
দান ধর্ম্ম তৌতুনা লাইরম্লেনবু ফংজখি।"

ঙাঙ্‌বা লেপ্পুবা ব্রাহ্মণ

নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা বরানসী কোন্নুংদা ;
মতৌক মগুণ চংখোম্না পাল্লিঙৈগী মতমদা,
মাগী ব্রাহ্মণ পুরীহিতো ঙাঙ্‌বা লেপ্পা হৈরমলে ;
কনা মীওই অমত্তা মরক থংপা ঙম্মলে ।
মসিদগী নিংথৌদো মী অমা থিরকখি ;
মাবু ঙাঙবা লেপহনবা ঙমগদৌবা য়েংলকখি ।
মতমসিদা লমছুদা মথূং চুম্বা খোঙতেকপা,
মুপা অমা লৈরম্মী মহৈদবু ঙব্রবা ।
অঙাংশিংনা মহাকপু হায়জ-চৎচ তৌরগা,
চিংখি কোন্নুং থোঙ্গান্দা গাড়ীদবু হাপ্পগা ।
খোংনাং পাম্বী মখোঙদা খোঙতেকপত্থু ফমহল্লে ;
অঙাং ময়াম কোয়না -লেপ 'শামু শাউ'বু হায়রল্লে ।
থরা'মনা, 'শগোল শাউ' অমুম্নবু হায়বদা,
উনা ময়াম ককথরে মুঙনা লেপ্পু' থাবদা ।
উথোং অত্থু উনানা শীনব থুংনা চাইথরে ;
শগোল শামু শানবা উনা ময়াম পৈথরে ।
মতা অসী নিংথৌস্থু দোলাইদবু কোয়রুবা ;
হস্তিকপা মতম্লি লমশাংবুদি চৎলুবা ।
নিংথৌ উ'দা কিছুনা অঙাং ময়াম চেন্নখি ;
খোঙতেক' মদোম ফম্লিবা 'ছুদা নিংথৌ চঙলকখি ।

খোংনাং মনা চাইরম্ব'ই মরম খণ্ডলে নিংথৌদো ;
শীজিন্নগে খল্লক্লে মখুৎ চুম্বা মুপাদো।
"পুরীৎ ভাঙবা তোকহনবা ঙমগদব্লা" হংবদা ;
"ঙম্নি হামেঙ" মথীগা নাউরী' খুমখি পীবিরবদা।
পুরে মাবু নিংথৌনা কোন্নুং মন্নুং তান্নবু ;
পীরে' পাম্ব পোৎশিংদো লৈখ্রে ভূমিন কম্নবু।
কীজঙ অম'ই মরুমদা ফমখি লোম্না খোঙভেকপা ;
মপা -মক্তদা কম্নম্মী পুরীৎ ভাঙবা লেপ্তবা।
পুরীৎ ভাঙবা হৌরক্লে য়ান্‌বা ঙমদে কনানা ;
শর শর ভাঙলিঙৈ মখুৎ চুম্বা মুপানা.
হামেঙ মথী অকংবা নাউরীদবু হাপ্লগা,
ভাঙ্‌ব'ই কাবাময়াদা নিশান চুম্না থারগা,
ফর- ফর কাপশিনখি ; ব্রাহ্মন পুরীৎ খণ্ডহৌদে ;
অছুক য়াম্বা মরূদো খৌরীদবু পলহৌদে
গুৎ-গুৎপু য়োৎপদা মরূ পূম্বা লোইখরে।
ভাঙ্‌না- ভাঙ্‌না পুরীত্তো চাকখাউ বেরা তৌখরে ;
নিংথৌনবু মঙোন্দা অশেংবত্থ তাকখিদে।
পুরীৎ মথং ণ্ণমীত্তু'ই ভাঙ্‌বা-শকপা তোকখিদো।
নিংথৌ অছু পেনখিদো ; মখুৎ চুম্বা মীছুদা,
খুঙ্গঙ মরি পীখরে খুদক অছু-মক্তদা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা ফম্নাইববু ওইরম্বা,
নিংথৌদবু হায়রকখি মানা করি নীংলম্বা,
"মনা ফংই মহৈগী মখুৎ চুম্বা খোঙভেকপা
য়েংউ খুঙ্গঙ, মরিনি মখুৎ চুম্ব'ই ফংলিবা।"

জাতকী শৈরোল

ঙা অহুম

নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা বরানসী কোম্নুংদা,
নিথৌ ওইনা পাম্লিবৈ ঙারেল অহুম তুরেন্দা,
লৈরম্মীদো মতমদো তৌনিংবতা তৌহুনা।
মখোয় অহুম মমিংদি কৌরম্মীদো অম্নুম্মা;
রাখল্লেন্দী, রাখলশোয়, রাখলচাদি হায়নবু।
মী তাদ লৈবাক্ত'ই মী তাবা মফম্মু,
খিরহুনা কুম্মকই শাইদাংফম্মু য়েংহুনা;
মফম অমা য়ৌবদা পুন্-শি হায়নৈ অনীনা।
রাখল্লেম্না হায়রকই, "মীফত্তব'ই লমদম্মি;
মসিদবু লৈংঙমসি ঙাফাবগী মফম্মি।"
অনীহুনা য়ানী''দে তন্দে মান্দে তৌহুনা
মফমহুদা হৌখরে থা অহুম অম্নুম্মা।
রাখল্লেন্দী রাখলশোয় চীঙাকখিগে থোরকপা,
ঙাকাবগী ঈন্দবু খঙহৌদনা চঙখিবা
"কত্তন অনী থুখরে শিব তারে কমদৌনি!
কন্দ'য়াদে মখোয়বু" রাখলচাগী রাখলনি।
ঈল্লাংহুগী মনাক্তা ঙাইহাক মোংশিন্নরগা,
চেনখি থুদক অহুদা ঙাইহাক চোংশিন্নরগা।
ঙাকাখনা খল্লম্মী; "থদত্তুনা চেনখরে;"
অম্নুম্নবু চিংখৎতৈ করৎ লাউনা চোংখরে।
মতৌ অম্নুম তৌহুনা মখোয় অনী নাম্থোকখি;
রাখলচাগী মপান্দ'ই মখোয় অনী হিংজখি।

২৩

লাইবক ফবা হাকথী

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌগী ব্রাহ্মণ পুরীৎ হৈশিংবা,
মঙ্গল-ও - মঙ্গলদবু হেন্না থাজগল্লবা,
'করম থাঙনা কবি ওই' মসীতবু খন্দুনা,
লেনখি মতম চুপ্প'মা অক-ফক্ত-থিন্তুনা ।
মাইবা কৌরে নিংথৌনা ; খুৎশেম নাত্তেন অমবু ,
নপশিলহল্লে পুরীত্তা মাগী হান্নৈতুদবু ।
অশেংবমক মানখরে মশাই কুচু ওইখবে ।
অতোপ্পনা য়েংবদা মশা'ই- মশা ওইখবে ।
× × × × ×
নিংথৌ'সীনা পোকচবা মচা মুপী অমনি ;
মনাউ' মচা মুপাগা মখোয় অনী খক্তনি ।
অঙাং ওইরিঙৈদগী পুন্না চাউমিন্নরকই ;
লৈশা পাখং ফাবদা চেৎনা মুংশিনরকই ।
করম তৌনি খঙ্গাম্না নিংথৌ নীংজিংনরক্লে ;
তুংলমচৎকী য়াইফবা নিংথৌনবু পাম্লক্লে ।
"ইচা মুপী অসীনা থাজখ্রবা মীরমদা
ঐগী ভাইবু চাউগনি য়াইফগনি ঈরমদা"
অম্মুম হায়না খন্দুনা খাইদোক্লরে অনীদো ।
মুংশি খাম্বী মৈরায়না চারুখিয়ে অনীদো
নিংথৌ মচা খল্লক্লে, "মুপী অসি পুত্থনা

জাতকী শৈরোল

করম তৌনা চেনখিনি কোন্নং থাদোক্লমহুনা !"
হৈশিংলবী অমগা তান্নববু লোইখরে।
থৌশীল হৈবী মুপীনা অস্থুম্নবু হায়খরে,
"নিংধৌদবু হায়রগে, 'নজাইবেম্মা কন্যাসে,
ভূট প্রেতপূ চঙ্খরে ঙাওবা তারে অঙাংসে !
মোংফমদবু পুরগা থৌ-লাংবু তোরুগে'
অস্থুম' হায়না পুথোরক' মোংফম্বুদি য়ৌরক্কে ;
নঙ্না হ মা লৈবম্মু মোরোক মকৃপ প'য়হুনা।
ননাই নশল থনম্মু মোংশোঙ্দবু লোৎহন্না ;
অশিৰবু শাহুনা মোংফমদবু হীপ্রম্মু।
ঐনা তাকপা পাউতাকসে লাইনবুদি তৌরম্মু ;
ঐখোয় লাক্কে কন্যাগা হীপহল্লগে নথক্কা ;
মোরোক মকৃপ পায়রগা হাপ্পু ননাতোন্দুদা ;
নঙ্না হাকথী থনবদা ঐখোয় লোইনা চেনখিগে ;
থোঙ্মী-লানমী অপূম্বা ঐনা লোইনা কিহনগে।
মতাংহুদা নহাক্না পুখো রাজকন্যাবু।"
অস্থুম্নদি রাতান্ন শীল্লে থৌরাঙ্ লোন্নবু।
কন্যাদস্থু খঙ্হল্লে মাগী থৌরাঙ্ ময়ামদো ;
লীকাপ তেনকাপ্পা ময়ামগা লাক্লে রাজকন্যাদো।
হায়নখিবা মতুংইন অশিৰবু শাহুনা,
নিংথৌ মচা হীপ্লম্মী শন্দুক্কুংদা ঈরেম্না।
মাগী' থক্তা হীপখরে রাজকন্যা নীংথিবী '
বাংলেন পুঙ্ফম ঙাইহুনা লৈখি মুপী হৈ-শিংবী।
অশিবা শাবা পাখংদো হায়খিৰহু তৌরক্লে ;

মোরোক মকুপ নাতোন্দ-হাপ হাকথী কন্না খল্লক্রে
হৈশিংবীনা লমজিং ওই চেনখি ময়াম কায়হনা।
নিংথৌ মজা ইবুঙো কন্যা 'হুবু পুহনা,
চেল্লকপনা মখোয়নী ময়ুম লমদম য়োৗথরে।
নুপী নহা-হৈশিংবী কোন্নুংদবু চঙ্খরে।
নিংথৌদবু খূরুমজ, রারম পূন্বা তমহনা,
খঙ্হনখরে নিংথৌদা রারী খিবিক লীহনা।
খনখি নিংথৌ খূদক্কা; "ঐস্ত অতুম খনবনি;
লৈখোক - লৈনা মতৌগুম থান্ন লৈত' মখোয়নি;
ফরে।" অসী হায়হনা নিংথৌ-হাপখ্রে ময়াদো;
ওইখ্রে রানী খূদক্কা মচানুপী কন্যাদো:

× × × × × ×

মঙ্গল- ওমঙ্গল থিগনবা ফৈ ফত্তে হায়গনবা,
ব্রাহ্মন পণ্ডিত অহন্দো তুকা য়াম্না থিগনবা,
লেপখি নোংমা কুইনবু শার'নুংশা মরক্তা।
অসুম কুইনা লেপ্লদা কালেন নুংশা মায়য়োক্তা.
মাগী নাতোন অনপ্পা খরা খজিক শৌদোকখি;
হাকখী অমুক খনবদা লৈবাক্তবু কেল্লকখি।
মমায় ঈচপ' ঙাঙ্হনা ব্রাহ্মণ তূমিন লেপ্লম্মী;
নিংথৌনবু নোক্লগা; "খল্লুম্নদা" হায়রম্মী।
'মীওইবগী লাইবক্তী ওন্ন-তৈন ঙাক্তনি:
অমদবু যন্তবা 'মদ 'ফবা ওইবনি।"
মসুম্না নিংথৌ পূকফবা হরাউ তয়াম লেঞ্জখি;
দান ধর্ম্ম তৌহনা লাইরম্নেনবু ফংজখি।

জাওবী শৈরোল

২৪

লমহুই তাংতৌবা

নিংথৌ ওই'ঙৈ ব্রহ্মদত্ত বরানসী সহরদা,
পোকখি বোধিসত্তা উচিগীদি মপোক্তা ;
চাউই মশা ওকুম্ন[illegible]ক্ক লৈদো চঙ্‌খোম্না ;
উমংদবু লৈবনি উচি ময়াম লুচিংনা ।
উমংসিদা লমহুয়'মা তাল্লুমত্তুনা লৈরম্মী ;
তাংপু করম তৌরগা উচি চানি খল্লম্মী ।
উচি মকোল ময়াদা মখোঙ্‌ নাম্ম-না লেপ্পুনা,
নুমীৎলোমদা ওনশিন্না ময়া লাওনা কাহুনা,
করিমত্তা লেঙ্‌দনা লেপ্লম্মীদো লমহুয়দো ।
উচিশিংনা হংখিদো "করিনোনে তৌরিদো ?"
"ঐদি লাইবু নীংবনি;" হায়খি লমহুয় তাংতৌবা,
"ঈখোঙ্‌ অহুম থাঙ্গৎল' নাম্মতনা লেপ্লিবা,
পৃথ্বী মাতা ব্রাগনি অহুনবু তৌবনি ।
ইম্না লাওনা কারিবা নুংশীৎ নোংহুম চারি'নি ;
নুমীৎ লোমদা ওনশীনবা নুমীৎ খুরুমজরিনি ,"
ব্রাহৈ অহু তাবদা উচি পুকচেল ওনবনি ।
মহা-সাধু লমহুয়নি অস্নুমবু খল্লম্মী ।
মাগী মনাক' চত্তুনা লাইনীং-লাইশোন তৌরম্মী ।
লমহুয় সাধু চেঙ্‌জঙ্‌বা করমতৌরি হায়বদা ;
লাই খুরুম্বা লাক্লিবা উচি ময়াম মরক্তা,
মৈদোন থংবা ফাহুনা মানা হেক-হেক চারমমী ।

অসুম চাথোকখিবনা উচি তাক্তক তৌরম্মী।
'তৌরিবসি করিনো! ময়াম কৃপা খন্নরে;
হৌদোঙ্ লম্বোয়' শারিবা লমহুয়দবু চিংনরে।
অশেংববু খঙ্নবা বোধিসত্ব লৌশিংবা,
নোংমা তুংবু থংহনা চংখি লাইবু খুরুম্বা।
মতাং হৈবা লমহুয়না বোধিসত্ব মৈদোনবু,
যাগে হাযনা তৌবদা 'মুক্ত' লাউথরকপবু,
"হাই লম্বোই- চেঙ্জঙ্বা! অতু ওইরে লাইনীংবা!
খঙ্ডোইদবোই নীংবরা হৌদোঙ্-ভক্তি- য়োং-সেবা।"
অসী রাবু হায়বন্না' চোংশিল্লগা লমহুয়দা;
তাপ্প লাউনা লাকখরে লমহুয়গীদি খৌনাউদা,
'সুম্না উচি ময়াম্না হাংখি লমহুয় তাংতৌবা,
উচিশিংনা চাথোকখি মশা মাগী অশিবা।
'ঃম্না উচি মযামদো য়েক্ক তিংখং লৈতনা,
উমংদুগী মপুংদা লেনখি পুন্সী লৈতানা।

— — —

জাজকী শৈরোল

সনাগী কাং-ঙ

বোধিসত্ব লৌশিংবা মুপী অঙাং কায়নর'
অমং য়াইথোঙ কুমথরে স্বপরিবার থাদোক্ল' ।
মাগী মুপী অঙাংদি মালেমসিদা লৈহৌরে ;
লৈত-লায়র মৈখুলাং লায়র-অদোন ভামহৌরে ।
অরাবত্থু উহুনা বোধিসত্ব স্বর্গদৈ,
সনা'ই কাং-ঙ ওল্লগা কুমথরক্লে মালংদ'ই ।
পুকমেন -পাওমেন্নরগা মতু অমমম নোংমগী,
খীকথরম্মী মখোয়দা লায়র' কোকচনবগী ।
মমা করাম চাউবীনা অমুক্তদা ফংনবা,
মতু কোগোক ফোয়দোক্লে থুনা ঈনাক খুন্নবা ।
মতুশিংদো ওস্থোকই সনা 'মস্তা ওন্দরে ;
পীনিংদনা পীবনা সনা ওল্লু য়াদরে ।
মতু হোবা ভাইরগা কাং-ঙ অত্থু পাইখরে,
মতুং মুমীৎ অমত্ত হন্না পাইরকখিদরে ।

তৌবীমল খুণবা উচি

ইনাক খুনবা নুপা'মা কাশী দেশতা লৈরম্মী ;
মরল মথুম মহাক্কী অঙকপবু ফংলম্মী।
মাগী তাল্লোয়- মকুম্বী লন্দা অস্নুক খোয়দাখি ;
শিববদা অম্নকম্নু উচি ওইনা পোকচখি।
লঙ্গৈদুগী ময়াদ' মতম খূদীং লৈদুনা,
খুম্ভাক্কর' ফাওবদা লৈখি লনবু শঙ্‌দুনা।
অসীগুম্বা মতমদা বোধিসত্ব নুঙ্‌শুবা,
লাকখি মফম অসিদ' লৈত-লায়র তান্নবা।
মীন ওনবা উচিনা উকবদা মহাকপু,
মুংশিবদি পোক্তুনা খনখি উচি 'স্নুম্নবু,
'ইবল ইথুম শুকয়াম্বা অরেম্ববু তাহৌনি ;
ঐনা'মুক শির'দা ফুমজিন্দুনা মাঙ্‌খ্রনি ;
অদুনদি মহাক্কা চামীন্নগে ইরলসী।"
মপুক্কী'দা অম্নুম্না খল্লদুনা রাফমসী,
নোংমা লাকখি উচিদো বোধিসত্ব'ই মনাক্তা,
শেন ময়েক অমবু চীক্লদুনা মচীন্দা।
শেনয়েক অদু পীরগা হায়খি অস্নুম্নবুদি'
'সে 'সীনা লৈরকউ শা অথোংববুদি ;
য়েন্নদুনা চাথোকসি চরা নোংখল্লনবা।'

জাতকী শৈরোল

শেনয়েক তংখায় অমগী লৈরুরগা অথোংবা,
বোধিসত্ব পুকফবা উচিদবু পাংজখি ।
'স্থম্মা উচি মুত্তিগী শেনয়েক 'মমম পীরকখি ।
তংখায় অমা চাদিংত্তো উচি মবুক থঙ্গরে ;
অস্থমবু লেপ্লকপা উচি কয়া পেঙ্গরে ।
'হুবু নোংমা হৌদোঙ্না ফাখি উচি অমোমদো ।
চাগে হায়না তৌবদা য়েম্নহুনা শা অদো,
চামিন্নরে মখোয়'নী হাংপিদরে উচিবু ;
লক্লিদবু হিংহৌই উচি থরায় মঙাবু ।
নুমীং থৃদীং অস্থম্মা য়েম্নহুনা চামিন্নে :
মথং লাকপ অমস্থ মাহুগস্থ চামিন্নে ।
মথং মথং লাকপনা হৌদোঙ্ অহুম শুর'দা,
উচিনা থরা চাজবা মরি খোক্ল যেনবদা,
মব্ক থল্লক্রুবদা উচি ময়াঙ্ কংলক্লে ।
মতৌ অসী উবদা বোধিসত্ব হংলক্লে ;
মরম পূম্বা খঙ্লগা হৌদোঙ্ হাংন' শীল্লক্লে ।
মস্থং- মপাল- ফাওনউ' নুঙ্ অমা পুরক্লে ;
হুৎলে মখুল অমবু উচি চঙ্বা চন্নবা ।
হৌদোঙ্ লাকপা মতমদা তাক্লে করি হায়দৌবা ।
লাক্লে হৌদোঙ্ ফন্তবা চৌঙ্গাক পীরো তান্নরে ;
"হাই ! হৌদোঙ্ শকথিবা নিংঙাই থাঙ্বা ওমদরে
নথীম্বোঙ্বু থাক্লবা ঐহাক লৈখা নত্তে হৈ !
নব্ক অহু লায়গা নচা হাংল' চাক্ল হৈ !"
উচি য়াসী ভাবদা শাউথিবনা হৌদোঙদো ;

উচি হাংকে হায়ত্থনা খঙ্‌চোং চোংশিনবনীদো।
নুংজাউত্থদা শুজিল্ল' থবাক কায়'না শিখরে;
অসুম তৌনা হৌদোঙ্‌শিং মথং মথং লোইথরে।
উচি অমোম তুশোনবী হরাউবনা পল্লেংখি;
য়েক্ল - খুরৌ চেন্দনা ঈংন চীক্লা পাঙ্গখি।
বোধিসত্ব কৌবদা শেনয়েক অমমম মহুত্তা,
অনী অহুম পীত্থনা উচি পেঞ্জে মবুক্তা।
মরূপ- নুংশি -লীপুন্না প্পুনমিন্নখি অনীদো
মতম কুইনা লৈরম্ল' অমং য়াইথোঙ্‌ কুমখিদো।

২৭

মিহৌ চাউবা লমহুয় লাংদ থুবা

বোধিসত্ব মপোক 'মা লমহুয় ওইনা পোক্লম্মী;
গঙ্গা তুরেল তোর্বানগী উমং 'মদা লৈরম্মী।
নোংমা লমহুয় উরুরে শামু অশি' অমবু;
হরাউজখি চানবা শদূম পৈরে হায়নবু।
মনাতোন্দা চীকউরে লাঙ্গোল মখোক চীতুওায়;
ময়াদবু য়েংঙ্‌রে শরু ভারু শায়'থুওায়।
মনা অমুক লাকউরে য়াঙ্কোক তৌনা কল্লম্মা;

মবুক্তবু পায়রুরে থুম্মোক তায়রাকুম্মী ।
মখোঙ্ হুম্ব অচ্চানি থুম্বাগবু পাখক্লি ;
মমৈদ্‌না কমদোরি তাচং শায়রগুম্মনি ।
'অম্মা মথং-মথং 'ভং' অথোং' মকম য়েংলকখি ;
অকোনবদা অমাংথোঙ্ হেংলুবদা খাংলমখি ।
''লৈরেদনা' খন্দুনা লমজং হরাউজবা'' ;
মতু অাতুম চাশিল্লক মবুক য়োনা চঙ্‌লম্মা ।
অহিং মতম য়েংলং মংচং লৈথোক্রে ;
'শদূম পবা পুকয়নি হমং ওইবে' হল্লক্রে ।
অইত কবি কনাদ চংপ . কিংহ মতুত্তা .
নীংথাইদন লৈথোক্রে শামু মবক নুংদা ।
থংশীং ত্যংশা লাংলকপা শামু মটুল তিংখংলক ,
অমাংথোঙ্গী ফংত্তোকপ কন্ন- তাইনা ফাজীল্লক,
শামু মবক মনুংদো শূকপু শুংগম , মমথরে ;
উনশা তোংশা মনুংগী পোকলম' ঈস্থু খকথরে ।
লমহুয় তীফম খঙ্‌দরে কোয়ঙাওনরে মনুংদা ;
পোকফম লত কোয়চোংচোং কাঙ্‌ক্রম ওল্লে মথন্তা
মতৌ অঙুম' মংস্তা হরায় রানা লৈরিভৈ,
কুমগী নোংজু অকনবা নোংথোঙ্ ফুয়না তারকভৈ,
তিংখংলম্বা শামু-উল নোংথরক্লে তাঞ্জাদো ।
লম্মাঙ্‌নরা হীরোম্বনা ধ্রুবতারা উবদো,
মতু'ই পাখক ওইথরে, লমহুয়-শিংরে থল্লম্বা ।
অমাংথোঙ্গী শরুক্তন মথুল মচা উরকপা,
চোংখাতুনা থোরক্লে 'হিংঙে' 'হিংঙে' হায়রহুনা ।

জাতকী· লৈরোল

মখুল পিশক অদ্দুদা নমজা-নমথেক্লবনা,
মশা পুম্বা খেবাংলে মতু পুম্বা পলহোৱে।
কোনা পাম্বী' মতৌগুম শিংপু নান্না লেপ্লরে ।
"ও ! ঐনা মিহৌ চাউরুবা দশা অসী ফংবনি;
কল্লক চাউব'ই মহয়না ইকাইবসী নংবনি ;
করি নোংদা চংলরোই শামু অশি' মবুক্তা ।"
মিহৌ- রাখল থাদোকখি লমহুয় অহু মতুংদা ।

২৮

লৌশিংবা লমহুয়

মপোক অমা বোধিসত্ব লমহুয় ওইনা পোক্লম্মী,
লমহুয় নিংথৌ ওইদুনা মোংফমদবু লৈরম্মী।
× × × × × ×
নোংমা নিংথৌ কোম্লুংদা কুম্মৈ ফিয়োং তৌরম্মী ;
শ্রাবৈ-স্থুনৈনদ্দুনা হরাউ মথোই কারম্মী।
ল্লোংরায় য়োধা 'হুরাইদা চানবধু রাক্লুনা,
হুপ্পা অমা হৌপংলক চৈতুপ অমা পায়হুনা,
"শা রাংপা হৌনদে ঐনা লৈরিউদবু।"
হায়রদ্দুনা চংথরে মোংফম মায়কৈ অবু;

মোংকমদবু হীপুরে অশিবদি শাদ্‌না।
বোধিসত্ত্ব'-লাংওনবা লমছয়রুহনা উহনা,
মনাকব্‌ু চঙ্‌লগা মনম হাইরপ নম্নমী।
লমছয় চিংনয়রুহনা মচীম্না চৈছ্‌ চীক্নমী ;
কম্না খংচিং- চিংবন্দা চৈছ্‌ য়াম্নৈ মুপাদো।
লমছয় খংথা–থাদোকই চীক্নম্নবা চৈত্নুপ্নো ;
খর লাম্না চেম্হোকই, 'খঙ্‌ঙে নঙ্‌গী নতান্তো।
শিদনবু শিজিন্ন,' উরে নঙ্‌গী চলাক্তো।"
রাকম অসী তাবদা মুপা অছ্‌ শাউখরে ;
চৈত্নুপ অছ্‌ লংববু অরেম্ববু তাখরে।
"তোকপিরগে ওসিদি " অম্মুম্নবু হায়রকখি ;
"য়েংউ, মতুং খঙ্‌নিদো ! " বোধিসত্ত্বনা হায়রকখি।
"নঙ্‌না ঐবুদি নাম্বোক্লে 'দ্‌বু ওমদ্রা নাম্লোকপা !
নোরোক মৈশা লক্তুগী করিদনো লীক্তোবা !
চৈরাক তম্না তক্নকী লাংনি মরোল লোম্লিবা ;
পাপকী প্রায়শ্চীত্ত ফংগনি কম্নিগীনো খংদবা "।

অপঙবা লমহুয়

মপোক তম [illegible] [illegible] চৈনা পোন্নবী;
হিমালয়গী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
নোংমা মানা অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible].
অযাম' শরুক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
পৃথ্বীদবু কুমথব' [illegible] [illegible] [illegible];
মকোন্দং পো[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
লম্বীদবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible];
মশা থকথক [illegible] [illegible] [illegible]।
মথৃৎ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible];
"ফা[illegible], [illegible]" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
চিং[illegible], অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible];
করি শাবু উ[illegible] [illegible] [illegible];
"নতীক ন[illegible] চাউ[illegible]! [illegible] [illegible] শা[illegible]।
শা অমা উ[illegible] ফা[illegible]দোকপি[illegible] নকাংজো।"
নোংশাহুনা [illegible] [illegible] [illegible] চ[illegible];
লেমচৌরিবা [illegible] [illegible] [illegible]
উতাংবাব [illegible] [illegible] [illegible]কপা।
লমহুয় মশা [illegible] [illegible] [illegible] চারকপা।
লমহুয় নোংমা শঙ্কক, "এ[illegible] ঈখোঙ্ মরিনি;
মাগী মরল করিগী চাহুনবু লেনগনি।

ছাত্রকী-মৈরোল

নোংশা লমহুয় অঙ্গানি মানা কৈদা হেনগনি !
'নতীক নঙাল চাউবও ! ঐবু লোইবা শানীংথো'
মন্ত্র অসীতননি শঙ্‌থিবদি মকন্থো ;
ঐবু 'সুম্না কৌরবা শামু হাৎপা ঙমগনি।"
লমহুয়-নহা অপঙ্‌বা নাপলবুদি ক্কাবনি।
রাফম অসা নোংশাদা মানা নোংমা খঙ্‌হল্লে ;
হন্না হন্না খাম্বদা য়াত্রহুনা তৌহল্লে।
চীংহুম থক্তা কাহুনা নোংশা, শাবু য়েংলক্লে ;
শাম্ন অমা উবদা লমহুয় কৌনা হায়রক্লে ;
"নতীক নঙাল চাউবও ! ঐবু লোইবা শান্নীংথো।
শাম্ন অমা উজরে ফোঙ্‌দোকপিরো নকন্থো।"
লমহুয় থোরাঙ তৌরক্লে খুমাঙ-অনী খোত্তুনা ;
ধমকা-ধমকী উৎলক্লে লমহুয়-মথোং থোংহুনা।
মাংকৈ মরি য়েংহন্ম' শামু মকোক তন্নবু,
নিশান চুম্ন যেংলগা ফঙ্‌ 'মুক্তং হুনববু,
খোঙ্‌ফম খিঙ্‌ং শোয়হুনা শামু 'খোঙ্‌দা তাখরে।
শাউরভ্নব' শামুন মখোঙ্‌না তাপ, নেংখরে ;
শুক্র শুক্র নৈবদা বেশোন তারে লমহুয়দো।
নোংশা-শায়োন 'লীবব বোধিসত্ব কৌবদো,
মতো অসী উবদা হায়খি রাবু অস্নুম্না,
"নঙাল চাউবা লমহুয়ভাউ ! করি থোক্লে নথৌনা !
মীনা খাম্বা মাদবা উংপু ওল্লে কমদোই !
নতাক নঙাল অপুম্বা উফুল ওল্লে, ওম্বোকই।".

জাজকী ধৈরোল

অপঙ্বা ক্বাকয়াম

ব্রহ্মদত্তনা পাল্লিঙৈ বরানসী সহরদা,
পোকখি বোধিসত্বদো ঈশিং-লাইগী মপোক্তা।
নোংমা ক্বাক মতৈমনাউ'মা সমুদ্রদা লাক্লমী।
অরাংবদা পাইত্লনা কোয়না-লয়না য়েংলম্মী।
নাগ নিংথৌদা কৎপা চাক, শা, ঙা অথোংবা,
শঙ্গোমক্ষীর কয়া'মা উখি তোর্বান্দা পৈরম্বা।
ক্বাক অনী পাইথরক' মবুক থল্লাথক-চাখি;
রাংলৈ য়ুবু থল্লুবা অনী থীনা ঙাওরকখি।
রাখল মুঙাইরক্লনা সমুদ্দা ঈরোইখি;
মপান্দা 'মুম লোইরমদ'ই অমোম অতু লাপথোকখি।
ইপোম অমা লাক্লনা পুম্রে থাপ্পা অমোমদো,
ঙাজাউ অমা তাউখৎলক' পুম্না য়োংখ্রে মহাক্লো।
"ও! ঐগী মুপী শিরেদো!" ক্বাক লাবা তেংথাখি;
মাগী তেংথা তাবদা ক্বাক ময়াম পাইরকখি।
"করি তৌরে?" হংবদা মরম পুম্বা তমথরে;
অতুক য়াম্বা ক্বাকশিংদো তেংথা-নাওইনথরে।
ঙাইহাক কপ্পরুরগা,—"সমুদ্রসী থক্লসি;
মসীনবু কংলবা কংনি 'বেম্মা, থিরসি।"
অমুম তৌনা মথোয়না থক্লকপবু ঈশিংদো,
খৌনাউ অতু নাররক্লে থকচীনবদা থুমহীদো।

জাজকী শোরোকন

মচীন ময়া পোমখৎলে মমীৎ ঈবু চঙ্‌লক্নে ;
ওাইহাক-লেপ্তু শূবদা মথোয় 'পৃথ্বা বারক্নে।
কংবা নাইদে সমুদ্র ঈপাক মহাসাগরনি ;
কায়দরে খন্দুনা হোৎন' পৃথ্বা ভোকপনি ;
সমুদ্র শীংপা ভোক্লগা থাগৎনখি 'বেম্মবু ;
"ফজ'নিদা ইবেম্মা নশক অহু লাইমবু !
মচীন, মমীৎ, কুচু-কুমেন, অমত্তবু ব্রাক্তেদো ;
শাবান - মুংবান খে'জেল-খোম্হোক য়েংঙু-য়েংঙু লোপ্তেদো।
অহুনবু ঈশিং-লাইনা পাম্মন্দুনা হত্র'নি !"
ওইদববু ওাঙ্‌বদা ঈশিং - লাইদো শাউবনি।
ঈথক- ঈপোম ঈহৌহন' অঙকপবু থোকহনখি ;
সন্দ অকি' উত্তুনা কাকয়াম অহু তাম্মায়খি।

৩১

তহা তহাবা জাদুগর

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিঙৈগী মতমদা ;
পোকখি বোধিসত্ত্বনা বরামসী সহরদা।
ব্রাহ্মণ মচা ওইবগী মতৌক মওন লৈরকই ;
টক্ষশীলাদা চত্তুনা মহৈ-মশিং তম্লকই।
'তুংদা ওঝা ওইহনা সেবক চামগা লৈরক্নে ;

সেবকশিংদো মহৈবু মতীক চানা হৈরক্লে ।.
সেবকশিংছু'ই মনুংদা সঞ্জীব কৌবা অমনি;
অশি' হিজংহনবগী মন্ত্র, মাদি হৈবনি।
নোংমা সেবক ময়ামদো শাংবু থিবা চৎখিদো:
কৈ অশি অমদি উমংদবু উখিদো।
মানা হাযখি ময়ামদা, "ওন্নি কৈসা হিংহনবা।"
য়েংখি ময়াম, "ওস্নোইদা," "কবি! এবু ওমদবা! '
মন্ত্র অমা শোল্লগা চফ, মচেৎ অমন।
শোক্লই কৈছু তাপ্ল-লাউ? 'ছুদ কৈছু হিংছুনা,
চোংশিনখবে সঞ্জীবতা মঙক হিথৎ থংখবে।
সঞ্জীব হাৎপা লোইরগা কৈদো অমুক শিখরে।
রাফম অছু ওঝাদা অঙাংশিংনা তম্নম্মী;
বোধিসত্ব লৌশিংবা অস্তুন্নবু হায়রম্মা, '
"সঞ্জীবকিদি মতৌগুম ফত্ত' সঙ্গ তৌরুবা,
মাঙজবনি খঙউদো ফত্ত'হ মতেং পাংলুবা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা পীখি মাগী সেবক্তা
পাউতাক কয়া কয়াদি কাঃববা খঙবদা।
য়াইফ-থৌরম তৌছুনা মতম মাগী লেঙখি,
দান ধর্ম্ম তৌছুনা লাইরম্নেনবু ফংজখি।

অহৱা নিংথৌ অনী

বোধিসত্ত্ব মপোক অমা নিংথৌ মচা ওইদুন,
পোকখি, পানখি কাশীদা ব্রহ্মদত্ত কোন্দুনা।
টক্ষশীলা চত্তুনা মহৈ-মশিং তম্লকখি;
অচুম্বতা চন্দুনা লৈবাক রায়েল থৌদাখি।
রায়েল বিচার খুদোংদা মনাং তৌবা ঙৈশিদে;
মন্ত্রিশিংগী অচুম্বা অবানবা চংখিদে
'দুনা কবিগন্দ অবানা রাকং হায়বদো,
থাজংলাকপা ঙখিদে মন শোকি কৌবদো।
কোন্নং অদো হাদখিদ্রে রাকংলবা কাঙ্‌বুনা;
মন্ত্রিশিংদে ফম্ফমদ ফম্মী থবক লৈতনা।
রায়েল শঙ্‌লেন অপুম্ব পুন্থাক-লানশিনথরে;
নিংথৌ রায়েল থৌদাদ মীপুম খুদাং পেনখরে।
থনখি নিংথৌ মহাক, "এঙী রায়েল থৌদাদা,
প্রজা পুম্বা পেন্নরে লাক্ত্রি রায়েল শঙ্‌লেন্দা।
'হুদ্র এঙী অনানবা কয় লৈরি থিবগে;
লৈবাক থুংনা কোংনা প্রজাশিদা হংলুগে।"
অনকপগী অনাম্বাই প্রজা পুম্বা উনবে;
খঙ্‌লে নিংথৌ, প্রজাশিং লোইনা মবুক পেন্নরে
ফিজেৎ ফীজোল ওন্দুনা চৎলুবস্থ অদ্‌ঙোয়;
প্রজাশিংগী-মপুক্কী খঙ্‌লুবদা মতুংঙাই।

জাতকী শৈরোল

'স্নুম্না খোঙ্‌চং অমদ'ই নোংমা হল্লকপদনি ;
ফিজেং ওল্ল' নিংথৌগা সারথী অত্থগতনি ।
তোবানগীদি লম্বেলনি দোলাই থৈ-ন চন্দবা ;
অশোম থংবদগীস্থ লাক্লে দোলাই অচৌবা ।
সারথী অনী ম্‌ররে 'থৈদৌ' 'থৈদৌ' হায়নরে ;
'মনা 'ম উশীংনদে রাহৈ কারল-চন্নরে ।
কোশল্যপতি মাল্লিকা তোংলি দোলাই অমদা ;
কাশী নিংথৌ ব্রহ্মদত্ত তোংলি অতোপ' অত্থদা ।
সারথী অনী চীন্দাম্না চহী হংনৈ নিংথৌগী ;
মরল-মথুম, শাগৈ জাং চপ্পু মাম্নৈ অনীগী ।
মাম্নবা নিংথৌ অনীনি করম্বনা থৈগনি ;
অরাবব্‌ ওইনরে কনানা বিচার তৌবীনি ।
মগুন হংনরকপদা কোশল্যগী নিংথৌবু,
সারথীনা শীংথাখি রাফম অসী হায়নবু,
"অকনবদা নোংমৈ-শীংজঙ্‌ অথোংপদা লৈনানি
ফত্তবদা ফত্তবা অফবদা ফবনি ।"
অসী রাবু তাবদা কাশী নিংথৌ' সারথীনা
মনীংথৌগী মগুণবু শীংথারকই অস্নুম্না ;
"ফত্তববু 'ফবনা জয় তৌবা মহাক্নী ;
অশাউববু নুংশিবনা থূত্থম চনবা নিংথৌনি ।
অবীকপদা য়াম্না পীবা ব্রহ্মদত্ত রাজানি ;
অচুম্বনা মীনম্ব'ই লমন শিংবা মহাক্নি ।
ব্রহ্মদত্ত'ই মগুণবু তারুবদা মাল্লিকা ,
কূমথরক্লে দোলাইদ'ই সারথীগা মহাক্না ।

থৈথদ্রুনা দোলাইবু ইকাইখুম্ন' উংচখি ;
মুংশি-চান্ন মীকৌরম অনী মরম পাংনখি ।
প্রজা পুম্বা মুণ্ডাইখি লৈবাক ব্রায়েল ফজমন,
লাইরৈবাকপু ফংনখি দান ধর্ম্ম তৌজমন ॥

৩৩

থাজ-য়াদবা মুমীৎ-য়ুংবী

নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা কাশীদবু পাল্লিঙৈ,
বোধিসত্ব লৌশিংবা চুম ওইনা পোক্লিঙৈ,
চুমগী নিংথৌ ওইদনা তুরেল তোর্বান অমদা,
চুমশিংগা লৈরম্মী 'দ ঙৈ মতম অমদা ।
মাগী মচা মুপাদো নুমীৎ-য়ুংবী অমগা,
য়াম্না তোরোৎ-খোদানা তিন্নৈ 'মগা অমগা ।
মুমীৎ-য়ুংবী মথক্তা কাদুনবু শান্নখি ;
থরো-মাল্লো ওনমিন্ন' য়োনা চান্ন-চিন্নখি ।
চুম কয়া অমনা তমখি বোধিসত্বদা ।
বোধিসত্ব মচাবু ফহন্নাংবা কৌবদ'ই,
হায়খি 'লাপ্পা লৈয়ু'বু মুমীং-য়ুংবী' সঙ্গদ'ই,
"মুমীং-য়ুংবী কৌবদি খণ্ডউ অতোন' শানিদো

মাগা তিন্নরুবদি চুম শাগৈ মাঙ্‌নিদো।”
ফনা থেম্মী মচাবু ফনা ভাঙ্‌ই য়া-ঙইদে ;
অপঙ্‌বদা পাউতাকপা পাউতাক মহয় য়াম্লদে।
তুংদা থোৱ্ল' য়াৱিব [illegible] উচুনা
বোধিসত্ত্ব থৌরাংখি চেনফম মঙ্গল [illegible]।
মতম খোঙ্‌লৈ মঙংহন চুম [illegible] চাউরক্লে ;
মাগা নম্ন-শাম্নবা নুমীৎ-[illegible] [illegible]
অসুম কুইন [illegible] [illegible] তারে খন্দুনা,
চুম শাগৈ হাংকে থনখ [illegible] দা হায়দুনা
নেংমা কানেন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] :
চুম ময়াম অমম্ভ কবুচে [illegible] [illegible]
চুম ফবা শিবারে [illegible] [illegible] [illegible] ;
নুমীৎ-[illegible] কৌবনা তাকখি [illegible] [illegible]—
চুম মথুল অমবু [illegible] [illegible]।
মাগী পাউতাক ম[illegible] [illegible] [illegible] [illegible],
চুম মথুল অাদুদ [illegible] [illegible] কা[illegible]খ।
মৈথু খা[illegible]-[illegible]দদুনা চুম [illegible] [illegible]খি।
[illegible]থোরকপা চুম [illegible] [illegible] [illegible] হাৎপনি।
লেংহৌ' থরা অদুন [illegible] [illegible] [illegible]কপা।
হৌদোক অমা নুং[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থোকপনি
খঙ্‌লদুনা বোধিসত্ত্ব [illegible] [illegible] লাউরা,—
“সঙ্গ ফও' তিল্লুবা পোলোই কবা তৌনদে ;
নুমীৎ-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible],
মহাকথক্ত [illegible] [illegible]! চুম [illegible] [illegible]দো” !
হায়রম্লগা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

জাতকী মৌজলে

৩৪

তৌবীমল খঙ্বা শামু

ব্রহ্মাদত্ত' কাশীদা পাল্লিঙৈগী মতমদা,
সহরদগী লাপ্তনা খুঙ্গঙ্ মচি অমদা,
উ-শুবা চানভাখক উপাক খায়মিন্নহুনা,
মফমহুদ লেরম্মী [illegible]ংন' উপাই থিহুনা।
নোংমা [illegible]বক শূরিগৈ শামু অমা শাফবা,
মখোং[illegible]হুদ [illegible]হুনা উচেৎ অমা শাংলবা
[illegible] [illegible] [illegible]। ময়াম অহু উহুনা।
য[illegible]বহু [illegible] [illegible]কি রে ময়াম্মা ;
[illegible] [illegible]কুং কুইদন শা[illegible] ফরে অনাবা।
[illegible] [illegible] ফ[illegible] [illegible]রে মখোয়' জেঙ্বাংবা।
উ-শুবা ময়াম্ম খর খরা খাইহুনা,
[illegible] মক-[illegible] লৈখি শামু হুক্তাইনা।
শা[illegible] অহু [illegible]জিক্তী অহল মতম ওইরক্লে ;
[illegible] মচা'মা [illegible]লবহু ময়ামদবু পুরক্লে।
[illegible]গী [illegible]চা পুঙ্ভেৎসে [illegible]বক শীজিন্নবিয়ু ;
[illegible] [illegible] [illegible] ময়াম' বিদায় পীবিয়ু।"
[illegible] [illegible] হা [illegible]' [illegible]' অহু থনয়্রে ;
[illegible] হুম্ব মপানি [illegible]নচৎ খঙ্লম্রে।
[illegible] [illegible]বম্ব লাচৎ শাজং ফজৈদো,
[illegible]বক [illegible]পু [illegible]বগা হুবেন্দা ঈরুজকইদো।
[illegible] [illegible] ম[illegible] দা অমাং-অশোয় তৌশিন্দে,

উমংদবু নত্তনা কদাইদস্থ শোয়হন্দে।
নো'মা অস্থুম থোক্লরে, মগী মথী অকংবা,
তুরেল চাউরক্লবদা য়াওখ্রে ঈশিংনা চেম্থবা।
নিংথৌ' শাম্মু শেনবনা ঈকবিগে হায়হ্নুনা,
নিংথৌ' শাম্মু চামতাবু লাক্লে তুরেন্দা পুন্থনা।
'হুবু শাম্মু ময়ামদো মগুণ লৈবা শা 'সৌগী
মথী-মনম তাবদা নিঙাই হৌখি মখোয়গী।
শাম্মু শেনবা চিংননা করিগীনো খন্থখি;
লাক্লবদা উমংদা শাম্মু মথী উরকখি।
খনখি, 'সৌননীদনা।" মতু খরা লৌরগা,
পাত্র 'মদা ইশিং-হাপ খরা নৈথায়শিল্লগা,
শাম্মুদবু চাইবদা শাম্মুশিংদো শেংখরে;
মতুংহ্নদা কুমহ্নুনা মখোয় ঈরুজখরে।
রাফম অসৌ তম্লরে নিংথৌদবু চত্তুনা;
শাম্মু ফানবা নিংথৌনা লাক্লে হি তোংহ্নুনা।
উ-শুবা ময়ামগা উনহ্নুনা ঙাঙনরে;
শাম্মু'ই মমল ওইনবু লুপা-শংবা পীনরে।
মরোয়-মনাউ মুংশিবা শাম্মু হন্না য়েংলম্মী;
মীংলু-তরঙ ঈহৌনা পিরাঙ শিন্থখিরম্মী।
অদু'ই মতুং অদুদা লাক্লে শাম্মু নিংথৌগা;
নিংথৌদস্থ শাম্মুদো পাংখক্লীদো মরূপকা।
নিংথৌনবু হাপখরে খোঙনেং-শাদোং ওইনবু;
মহাকথক্ত'ই ব্রহ্মদত্ত ওইখি রাজচক্রবর্ত্তীবু।
'হুবু কুইদে মুঙাইবা' মাগী মহারানীদা,।

জাজকী শৈরোল

বোধিসত্ব মীরোল্লম কাপ্পে নিংথৌ স্বর্গদা।
মতাংসীদা কোশল্যাগী নিংথৌদ্রুনা কাশীদা,
লানবু তাখি পীন্দনা শুদোংচাবা উবদা।
"মহারানী শক্লমদোরি অসী ফাওক্তং ঙাইবিরো
মচান্নুপা পোক্লবদি তরেৎনিদং পন্‌বিরো।
মথং নোংবু ঙানবদা লানবু তৌসি" হায়নয়ে;
ফজে, কোশল্য নিংথৌস্ম রাফম অসি মানয়ে।
মহারানী ইবেম্মা মচান্নুপা ফংজরে;
ফম্মাইবদি পুন্নমক লানগীদমক শেমশারে।
রাফম অসী শামুদা শিং-শিংনবু তমজখি;
পোক্ত-ভায়রি' অঙাংবু লাঞ্জিং পুরেল হাপচখি।
মপা শকপ শামুদা অঙাং অসী উৎপদা,
থৌজাল লক্‌বিখিদে নৌরিবদি অঙাংদা।
অসী' মতুং তাবদা শামু মদোম থোক্তুনা,
লানহৌরকপা নিংথৌবু মায়থী' পীখি তরাইনা।
নিংথৌনবু চাউদ্রি'ফাও' য়েক্ল-খুত্থম চনখিদো।
বোধিসত্ব চাউরগা নিংথৌ ওইনা পানখিদো।
মুংশি-চান্ন লৈঙাক্লম' প্রজা পুথা মুঙাইখি;
দান ধর্ম্ম তৌজমন লাইরম্নেনবু ফংজখি।

অয়োকপা শামু

ব্রহ্মাদত্ত নিংথৌনা পাল্লিরিবগী মতমদা,
বরানসী সহরদা ব্রাহ্মন শাগে অমদা,
ব্রাহ্মন মচা ওইহনা বোধিসত্ব পোকখী ;
মানা মীয়ায় চল্লকপা' ময়ুম থ দোকখিবখী।
হিমালয়গী লমদমদা লাইনাংবদু ওইহনা,
হিথাঙ্বদি চামঙাগী লমজিং-লুচিং তৌহনা,
পুন্সী লেনখি বোধিসত্ব ময়াম গী মরক্তা।
ইন্দপ্রস্থনগোত্তদি মমিং চংলি মবৈদা ;
শামু মচা অমবু লুংশি-চান্ন য়োকচখি।
বোধিসত্ব লৌশিংবা হন্না হন্না তাকপিখি ;
"তোঙু ফত্তে শামুদি চাউব মপু হাৎপনি,
মরমহনা নোরিবৈ থাদোকপনা ফবনি"
য়াবা লৈতে ওকন্দো থাব লৈতে শামুদো ;
চহী খরা লৈরগা শামু মচা চাউরেদে।
মথোক কাখৎলকপগী ঙাওখৎলকপা তাঞ্জানি ;
থাগী-লুংশিং' হুম্বদা শারিংহনবু হনবনি।
থুগায়-খোৎকায়, মাঙহনবা খোহনা নীংজিংনরক্কে,
মপু লাকপা চাইহনা তপথববু য়েক্কে।
উমংদবু লোৎলগা মপু লাকপা ঙাইরকই ;
মপু লাকপা উবদা চাওহনবু থোরকই।

জাওকী শৈয়োল

মনাতোম্না কোত্নুনা মপু অহু থাঙ্গৎলো',
লৈমায়-থক্তা য়েদ্নুনা মতৌ ধীনা হাত্তোক্লু,'
অঙাঙবগুম খোংহুনা চেনশিনখবে উনংদা।
পাউ অসী তমখবে বোধিসত্ব কৌবদ',
লৌশিংবনা হায়বকই পন্নকসী উদুনা,
"ফত্তবগী সঙ্গদি ঙনবা খেংবা খিরুন্নু;
হেক্তা-অদুম মফংই থাজদবা তৌরুন্নু।
তুংশিবগী লীপুংদই সঙ্গ তৌগে খল্লবা,
খল্লু মাবু সঙ্গ তৌ থম্মোই কৈবু খত্লবা।
অফ' মকপ কৌবদি অফ' ফগা ইবোইনৈ;
ফত্ত' সঙ্গ তৌগন্নু তুংদা মরূপ মাঙহনৈ।"
বোধিসত্ব লৌশিংবা মাগী মরোয়-মনাউদা
পাউতাক কয়া অফবা পীনখীদো মংখোয়দা॥

৩৬

খৈরোয় অমদি লিন

বরানসী সহরদা নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা,
পাল্লিরৈঙ্গী মতমদা পোকখি বোধিসত্বনা।
মচৈ-মশিং হৈরগা লাইনীংববু ওইদুনা,
লৈখি হিমালয়দবু পুন্সী ত্যাগপু তৌদুনা।
মান লৈবা 'হুরাইদা খৈরোয় অমা লৈরম্মী;

থোইদাক্লবু লাপ্লদ' লিন 'মস্থ লৈরম্মী।
মহৌশাগী-মহৌশা লিন খৈরোয় অনীদি,
খংনবনা মশিলনি উনরকপা কালদদি।
বোধিসত্ব লৌশিংবা তোয়না পাউতাক পীরম্মী:
খংনবগী ফত্তবা মখোয়দবু তাক্লম্মী।
নোংমা বোধিসত্বনা অসুম চংথোক্লকপদা,
উখি খৈরোয় তপ্লম্বা ময়া কাখং মকোন্দা।
"করিগীনো?" হংবদা খুমখি খৈরোয় অতুনা,
"ইপা ও! লৌশিংবা, নঙগী পাউতাক তুংইন্নু,
কাউখৎবদো ঐহাকনা য়েকন পাংগা পাংনগী;
'হুবু থাবা ওমজদে চিংনবদি মহাক্কা:
কৈদৌনু দা য়েকন'বু তক্কচবা তৌফদে;
করি নোংদা মক্লপ্প থাজবস্থ থম্ফদে।
কিদবদই তৌবকপা অকিবদি কৌবনা,
মংড্রহন তুমহন-তাকহল্লি থবক পুম্বা মতুনা।"
বোধিসত্ব লাইনিংবা হায়খি খৈরোয় য়েংতুনা,
"হায়রবনি লিন্দস্থ তাখীনমু হায়ছুনা;
নরম সান খৈরোয় ও! মাবু চিংন তৌরমু;
ফত্ত-য়াংলা মক্লপ্তা অমুক হল্লা খল্লমু।"
বোধিসত্ব লৌশিংবা পাউতাক কয়া পীবিখি।
অচুম' চৎপা মখেনা শির' স্বর্গ কাজখি।

৩৭

মখোজেন্না শক্তাকচবা লমহুয়

মংপোক অমা বোধিসত্ব নোংশা ওইনা পোক্লম্মী;
নোংশাশিংগী নিংথৌনি ব্রা ন-খোইনা পাল্লম্মী।
মাগী মকোল ময়াদা অতোপ' শুক' অমদা,
লমহুয অমা লৈবম্মী মকোল অন'ই মনুংদা।
নোংম' নোংশা ময়াম্না নোংশা-নিংথৌ থোক্লান্দা,
নোক্ক খেনা শান্নখি হবাউ তযাম খুৎখোংদা।
নোংশা খোংগুল তাবদা লমহুৎহুম্ন খোংলম্মী,
লমহুয মখেল তাবদা নোংশা ইকাইনরম্মী;
কিরুক-কিরুক-যেংনর' ভূমিন ভূমিন লৈনখি।
বোধিসত্ব'ই মচানা মপাদবু হংজখি,—
"মখোঞ্জেলবু তাবদা ময়াম' ইকাইরহুনা
ভূমিন-ভূমিন লৈনবা কবম্বনো শাসীনা?
হুংনা লাকপা মখোলনা তল্লা-পামেল নীকহনবা,
কবিগীনো মহাকপু 'চণ্ডলকউ'বু হায়ত্রিবা?
শানীংথোনা হায়রকখি মচা'ই মরা তাবদা,—
"শা ময়াম নবক্ত'হ মাগুম' লৈতে তোনবদা
মিংনা 'লমহুয়' কৌবনি নোংশাশিংনা তাথীবা
মানা খোংবদগীনি ময়াম' ভূমিন লৈরিবা।"

নাম্ম-তা শিংবা য়োং

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌগী য়েৎ-থঙ' পাংথোম ওইহুনা,
বোধিসত্ব লৈরম্মী পাওমেন-পাউতাক তৌহুনা।
মতমসিদা ঙমখৈদা ঈবাং অনা তৌরকখি;
মহু নমথনবগী লাম্মী ময়াম খোমজীনখি।
লাম্মীশিংনা শগোলগী পীজনবা হায়রহুনা,
থমখি হন্নাই খরবু খুদেংদবু হাপ্পুনা।
য়োংজাউ অমা উদগী কুমথরগা চঙলকখি,
হন্নাই খুবাম পায়রগা অমুক উদা কাখৎখি।
উশাদবু ফম্লগা হন্নাই অম্লুম চাবদা,
মখুত্তগী অমথক তাখি লৈবাক নখাদা।
মক্ত ময়াম মখুত্তা পায়রম্বহু থাদোক্লে,
তাখিবহু খুমবা উথত্তগী কুম্লক্লে।
হন্না অমা তাখিবা 'হুম্মু খিবা ফংদরে;
হৌজিক য়োংহু কনদোরি অতৈহুম্মু মাঙজরে।
বোধিসত্ব কৌবস্থ নিংথৌগবু লোয়নননা,
তৌরিবহু উরম্মী অপঙবদি য়োংজাউনা।
ভাইহাক লৈর' নিংথৌনা লৌশিংবদা হংলকই,
"য়োংগী মতৌ উবদা, মরূপ, করি থল্লকই?"
বোধিসত্ব' খুল্লকই, "মুম্না হেক-হেক তৌগল্লি,

মান্ম-তা শিংবা অপঙ্বা পোৎমাঙ্ লোম্ন' য়াগল্লি
অসীনিদো ইনীংথৌ ভৌরিবস্নু ঐখোয়না ;
খিত্তুং ফংন' হোৎনরি ইরল ময়াম তিংহ্নুনা।
মীরল-মীকাক্নবগী পৃকয়-লঙ্গৈ হূমদৌরি,
কল্লক-চাউবা য়োংগুম্না লোইনা পৃম্মাঙ্ মাঙ্দৌরি
ৱাফমসিদা নিংথৌদো বরানসী পাংখরে ;
য়েক্নবব্ ওক্নবা চাক্লেন্ অমা লাঙ্খৎবে।
লানহৌম্নকপা ময়ামত্ নিংথৌ' মপাউ তাবদা,
ত্মিন-তমিন হম্নখি মাগী মাগী মরমদা।

৩৯

চাংদম্মিঙাই লৈত্রবা লীকাম্না

কাশী নিংথৌ ব্রহ্মদত্ত'ই মচা নুপা ওইহ্নুনা,
পোকখি বোধিসত্বনা 'যুবরাজ অথোইব।' কৌহ্নুনা
মানা চৎপা হৈয়কপা মনাউ অমা পোকপনি ;
মনাউ-হূগী মমিংনা ব্রহ্মদত্ত কৌবনি।
বোধিসত্ব অথোইবা গুণ খিবিক্না লৈতেংবা,
টক্ষশীলাদা চত্তুনা তমখি মহৈ নৈঙ্খোনবা।
লীকাম্নদা বোধিসত্ব চাংদম্মিঙাই লৈখিদে ;
য়ুমদা হল্লক্নবদা নিংথৌ ওইবা পামখিদে।

মরম'তুনা মপানা শিরমদাইগী মতমদা,
পীখি নিংথৌ খুবম্ব ব্রহ্মদত্ত মনাউদা।
নোংমা মনাউ নিংথৌদা কনাগুম্বা খরনা,
"নম্বাম্বনা নিংথৌবু ওইনিংবনি," হায়দুনা,
নত্ত-ওইদ' মপাউবু লেন্না চীন্না তম্মখি;
'তুনা ময়াম্বা কানবা পোরম-পোমীৎ শীন্নমখি।
পাউনিংখোনসী তাবদা বোধিসত্ব অখোইবা,
মরৈবাকপু থাদোক্লন য়ৌখি লৈবাক অতে'প্পা।
লৈবাক্তুগী নিংথৌনা লীকাপ্পা ওইনা মহাকপু;
থবক অমা হাপ্লিখি তলব যাম্না পীনবু।
মসী উবা-মক্তদা অতৈ লীকাপ্পা ময়াম্না,
বল্লক—কপ্পাউনবকখি 'হাকমল্লী'বু হায়দুনা।
নোংমা অম্মুম নিংথৌদো হৈকোন্দবু লাকপদা,
হৈনৌ চবো' মুল্লম্বা উখি উথক অমদা।
কাহনবম্ব রাংমল্লি করি তৌনি খল্লম্মী;
লীক'প্প ময়াম কৌরপা 'হৈনৌ ককউ' হাল্লম্মী।
ময়াম্নবু হায়জখি, ".নৌনা লাকপা লীকাপ্পা,
মাগী চাংবু য়েংবিয়ু," য়াখি নিংথৌ হায়জবা।
কৌখি বোধিসত্ববু তেন্না হৈনৌ হেক্লবা;
লৌশিংবনা য়াগরে উৎকে খনখি অহৈবা।
কীজত, অমা শল্লগা মফি-মরোল হোংদোক্লে;
কোক্তা কোয়েৎ য়েৎশিল্লে ফিগাং অমা শেৎচিল্লে।
খাড়দা খাঙলাক লাকশিল্লে থাঙ অমা য়ানশিল্লে;
ফিথক-ফুরীৎ-শাইগকপা মথক্তবু লীৎশিল্লে।

জাতকী মৈমলেল

ঐজঙ, তপ্পা হাইদোক্ল' থোরকপবু করিনো।
নাগ নিংথৌ পাম্বক্সি অরাংপবু কৈদনো।
নিংথৌদবু খুরুমজ লোনচৎ-শাজং ফজনা,
"হৈ-'কক্ করম কক্চৌগে ?" হংজখিদা নোঙ্গনা।
নিংথৌনবু তাকপিরে নহৈয়েংগে হায়দুনা,
"তেন্না হাইথরক্লগা কক্উ হৈনৌ," অস্নুমাং
'দুদৈ হেনবা তৌথরে চাংদম্নিঙাই লৈত্রবা।
কাপথৎখিবা তেন্দুনা শাফুবুদি কম্লবা,
থারম্নগা মথোক্তা রাংনা-শান্না পাইথৎখি;
'তিম্ন লৈরোল মম্নিবু মীৎনা কুপ্তা ফাওদোকখি।
মচু'ই মথোল মক্তনা ভাবুকশিংহু নীকপনি;
নোংমৈ শীংজঙ তারকপা অচুগবু পাম্বক্সি।
শরক্লদা লীকাম্না তেনবু অমা কাপথৎখি;
কেল্লক্লবা হৈনৌদো লম্মথাঙদা ওকচখি।
হাইথরকপা রাংলেন্দা তেনস্নু হৈস্নু অনীবু,
মথুৎ-নীনা 'মমন-ওকা তাহন্দনা লৈবাকপু,
হৈনৌ অচু লীকাম্না মনীংথোদা কৎচখি।
মহৈ অসী উবদা ময়াম পুম্বা ওক্লখি;
মনা মথুম কয়ানি লীকাম্ননা কংখিবা;
তরেৎ-শেঙ্গা লক্তানি ময়াম্নবু থাখিবা।
অস্নুম তৌনা লমচুদা লৈরিঙৈগী মত্মদা,
নিংথৌ তরেৎনা লান্দাখি মনাউ মুপা'ই লৈবাক্তা।
মনাউ নিংথৌ অচুনা ময়াম্ববু খিরক্লে;
লান্দারকপ'ঈ রাফমু ময়াম্বদা থঙহল্লে।

ময়াম্বনা হায়রকই, "করিমত্তা কিরম্নু;
ইয়াম্বনা লৈরিঙৈ ইনাউ শিনি খল্লুনু।"
ব্রাফম অসী হায়রগা চিঠী অমা ইদুনা
নিংথৌ তরেৎ অদুদা থাখি বোধিসত্ত্বনা
তেন অমা কাপ্তুনা চিঠী অদু থাবদা,
নিংথৌ তরেৎ পুন্না-চাবা সনা'ই প্রথম ময়ায়দা,
চিঠী পুবা তেন অদু 'তক' লাউনা য়ুংলমখি;
চিঠী মরোল তাবদা নিংথৌশিংদু কিরমখি।
থুনা য়াঙ্না মখোয়দো মফমদুদ'ই চেনখরে;
মনাউ সুপা নিংথৌদো অকি-তুজুং কোকখরে।
বোধিসত্ত্ব থোইথোইবা মিহৌ লাংবু থাদোক্লম,
য়াইফ খবক তৌদুনা কংখি ঈশ্বর-মরমদম।

৪০

মিত্রংগী ললথুম

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিঙৈগী মতমদা,
ব্রাহ্মণ মচা মরিখক লৈরম্মীদো কাশীদা।
মচীল মনাউ মরি'দি য়ুক্কাল-পুন্সী থা-দুনা,
হিমালয়দা লৈখিদো লম্বোইবনু ওইদুনা।

জাতকী শৈরোল

ময়াম্বা-অহল শিখিবা সাকা লাইবু ওল্লকখি ;
মনাউ অহুম তেঙ্বাংগে তাইবংপান্দা কূম্লকখি !
মনাউ অহল অছুদা চংলছুনা হংবদা,
"ফীরাক-তাবী লায়নানা নাম্নি 'ছুনা মৈ পাম্মী,"
হায়রকপদা সাকানা মৈথোক-শীংজঙ্ পীরম্মী।
শীংজঙ্ অছু মিত্রংগী থূংনা শোক্ল' হায়বদা,
খিরুগনি শীংজাম্মু হৌনি মৈস্সু মংোমত্তা।
মথং তাবা মনাউদা চোন অমা পীরগা,
হায়খি, "য়েংউ ইবুঙো, নাকল শোমদা য়ৈরগা,
য়ৈখায়--থিঙ্গায় পীরিবা শামুছুত্তা নত্তনা,
য়েক্ল' পূম্বা চেনখিনি ; 'শোমদা য়ৈরুরগনা
মীপূম খূদীং নহাক্কী মরূপ ওইনা লাক্কনি "।
মনাউ ইতোন তোনব'ইশু ফীরাক-তাবী লায়নানিং
'শঙ্গোম অকম্বা পীযু'-বু হায়রক্লবা মতমদা,
শঙ্গোম-খূজাই পীরগা নারিবদি মনাউদা,
অস্নুম্নবু হায়রকখি,—"করিগুম্বা নহাক্লা,
খুজাই অসী হৈদোক্ল' চেন্নি তুরেল ঈশিংনা ;
মফম পূম্বা ঈশিং-থূম ছম্নি লৈবাক জয়-তেবা !"
অসী-হায়র' চংখয়ে সাকা লাইদি-পুকফবা।
মতম অসীরাইদবু খুন্তাক্লর' খূঙ্গঙ্দা,
লমওক অমা লৈরম্মী উমং-মচি অমদা।
মঙাল নাইর' মণিমা লমওক্লুগী লৈরম্মী ;
মছু মিত্রংমণিনি শক্তি য়াম্না লৈরম্মী।
মণি অছু মচীন্দা উমশিল্লগা লমওক্কো,

পাইনীং মফম' পাইখিনি ভুমদববু লৈহেদো।
'সুম্না নোংমা পাইত্নুনা ঈথৎ অমা য়োখৱে;
ইথত্তুদা মতোমত্তা কনা খঙ্দ' লৈখৱে।
নোংমা মানা তুম্নশ্মী থৈবোঙ্-উখা অমদা;
ময়াদগী মণিদো এথোক্লগা লৈমায়দা।
নুপা অমা কাশীগী-য়ুমদ'ই তাম্বোরক্লগা,
হিবু কায়বা য়াওত্নুনা ঈথত্তুদা লৈরগা,
চীঙ্গাক থিবা লাকপদা উখি মতৌ লাঙেঙান্দু;
তুমিন চঙ্শিল্লক্লগা লৌরে লোম্না মণিত্নু।
পাইখৎলগা 'তিয়াদা হৈবোংত্নদা ফম্লখি;
পাইবা ভম্বা মণিগী মগুণ মানা খঙ্লকখি।
লমওক অত্নু হাংকে-নীং উশা অমা থেক্লগা,
মকোক্তবু থাবদা লমওক হৌগৎলক্লগা,
মণি অত্নু য়েংবদা লৈরমদবা উরকখি;
কোয়না—চেন্না থিববু অরেম্বদা তারমখি।
নুপাত্নুনা উথক্ত'ই হেন—খেনা নোকপদা,
চোংশিন-চোংশিন থেংলশ্মী মকোক অত্নু উখোংদা;
অম্নুম তৌনা থেংবদা লমওক মতোম' শিজখি।
লমওক অশবত্নুবু নুপাত্নুনা চাথোকখি।
মতৌ লাঙেঙান অম্নুম্না মণিত্নুগী মতেংনা,
নুপা অত্নু পাইরকখি হিমালয়বু কান্দুনা।
লধোই' শিংনা লৈরিত্নু মথক্তগী উবদা,
কুমথরক্লে নুপাত্নু থুংখ্রে লম্বোই' ময়ুমদা।
মৈথোক-শাংজঙ্ মগুণবু উক্লবদা পামত্নুনা,

লম্বোইবদু হাম্বোক্রম চৎখ্রে, শীংজঙ্ পুদ্না।
অসুম তৌনা লম্বোই'বী মথং মথং হাত্তুনা,
লাকখি মুপা-চালাকী বরানসী সহরদা।
বরানসী য়ৌরগা শীংনরকখি নিংথৌদা;
শাউরদুনা নিংথৌনা লাম্মী ময়াম থারকপা,
মিক্রুং—খুংলাই ময়াম্মা ঙমখি শীবা মায়থীবা।
নিংথৌবুস্থ হাম্বোক্র' দধিবাহন কৌদুনা,
ওইখি নিংথৌ কাশীগী য়েক্লা খুত্তম চন্দুনা।
নোংমা দধিবাহন্না ড্রুম কাঙ্বু লোয়ননা,
তুরেন্দা ঈনবু থাদুনা লেনখি মতম মুন্ডাইনা।
কাম্নমুণ্ড-পাত্তগী তাউথরকপা হৈনৌনা,
ড্রুম অম'হ ঈল্লাংদা চঙ্খি উহৈ অদুনা।
লাইতনা চাগদৌবা হৈনৌ অদু নিংথৌদা,
ঙা-ফাবনা কৎচখি মগুণ অদু উবদা।
মতোং চার নিংথৌনা মন্না অদু থাজিল্লে;
মকাদগী হৌরকপা উনা উপাল কাম্নক্লে।
লাইমক্লি খন্দুনা উ অদুবু ঙাকশেনখি;
পূজা—লংজা তোদুনা শেংনা লূনা থমজখি।
মহয় অদু পাল্লগা মুল্লক্লবা মতমদা,
খুদোল ওইনা থারম্মী যুম্নোম্নব। নিংথৌদা।
থ।বা হৌদননবা মন্না মতোন চোংফমদা,
তিংথং 'মমম য়ুংশিনখি খুদোল তম্বা মতমদা।
নিংথৌ অমা প্রুক-ফত্ত' থাখি মালি-অমবু
দধি বাহন' হৈকোন্দা মাঙ্হম্নবা-হৈদ্বু।

মাঙি অদু'ই থৌশিন্দ'ই অদুক হাউবা হৈনৌদো,
মতম খরা লৈরগা খাবনবু লোইরেদো ।
নিংথৌ থরায় রাখরে খনবদবু মমখরে
বোধিসত্ত লৌশিংবদা চত্নবু হংখরে ।
লৌশিংবনা হায়রকই, "নিংথৌরেল, ও! য়াইফবা!
নঙগী হৈকোল অসিদা চঙলে মীরাল ফত্রবা।
হৈনৌসীগী মনাক্তা নীম পাম্বী থাজিল্লে;
নীম মহী অথাবা হৈনৌদবু চঙখরে ।
মতৌ অসীমক্তনা হৈনৌ অতু খাবনি;
ফত্ত-সঙ্গ তৌবদ'ই অফবস্নু মাঙবনি ।"
চত্তুনবু য়েংবদা ফীবমতুমক ওইরম্লে;
হৈনৌদগী 'কোয়বদা নীম ভাক্তা হৌরম্লে ।
নিংথৌ মীনাইশিংদদা বোধিসত্ব কৌবনা,
নীম-পাম্বী ফক্তোকহন মরু-মরা লোয়ননা,
হার ফত্ত' লৌথোকহন অনৌবনা শিল্লহল্লে ।
ঈশিং মনম মুংশিবা মখোঙদদা চাইহল্লে;
হান্ন'ই মালী অতুবু হৈকোল অতু শঙহল্লে।
মতৌ অসুম তৌবদ'ই হৈ অতু ফরকখি;
থৌদাং নীংথি' পাঙথোক্রম নিংথৌ স্বর্গ ফংজখি।

জাতকী পৈরোল

৪১

নোংশা মউল উপ্পা গধা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিরিবগী মতমদা,
পোকখি বোধিসত্বনা লৌউবগী মপোক্তা।
মতম অসীরাইদবু লল্লোনব 'মা লৈরম্মী;
মানা গধা মথক্তা লল্লোনপোংপু পুবম্মী।
'মহু কোয়না হায়গা ফংলকপা শেন্দোং অদুনা,
মযুম-মকৈ কোইদুনা লেনখি পুন্সী স্নঙাইনা।
মানা চংপা খুদীংদা গধা'ই মপোৎ থাংথনি;
নোংশা মউল 'উপ্পির' লৌবুক্তবু থাদোক'নি।
লৌ াকপশিং উরগা নোংশা লাক্লে হায়হুনা,
মনাক্তবু চঙ্ঙল্লোই চাখিগনি কিহুনা।
নোংমম্থনি লল্লোনবা মাগী চান' থোংলিরিঙে,
লৌবুক-লম্মাং অমদা পন্দূনবু লৈরিরিঙে,
গধা অহু থাদোকখি নোংশা মউল-উপ্পির।
লৌঙাকপনা নোংশানি খল্লহুনা কিজম,
খুল্লক্তবু চেল্লগা চেনখি পাউবু খুঙ্গাদা।
খুঙ্গাশিংনা চৈতূপ-পায় ধমকা-ধমকী ভৌবদা,
গধা অহু পাখৎনা হীঃ হোঃ খোংখিদো।
খঙ্লবদা গধানি বোধিসত্বনা হায়খিদো,
"নোংশা হায়র' নত্তবা কৈ হায়র' ওইদবা!
কবো কৈ-ফাও' নত্তবা! নোংশা মউল-উপ্লবা!

গধা'ই-গধা-মওইবা, থায়ন'ই গধা-অপঙ্বা !
ময়াম চঙ্না ফুবদা শক্ন পুম্বা তেক্লবা,
গধা অদু উবদা লল্লোনবনা হায়খিদো,
"খরা শিংজরম্মবা কুইনা চাজরম্মিদো
খোংলুবনা হী: হো: চৈবু থীনা চারেদো।
কন্না ফ্মনখিবনা গধা অদু শিখরে;
অশিবদু হুন্দোক্লম' লল্লোনবদু চৎখরে।

৪২

শগোল চুপ্পী লাকপা পুরীৎ

কাশীদবু পাল্লম্বা ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা,
শিরবদা অদুগী বোধিসত্ব মচানা,
নিংথৌ ওইখি মতুংদা বরানসী সহরদা।
রুহাকদি কৌরবা মাগী ব্রাহ্মণ পুরীত্তা
নোংমা বোধিসত্বনা শগোল অমা পীখিদা।
চুং--ফীরাল চারবা নীংখিজেদা শগোন্দো।
চুপ্পী-য়াচল, শাবলকা অমত্তবু য়াত্তেদো।
উবত্তদা শগোন্দো থাগৎনখি মীয়াম্না ;

জাতকী পৈরোল

"কয়া ফজত্রবনো ! অমত্তবু ব্রাত্তেনা !"
পাউ অসী তাবদা হায়খি মাগী মুপীনা;
"শগোলবু নত্তে থাগংপা মাগী পোংনপ্তবুনি;
লাকউ নঙোন্দা লোইনবা হেন্না থাগংনগনি।
শগোন্দৌনা চোংদোনি শগোন্দৌনা চত্তৌনি ;
খোংবা লাকপা কামথোকপা শগোলদা-শগোল ওইদৌনি"
ব্রাহ্মণ পূরীং অপঙ্‌বা চুম্নবোইদি নীংহুনা,
কাখ্রে নিংথৌ' কোম্নুংদা শগোল চুপ্নী লাক্লুনা।
অউবনা নোকখরে; 'ঙাওরে' খল্লে নিংথৌনা।
ইকাই--খোয়শাউনখবে ব্রাহ্মণ পূরীং অহন্দো ;
বোধিসত্ব লৌশিংবা খঙ্‌লে ব্রারম পুম্বদো।
হায়খি থোংনা নৌনবু—"ব্রারৈবিম্নু গুরুবু ;
অরান' লক্ষা কোটিনি মুপী কৌবা জাত্তুবু
অতেক-লীরুং শম্বগুম নেমথবিরো অশাউবা।"
য়াবা কৌবা লৈখিদে পুরীং অত্থু থেমজিনবা ;
"অতেক' লীরুং শম্বদ'ই অহনবনা কাম্নরে।"
হায়না মুপী থাইনর' অনৌ' অমা থিখরে।

তৌবীমল খুঙঙ্গবা দণ্ডি পীবা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌগী মচা তরেৎ লৈরম্মী ;
বোধিসত্ব অহন্নি মখাদা তরুক তারম্মী।
মচীল মনাউ তরেৎনা চাউররুবা মতমদা,
মাবু হাৎখিগদরা চিংনৈ নিংথৌ পুক্লীংদা।
মরম'হুনা নিংথৌনা তাম্থোরক্লে মখোয়বু ;
মুপী মুপী পুত্থনা লাক্লে উমংকোয়নবু।
চানিঙাইবু লৈরক্ত মুপী তরুক হাত্থুনা ;
মথং মথং চারকপা বোধিসত্ব কৌবনা,
খরা খরা থমজিনখি মতৌ মনাউ শরুক্ত'ই ;
মত্থ পুথোকচত্থনা কনখি মুপী শিবদ'ই।
নোংমা অহিং অথেঙবা মনাউশিংনা তুম্লিভৈ,
বোধিসত্ব, মুপীগা চেনখি তাঙ্গা ফংলিভৈ।
খোরাংবনা চরমফুন ঈশিং থক্লে হায়রকপা;
থূকউ থাঙনা লেল্লগা মুপীদবু পীথকপা,
অরা কয়া থাঙমিন্ন মথং মথং লাকপনি ;
থৌজাল--নোংজু ওইত্থনা বোধিসত্ব চুবনি।
নোংমা তুরেল মমুংদ'ই-মুপা অমা খুল্লকখি;
বোধিসত্ব চুমচৎপা মাবু লায়কল্লরকখি।
মিতম্বান্দো মতুংদা মাগী মুপী'ই মরুম্বী,
ওইখি চৎখি শারমচৎ অত্থক থাজ' লৈরম্বী।

জাতকী শৈরোল

মরাহুৰু হাংকেথন নত্ত-ওইদ' হায়ভিল্লে;
য়াইফনবা চৌংনিংথৌ খুরুমসীবু তকশিল্লে।
বোধিসত্ত চুমচৎপা করি খনবা তৌদনা,
ইনখি হায়ৰা মুপীনা চিংনববু লৈতনা।
চৌংচেপ্তবু লেপহল্ল' মাগী মুপী লৌখিবা,
মুপা'ই তুংদা-খুরুম'শা লমকেৎনবী ওক্তবী,
মুপাহুৰ ইন্থখি খঙহৌদনা চৌংখাদা।
মচেঙ লৈবা বোধিসত্ত থৈবোঙদবু পন্দুনা,
থরায় মঙা হিংজখি করি থোহদোক' তোদনা।
থৈবোঙছুদা চাক্তাৰা লিন নিংথৌ অমগা,
মরূপ ওইবা ফংজখি নাগ নিংথৌ অত্থগা;
লিন নিংথৌ মতেংদ'ই বরানসা য়োরকখি;
মপা শির' মতুংদা মানা নিংথৌ ওইবকখি।
অশোমদনা কমদৌরি মাগী মুপা ওক্তবা,
মকম্বীদি অনাবা পুরহুনা ফত্তবী,
শেলবু কোয়নি নিহুনা থাকখি মুপা অহুবু;
ময়ামদদি মালহল্লি মরা নৌংবা মংতৌবু।
দান ধর্ম্ম তৌরিব' বরানসী নিংথৌগী,
মপাউবুদি তাৰদা দানবু লৌকনবগী,
থুম্মোক অম'ই মনুংদা মরুম্বীহু হাপচিল্ল'
লাক্রে লমচৎ-নাইদবী কোক্তা থুম্মোক থোঙ্গৎল'।
অস্থম অস্থুম লাকপন নিংথৌগবু উনখি;
মুপীনদি খঙলমদে নিংথৌনদি শকখঙখি।
অশাউ থান্বী মৈরায়না ওক্তবীহু চৈরকখি;
দান পীৰা হায়রুন্থ মরৈবাক্ত'ই তাম্থোকখি।

হেলোয়গী সহর

সিংহল ঈথং মনুংদা সিরিসাভাটঠু হায়বা,
মফম অমা লৈরন্মী 'হলোয়শিংনা খুন্দাবা।
জহাজ অমা কায়বদা মথোয় ময়াম লাক্কনি;
ফিজেৎ-লৈতেং তৌরগা চাক ইনশাং থেল্লনি।
মীয়াম তাবা মফম্নি নীংননবা হায়তুনা,
লৌমী-শিন্মী--শল্লোকপু মফম খূদী' উহল্লা,
লৌনম-লাংবু থাক্কনি শানৈ-য়ুনৈহনগনি;
নুপী 'ইবী' হৌনবী থোৎনা-নৌনা থেনগনি।
মমৈথঙ্দা মমুমদা পুরক্লগা নুপাশিং,
মথোয়' নুপা ওইগনি য়াদ' ভল্লোই অপঙ্শিং।
অনৌবা অমুক লাক দা হান্না ফাবা কাঙ্বুদো,'
হেলোয়' মিত্রং শক্তিনা পুনশিল্লগা মশাদো,
অরাফমদা থমগনি লাক্ক' য়াবা লাক্কনি।
'মন্না অরা' তাগিবা মীওই কয়া কয়ানি;
কয়া 'মনা হেলোয়গী খয়াত্তবু চঙ্খিদো।
কনাগুম্বা লুচিংবা মহাক্কনা শঙ্খিদো;
'নুপীশিংদো হেলোয়নি মথোয় বাবা তারনি;
'চেলহৌরসি' হায়তুনা ময়ামদবু হৌবনি।
মথোয় চামঙা'ই মনুংদা তংখায় অমা য়াখিদে;
অয়াবা তংখায় অচুদি অমুক পম্বরমখিদে।

জাতকী শৈরে

মতম অসীমক্তদা বোধিসত্ব কৌবদো,
পোকখি শগোল' মপোক্তা য়াইফ-থোইৰা মহাক্তো
মশা পুম্বা পুমঙোনি মচীন কাকচীন মানবনি ;
নাপীদৌনা মতুম্ন শোংনা পৌনা চৌবনি ।
লাইগী শক্তি লৈদুনা পাইবা ওম্মী মুংশিত্তা ;
হিমালয়দ'ই পাইদুনা য়ৌখি সিংহল লমদমদা।
মফমদুদা পল্লিডৈ নাপী-শীংনা চাদুনা,
হংখি, "কনা চংনীংবা ?" থৌজাল হৈবা উত্তুনা ।
উপাই লৈত্র' মথোয়দো মনঙন্দা তোংহনখি ;
মখূৎ লোম্ন' লেপ্লম্বা মথোয়বুম্ন য়াওহনখি।
লৈবাক—লৈবাক য়ৌনবা লোইনা থিঙ্জিনবিরম্মী ;
'তুগা অমুক হন্নবু হিমালয়দা পাইরম্মী।
অনৌবা কাওবু লাকপদা হান্ন'ই চনীয়াখিদো
হেলোয়শিংনা চাথোকখি মুত্তাইথোকপা মথোয়দো।

জাতকী শৈরোল

৪৫

অরোন-অথ্‌প হায়দোক্লবা তেনরা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিরৈদা কাশীদা ;
বোধিসত্ব তেনরা-ওই পোকখি মপোক অমদা ।
মাগী মনাউ অমনে মখোয় অনী পোকপনি ;
রাধা, পোথাপাদ 'সুম্না মিঙ্গৌনবনি ।
মখোয় অনী পীক্লিরৈ শাদানবনা ফারকখি ;
'তুগা ব্রাহ্মণ অমদা য়োক্লনব শিন্নখি
ব্রাহ্মন্দুনা অনীদো মচাগুম্না মুংশিজ্জৈ ;
প্‌কফত্তবী ব্রাহ্মণী মহাক্তদি মশাজৈ ।
চথোক্লনবা ব্রাহ্মন্না হায়খি মখোয় অনীদা,
"শমু--পাঙ্গল-চাউদ্রিবা ! নখোয় অনী তাবোদা ;
ইপা লংফৈ-চংলুগে নখোয় য়ুম্বু শঙ্‌ম্মু ;
নমা'ই শাজং করিনো অরোন অথুপ-য়ে'লম্মু ।"
নুপা-হেক চংখিবগা হৌরে নুপী হেঙ্ডোবা
মরোল নাইনা নুপা-থম লেপ্তে নত্ত-শাজংপা।
মতৌ অসী উবদা পোথাপাদ মনাউনা,
"য়াম্বুং নুঙাইতরেদা তৌরিবসে ইনানা !
তৌনু ফত্তে হায়ত্নুনা হায়রগেদো মঙোন্দা ।"
হায়রম্লগা থাম্বকা করি থোইনা নাচুংদা
হায়রুবদা মমাদা, লোনচং-লোম্নাইদবীনা,
মগুক লৈথং-লৈরগুদা হাংখ্রে ছত্তিল্লত্নুনা ।

আতক্কী শৈরোল

মুপাহনা হয়রক্' মুপী' লমচং হংলকই ;
বোধিসত্ত্ব লৌশিংবা ঙংনা-তপ্না খুমকই,
"য়াইফরোইদ' য়াকমু অশিংবনা ভাঙ্নদে ;
মহু ভাঙ্লুবদ'ইনি ইনাও শিবা ; ফুভাইতে।
অচুম্ববু ভাঙ্লবা ইনাও' নশা ফংগনি,
নখোয় অনী মরক্তা ঐদি কাক-লান ওইরনি।
অসী-হায়র' লৌশিংবা পীরম্লগা বিদায়বু,
পাইখি হুাঙ্ল' নোংদোন্দা উমং মায়কৈ-তম্রবু।

৪৬

মপুরোইবা খনবা

ব্রাহ্মণ অম'হ মচাদি মুপী মরি লৈরম্মী ;
অথং নথং মখোয়হ্ পাখংশিংনা কোয়রম্মী।
ব্রাহ্মণ অহু চময়ৈ কনাদবু থাজনি ;
খনকম--খঙ্লক্লবদা ভানববু চংপামি।
বোধিসত্ত্বই মজাক্তা লাক্লে ব্রাহ্মণ অহন্দো ;
করম্বদা থাজনি হংজরিনে য়াহংলো,
"পাখংশিংদো অমনা কৈ' মতীক লৈবনি ;

পৃকচেল চাউই অমনা, শকহেনবস্থ অমনি
মথংতুনা অহন্নি ; 'সুম্না হায়বক্লবদা,
বোধিসত্ব লৌশিংবা হায়খি ব্রাহ্মণ অহন্দা,
"ফজসনু মশকস্থ মতীক--মগুণ লৈসনু ;
ধর্ম্মনবু লৈত্রবা কন-য়াম্না কসনু ;
তৃক্কৎচনিঙাইনিদো মগুণ অতুক য়াম্বদো ;
ধর্ম্ম লৈবা পাখংদা থাজো-মখোয় ময়ামদো
ব্রাহ্মণ অহল অতুনা ব্রাফম অসি তাবদা
মচাশিংদো থাজখি ধর্ম্ম লৈবা মখোয়দা।

৪৭

অপঙবা ক্লাক

মপোক অমা বোধিসত্ব ভিক্লাক কাকপু ওইহুনা,
লৈখি পুখ্রী অমদা মচীঙ্গাকপু থিহুনা।
মতম অমা কাশীদা থোকখি থীনা চাক্কাঙবা,
কনা'মত্তা গুমদে অরেম-অপা হন্দোকপা।
মরমসীনা থুঙ্গঙ্গী কাক হায়বা ময়ামদো,
থাদোক্লগা মরমদম উমংদবু লাক্লেদো।

সাভিংঠাকা কৌরবা ক্বাক মতৈ-মনাউদো,
ভিরাকনা লৈরিবা পুখ্রীহুদা লাক্লেদো।
নৌনা খুন্দারক্কপনি খঙ্দে করম ঙা-ফাবা;
কুপ্না য়েংই ভিরাক'ই মতৌ অহু অঙকপা।
মৌনাই ওইখি সাভিত্তঠাকা ভিবাক দি মপুগী;
ক্বারকপা ঙা অহুদ'ই থুংবী শরুক মহাক্কী।
অস্তুম তৌনা ক্বাক--তানী লেঙ্করকই হুংঙাইনা।
মতম থরা লৈরগা থনখি সাভিত্তঠাকানা,
"ক্বাক্কী-ক্বাক অঙ্গানি করিদনো খেম্নবা!
মানা ফাবা চানৈংদে ঐস্ন ঙম্মি ঙা-ফাবা।"
"ননাং নত্তে তৌগনু;" খামজে ভিরাক কৌবনা।
য়াবা লৈত্তে ঙক্কন্দো; অকল-অরীং শাংতুনা,
ঈশিংদবু চোংথর' 'চুপ' লাউনা লূপথরে;
ফাওগংলকপা কান্নদি চরাংলক্কা পনথরে।
ক্বাক--নহা অপঙ্বা ফাওগংপবু ঙমদনা,
ঈশিং ঈন্নুংবুঙ্দবু শিখি ঈরাক্লহুমা।

উতুবী, থেঙ্গ, অমদি শঙাই

ব্রহ্মদত্ত' কাশীদা পাল্লিঙৈগী মতমদা,
পোকখি বোধিসত্বন শঙাইগীদি মপোক্তা।
থেঙ্গ, উতুবী অনীগা মথোয় অহুম মরূপ্নি;
নুংশি-চান্না-লীপুন্না চেৎশিন্নবু পুনবনি।
মোংমা শঙাই-শাকবা ঈশিং থকপা লাকপদা,
খঙহৌদনা থুরম্মী শাদানবগী লাংলোন্দা।
নাম্ভোক্লবা তৌবদা শঙাইহুনা খোংলকপা,
তারহুনা পাইরক্লে উতুবীদি য়াঙলবা।
উতুবীনা অম্রম্মা পাউ অহু থেঙ্গুদা
লাক্লে থেঙ্গ অতপ্পা মরূপ'দশা তাকমদা।
উতুবীদো পাইথরে শাদানবগী ময়ুমদা;
অনীরকপু থাম্বনি খোঙশাল্লকে তৌবদা।
শরকসিদা থেঙ্গনা লাং অহু চীকথৎখি;
মরূপ শঙাই কৌবগী থন্নায় মঙা কনবিখি।
ওম্ভোকপনি, অহুবু, শাদানবনা লাকপদা;
উরহুনা থেঙ্গুদো হাপচিনথরে থাউজাউদা।
মরূপ অমা কনবদা মরূপ অমা শিদোরে;
থেঙ্গ কনগে হায়হুনা শঙাই অহু চঙলক্লে।
শঙাই অহু উবদা থেৎলম্নগা থাউজাউহু,

জাতকী শৈরোল

'তান্নরক্রে শাদানবা শোক্সিয়র' শঙাইদু !
মুংশীং মমাঙ্ থাদুনা চেনথংগ্রগা শঙাইনা,
খাউজাউ য়াল্লমকমদুদা লাক্লে নাথৈরভুনা।
চঙ্,শিল্লগা অমুক্তং ইন্থুববু খাউজাউদু,
লৈমায়থক্তা তাবদা থোরক্লেদো থেঙ্গুদ্।
শাদানবদো হৌজিক্সি কহা-মাঙ্বু তাশরে ;
থেঙ্গু, শঙাই লোংখরে উতুবীনা পাইখবে।
মরূপ-মুংশি-লীপুন্দি তংনখিদে মখোয়গী ;
সং-কর্ম্ম তৌদুনা ফাংখি লম্বী স্বর্গগী।

৪৯

সুনারী য়াইমা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিউদো কাশীদা,
পোকখি বোধিসত্বদো সুনারীগী ইমুংদা।
অশিংবদি মুপানি থুংলো য়েংবা হৈগনবা ;
নোংমা মানা থেংনখি উচি অমা অশিবা।
খুদক্তদা হায়রম্মী, "কনা লৌশিংলবনা,
উচি 'সীবু থুল্লবা, লল্লোন-ঈতীক তৌদুনা,
মুপী-নহা থিদ্না পাম্লি মহাক মুংঙাইনা।"

'সুম্না চুম্না ভাঙলগা নহা অমা তারুরে ;
থাজহনা মুপাহ অশিবহ খুল্লুরে ;
'তুগা হৌদোং' চানবা শেমখায় 'মদা য়োনখরে।
শেমখায় অহ'ই চিনি-অঙাঙ্‌ববু লৈরগা ;
লৈ-থিবা কাঙবুদা পীজে ঈশিং থরগা।
পেল্লহনা লৈ-থিবা লৈ পাল থরা পীরম্মী ;
মহ অমুক য়োল্লগা শেমখায় নীপাল ফংলম্মী।
নোংমা নোংলৈ নুংশিত্তা উপাল-বাপাল তেক্তুনা,
নিংথৌ' কোনুং লম্পাক্তা লৈরে ময়াম তাহনা।
মালিহৎদা হায়জর' চিনি-থরা পীজর,
খোনজিল্লগা ময়ামহ অমুক হল্লা য়োঙ্গর,'
পুন্না শেমখায় কুননরি পায়রে নংামথুত্তা।
মথং' থৌরাঙ্‌ অমদা শঙ্কীক ফানবা চামডাদা,
ঈশিং পীথক্ল্‌বদা হরাউ মথোই কাখরে ;
মতৌ লাঙেঙান অসুম্না লপ্লোন-কাঙ্‌বু তিন্নখ্রে।
শগোল চামডা পুক্কপা শঙ্কীক পীজনবগী,
থায়খি নহা শীজকশিং শঙ্কীক-ফানবশিংদগী।
নহাদুগী শঙ্কীক্তো লৈখি শগোল লপ্লোনবা ;
'সুম্না থৌরাঙ্‌ কয়াবু শীনখি নহা-হৈ-শিংবা।
হি-থাঙ্‌ফমদা লাকপদা পোৎ-চৈ পুবা জাহাজনা,
লৈখি নহা পোৎ-পুম্বা থুদোপ উৎল' শোতুনা।
পোৎ-চৈ ময়াম অহবু শেন্দোং লৌনা য়োনবদা,
অঙকপদা তোংখরে হিথাঙ্‌ফমহুমক্তদা।
নোংমা নহা ওঝাদা থুরুমজবা লাকচখি ;
শেনয়েক চাম্মা পুরগা ওঝাদবু কৎচখি।

জাতকী শৈরোল

"শুকনবু তাকপিবা পাউতাক অছু লৌজর
ননাই ঈমাক থুনবনি থা--মরি তাঞ্জর"।
অস্তুম হায়জরবদা বোধিসত্ত্ব পেনবিখি
অওঙ্-অউন তমদুনা মচা নুপী থাজখি।

৫০

নিংথৌ মখাদেবগী পোক

বিদেহ'ই মন্নুং চনবা মিঠিলাগী লৈবাক্তা,
মখাদেব কৌরবা পানখি নিংথৌ মতুদা।
চহী লীশীংমরিফুমরী মথং মথং যুবরাজ,
নিংথৌ মখা লৈঙাকপা, 'ছুদ'ই রাজা-ধীরাজ,
ওইরদুনা পাল্লকখি অচুম্বতা চতুনা।
নোংমা শম্বু কক্লিডৈ নিংথৌ মনাই হাজাম্না,
মখাদেব হংলকখি,—"ঐগী শময়াম মরক্তা
থেংনবরা নহাকপো পোকপু কবিগুম্বদা ?"
চহী কয়া'ই মতুংদা পোক অমা থেংনখি,
ফোয়রদুনা নিংথৌগী মখুবাক্তা হাপচখি।

চহী লীশীং মরিফুমরি ম্রাংলি খঙ্‌ই পান্দোবা
উরুবদা পোক্কবু লৈত্রে নিংথৌ হৈনিংবা।
হায়খি মাগী ম্রাখন্না, "মখাদেব অপঙ্‌বা!
নঙ্‌না থিংবা ভমদ্রিগৈ নবুকচেলদি শেংদবা,
নঙ্‌গী লুরেলথক্তবু হৌরব্রেদা পোকপুদি।"
'সুম্না মুংখন্নবনা লাংলে থম্মোই মৈশাদ;
মাখাদেব খল্লক্লে, "ভসিসীমক থারগে;
নিংথৌ খুভম ঐহাক্কী লাইনীংথুনা লৈরগে।
শম্নাংনবু ভৌরকপা যমগী দূতপু লাকপনি;
অপাম-লাংবু থাদোকপা মতম ওইরে তাকপনি
চহী-লীশীং মরিফুমরি মখাদেব নিংথৌদো,
লাইনীংথুনা লৈরগা ফংখি সিদ্ধ মরিদো।
মতুংথুদা শিরগা ব্রহ্মলোকপু ফংজখি;
মথং 'নিমি' কৌথুনা মিঠিলা'ই নিংথৌ ওইরখি
'সুম্না, য়াইফ-মপোক্কা হন্না হন্না পোক্তুনা,
ব্রহ্মলোকপু ফংজখি সিদ্ধ মরি ফংথুনা।

অশিবগীদমক উৎসব

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লরিঁদা কাশীদা,
বেদ অহুম খঙ্‌লবা ব্রাহ্মণ অমা পৃথ্বীদা,
মমিং শাংনা চৎলবা লৈরম্মীদো অছুবঁ।
ব্রাহ্মন্দুনা অশিব'ই উৎসব কৎকে খল্লকঁ,
হায়খি শিষ্যশিংছুদা, "হামেঙ্‌ অসী ত্তুরেন্দা,
ঈরুজথোকপিরগা মাগী ওকশম তোংদমদা,
লৈ-পরেং শিবির' পুরকউদো অমুকপু ;
মখোী মঙম পাঙ্‌লবা লৈরি থবক ময়াম্বু।
গুরুছুনা হায়বদো তৌবে শিষ্যশিংছুনা ;
হামেঙ্‌ছুবু ঈরুবী লৈতেংবীরে লৈ-তনা।
খঙ্‌ই হামেঙ্‌ তোল্লবা ওসি করি ওইদৌবা
নোকই খুৎনোক অমবু চফু কায়'গুম হৌরবা।
'মুকস্থ কল্লী মথক্তা মখোল অনী মাল্লেদো ;
গুরু'ই নাক্তা পুরগা শিষ্যশিংনা হংখিদো,
"নোক্লম্লগা কপ্লিবা করি মরমদগীনো ?"
হায়খি হামেঙ্‌, ব্রাহ্মন্দা, "করিগী'ছুক পঙ্‌বনো !
নহানমুক্তী মপোক্তা ঐস্নু ব্রাহ্মণ নঙ্‌গুম্না,
পোকখিরম্মী অহুবঁ বেদ খঙ্‌বা ওইছুনা।
অশিবগী উৎসবকী হামেঙ্‌ বলি তৌরকখি ;
মহু'ই পাপ্পা কয়ারক হামেঙ্‌ ওইনা পোক্লকখি.

হন্না হন্না পোক্লুনা হন্না ৰলি তৌবকপা,
মতু'ইদমক নোকপনি হন্দক' লোইরে থল্লুবা।
নঙ্সু ঐবু হাংপগী পাপ্পা মরম ওইহুনা,
চামঙারকপু কক্কনি নকোক অত্তু থাডলেম্মা,
নঙ্গীদমক থল্লুব'ই ঐনা কপখিবনিদে।।"
"মতু'ইদমক মরূপ্লোই! থোইনা ৱাকৃগন্নুদো;
নতু নান-ম তেকহল্লোই ঐনা নঙ্বু শঙ্গনি
"নঙ্না শঙ্বা কান্নবাই ইপাপ ঐগী চাউবনি
ঐনি শুকশোয়-শোয়দনা ঙসি শিরগদোবা।"
হামেঙ্' মরূ তাবদা থাদোকপিরে পুল্লম্বা:
শিয্য ময়াম কৌহুনা হামেঙ্ অতু শঙ্হনখি।
বিধীনবু তমথ্রবা কনা ককপা ঙম্নখি।
শজীক চাগে হায়দুনা হামেঙ্' নাপী লাম্নকপা,
নোংমৈ শীংজঙ তাদুনা হামেঙ্ মচক ককখিবা,
মতমহুদা উমংলাই ওইবা বোধিসত্বনা,
মালং খোঙ্গ্রাই চল্লগা হায়খি তপ্পা অস্থন্না,
"থঙ্নববা ময়াম্না তাইবঙ্ মপোক' অন্নাবা,
জীবশিংগী থৱায়বু লোনবম্লোই মীওইবা।
মতো 'স্নন্না লৌশিংবা দরামদবু থঙ্হনখি;
জাব হাংপ'ই অকিবা মথম্মোইদা ফাওহনখি।
বোধিসত্ব'ই পাউত্তাকপু লৌজহুনা মীয়াম্না,
জীব হাংপা তোক্লখি ফম্ভবনি থন্দুনা।
অফ' কর্ম্ম তৌহুনা পুন্সী মতোল লোম্নখি
দান ধর্ম্ম'ই মহয়না শিন্ন' স্বর্গ ফংনখি!

জাতকী শৈরে

৫২

ব্রাহোংনা নোয়বা

উচেক নিংথৌ লমঙানুনা হায়খি মচা নুপীদা,
"নঙ্না পাম্বা অমত্তং পীগে, হায়মু ইপাদা।"
মচা অমোম অহুনা,—"হুদি পাবুং মিজগে,
ইপুরোইবা অমত্তং ঐনা পাম্বা খঙগে
উচেক মথামলক্লপী ; য়াবিয়ুনে পাবুংনা।
লমঙানু য়াহুনা কৌরে, য়োম্রে উচেক্লা।
মচা নুপী কৌথোক্ল' হায়খি, "খল্লো অপাম্বা"
মচানা 'সুম্না য়েংলকপা উরে ব্রাহোং লৈবম্বা ;
গুক্ল লীকাথোম শি-'গুম্বা মশাদা চূমথাঙ্ খনগুম্বা,
মতৌ লাঙেঙান উবদা, 'পাম্মে' হায়রে মপাদা।
পাউ অসী তাবদা ব্রাহোং নাপল কাবক্লে,
মতোক-থিঙ্গৎ-মশা ফান্দোক লয়না জগোই শারক্ল।
উচেক নিংথৌ শাউগরে ব্রাহোং মতৌ উবদা,
"নঙ্ গুম-নম্বু উশিত্তা ; মযাম তিল্লি থৌওইদা,
ইচা পীরোই কৈদৌনুং!" লাউনা থোংনা ঙাঙ্লকখি ;
লমঙানু লাবদা মচানুপী থাজখি।
অপঙ্-থোইচৎনরুবা ব্রাহোং লাবা ইকাইখি
ইকাই মুংশি য়াম্না মফমদুদ'ই পাইথোকখি।

৫৩

শাদানবা অমদি লময়েন

বর:নসী সহরদা ব্রহ্মাদত্তনা পানবদা,
পোকখি বোধিসত্তনা লময়েনগীদি মপোক্লে।
লময়েন লৌশীং কয়াগী লুচিংববু ওইহনা,
লৈখি উমং অমদা রারক-রাতেম তৌহনা।
শাদানবা অমা হেক হেক উমংত্তদা লাক্লমী,
লময়েনগুন্না খোংলগা উচেক ময়াম ফারক্লমী।
অফাবহু য়োল্লগা চরা নোংখম্নজখি:
উচেক ময়াম মরক্তা অরাবব ওংজখি।
বোধিসত্ত লৌশিংবা উপাই অমা পুথোক্লে,
"শাদানবনা ফাহন: ঐখোয়' মশাীং হন্থরে।
লময়েনগুন্না মহাক্তা খোংলক্লবা মতমদা,
নখোয় ময়াম পুন্সিল্লু পুল্লপ মকম অমদা।
মানা লাংবু হুল্লকপা নখোয় খ্বাইগী নথক্তা,
পুল্লপ পুন্সিন পাইরগা পুখো লাংদো লম্বাংদা।
থদংলগা তিংথংদা নখোয় মপাল থোরকউ:
হিংনি নখোয় শোয়দনা হায়রিবসি পাংথোকউ।
বোধিসত্ত'হ পাউত্তাকপু লৌবদগী ময়ামদো,
থরায় হিংখি লেপ্পমক শিরনদৌবা মখোয়দো।
শাদানবদো হৌজিক্তি উচেক 'মত্তা ফাদরে,

জাতকী শৈরোল

মাগী তালোয়--মরুম্বী মাবু থাজখিদরে,
"মুপী অমা লৈরৈনি ফারকপহু থৈমবা ;"
মতৌ 'মুম্না চৌঙ্গনবী ঙাঙ্খি মানা ওম্নবা।
শরকসিদা লময়েনশিং মথোয় মশেল খৎনখি ;
চাক্তাবদা মকোক্তা নেংজি হায়না শাউনখি।
তাপ্তাসিদা শাম্বানবা মাগী লাংচু ছুনখরে
শাউনবনা মরমওই পূম্না পাইসি য়াদরে।
লৌতাম্নমা লৈরিউৈ শাম্বানবনা খোম্নগা,
উচেক ময়াম পুখরে মাগী থাউদা হাপ্লগা।
মাগী মুপী শাউরম্বী মায়থোং মোমোন নোকচখি;
লিংজেন খোয়জেন তিন্নদ' উচেকশিংদো মাঙ্জখি

৫৪

শা-শিংগী খ্বায়গী অহল

হিমালয়গী নাপোমদা খোংনাং অমা হৌবম্মী ;
খোংনাংতুগী মনাক্তা শাবু অহুম লৈবম্মী।
য়োং, শামু, খুনুগ্রুঙ—থক্সী--থাসী নাইনদে ;
অহল মহা'ই মতুংইন লমচৎ--বাথহায় থম্নদে

নোংমা মখোয় থন্নখি অকায়বসি উঠুনা ;
"নহা-অহল থিনর' থক্সী খাসী থম্নসি ;
মথক খোংবা অহনগী পাউতাক-পাওমেন লৌনসি ।"
শামুদবু হংলকখি,—"নঙ্না থঙ্লকপদবু,
কয়ামুক্তী চাউরম্নে খোংনাং পাম্বী অসীবু ?"
"পিশক-পীক্লা লৈরম্মী ঈবৃকমুক্তা ব্রাংহুনা ।"
য়োংনা, "লৈরি মতমদো ঐহাক অঙাং ওইহুনা
লৈবাক্তবু ফমথর' ঙক-ফাওতং ব্রাংবনি ;
মতোন' মনা য়েন্নৌদো থত্তুনবু চাবনি ।"
থুমখি থুনুগ্রঙ্না, —"অহুনদি কান্নদ্রে ;
নখোয়' হায়রিহুগদি ঐগী 'সীগা শম্নদ্রে ।
খোংনাং অমা হৌরম্মী মফম অসীব্রাইসিদা
মহু'ই মহয় চারগা উচেক্লা ফায়বরকপদা
হৌখিবনি খোংনাংসী ।" ব্রাফনসীদা অনীদো ;
"হুদি 'দোম্না অহন্নি ব্যবহার তৌজরনিদো ;
অসী হায়না শা-অহুম থক্সী খাসী থম্নখি;
মুংশি-চন্ন লৈমিন্ন' মপোক মহয় য়াম্নখি ।

৫৫

ব্লাইন্নু অমদি ব্লায়খু

হংখি ঙানা ব্লাইন্নুদা, "করি খল্লি খুব্লাবো ?
পূখ্রী মপাল অসিদা ঈশুক--শুকথব্লিববো ?"
"নখোয়গীনি, ইচাশা ! পূখ্রী`সিদি কংখ্রনি
নখোয় করম লৈহৌনি ! 'তুগী ঐনা ব্লারিনি !
নখোয় ময়াম পূবিগে লৈ পূখ্রী'মা ফজবা,
ঈশিং-ঈমায় চোনবনি লৈনা লৈশাৎ ওস্লিবা !"
ব্লাইন্নু'ই ব্লাসী তাবদা, "খুড়া, নঙবু থাজদে ;
নঙ্না চাথোকখিদনা ! ঐখোয় মতু য়ানিংদে ।"
'স্নুম্না ঙাঙ্নরবদা ঙা অমা খল্লরে ;
ব্লাইন্নুগবু লোয়ননা চৎপা হায়না য়ানব্লে ।
পূব্লে ঙাতু ব্লাইন্নুনা য়েংহল্লুরে পূখ্রীতু ;
মানা হল্লক্রবদা তম্লে লোইনা বাব্লীতু ।
অস্নুম্নদি থাজহন মথং দথং পূব্লক্লে ;
লৌনম--হৈবা ব্লাইন্নুনা লোইনমক্তু চাথোক্লে ।
ব্লায়খূ 'মত্ত' ঙায়হৌরে, "ভায়, নঙ্দি কমদৌবা ।"
লৌশিংলবা ব্লায়খূদো খঙ্ই লোইনা তৌখিব্রা ।
"ঈখেঙ্সিনা নঙক্কা চপত্রবদি চৎলব্লোই ;"
চপহনখব্লে মঙক্তু খঙ্লহ্না য়ারব্লোই ।
চাগদৌব্লে খঙ্বদা হেন্না কন্না চপশিল্লে ;
কান্নরব্লোই উত্না ব্লাইন্নু' ব্লায়খূ থনল্লে ।

অরোইবগী খুৎচপ্তা ব্রাইমু মঙক কেনখরে
বোধিসত্ব-উ-ওইবা ফোঙদোকখরে মুংঙাইবা
"মশা'ই লাংদা থুজরে ব্রাইমু মহা-লোনম্বা।"

৫৬

ব্রাহ্মণ অমদি থৌরী-চৎপা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিরৈগী মতমদা,
বোধিসত্ব পোকখিদো থৌরী-চৎপ'ই মপোক্তা
লায়র-অতোন-অতানি নিতুনবু হিংলম্মী;
মতম সিদা কাশীদা ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মী।
ব্রাহ্মণচুগী মুপীদো লাইমা ফত্তে-ওক্কেদো
মরা চখোকখি রৈদা নত্ত-ওইদ' তৌইদো।
নোংমা মুপা লৈত্রিরৈ মরুম্বীদো চঙলকই;
চাক-ঈশিং থোংতুনা পীজ-পীথক তৌরকই।
তাঙ্গাসিদা বোধিসত্ব চাক্লিববু লাকপনি;
ব্রাহ্মণী থবক চিনবদা ওাইতুনবু লৈবনি।
মরা লাকপা উবদা মরুম্বীবু লোৎহল্ল,

লেম্নম্বত্থই মথক্তা চাক-শা খরা থিদোক্র,
মরাহুগী চানবা পুখোরকখি মুপীনা।
"চাক-শা চজীক করিগী!" চিংনহুনা মুপানা;
চপখৎ-চপখৎ হংলকপা মুপী করি খুমখিদে।
বোধিসত্ত্ব চাক্লিবা তুমিন লৈবা ওমখিদে।
ওসায়মখৈ উরকই তৌরিবদো মুপীনা;
চেঙ-চাকপু থম্ফমদা লোৎলিবদো অমনা।
মমীৎমক্রা উখিবা পুম্নমক্তো হায়দোকখি;
শিক্ষাদবু পায়রগা মুপা অহু চিংথোকখি।
"মতুং তৌগু" হায়বগা বোধিসত্ত্ব চৎখরে;
ব্রাহ্মন্দুনা অনীদো মথুৎ পোম্না ফৄখরে।

৫৭

গুন্তীর অমদি য়োং

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব য়োং ওইনা পোক্লমী;
মপোপ-মতাং ফহুনা মথা নোয়-চাউরমী।
মাবু উখমক্লদা গুন্তীর-অমোম অমনা,
মাগী গুন্তীর-লাবদা হায়রকখিলে মুংশিনা:

"মসী য়োং'সী মথম্মোই য়াম্না চাউরমগনিদো
থম্মোই পীয়ু হাৎলগা ঈবূক থম্ন চাগেদো"
খাম্বা ময়াদ্রবদা য়োংবু হাৎন' লাংহোঙ্ শীন,
হায়খি গুন্তীর য়োংজাউদা, " 'সিদ'ই হৈয়দি কৈমুক-শীন,
লাউনে নঙবু পুবিগে অহাউ' হৌরি রাংমদা।"
য়ারে য়োংনা রাকমদো তোংলে গুন্তীর' নঙ্গন্দা।
থরা চৎল' লূপথরক' য়োংদু য়াম্না চিংনরে;
নুপী মরা লৌরুবা গুন্তীরনসু হায়দোক্লে।
য়োংনা হায়খি, "য়েংউদো, কায়দনবা চোংবদা,
য়োংশিংগী থম্মোইদি থম্মী আঃ দ উশাদা।"
'সুম্না, থৈবোঙ, পাম্লিবা গুন্তীরদবু উৎচখি;
থাজতুনা গুন্তীরসু ঈপাক রাংমা লাম্থোকখি।
লৌশিং শিংবা-য়োংজাউদে। লাংনা নাম্থোকথরেদা!
"অতুক চাউর' অতুক পঙ'!" নোক্করম্মী গুন্তীরদা।

৫৮

থেঙ্গূ অমদি কাং-ঙ

মতম অমা কাশীদা নিংথৌ-বনবা ওইদুনা,
বোধিসত্ব লৈরম্মী পাউতাক পাওমেন তৌদুনা।
ভাওখ্রু' লেপ্পা-হৈতবা থাম্নাম-ভাওবা নিংথৌনি,
ভাওবা করম তৌকহল্লি বোধিসত্ব বনবনি।

হিমালয়গী লমদমদা পুত্রী অম'ট মগুংদা,
থেঙ্গু অমা লৈরম্মী চাক্তাহ্নুনা মহুদা।
কাং-ও অনী অমম্ব হেক-হেকপু পাইবকপি;
মতৌ অন্নুম তৌহুনা মথোয় অহুম থঙ্‌নখি।
নোংমা কাং-ও অনীনা হায়রম্মীদো থেঙ্গুদা,
"মরুপ-থেঙ্গু, তাবয়া। হিমালয়গী লমদমদা,
চিতকুট চীংজাউদা গুরুং অমা সনাগী,
কোয়রুসিদো ঐথোয়'হুম মুমম্ব লৈ ঐথোয়গী।"
"করম তৌনা চৎকনি ঐঙি পাই'ম্ব হৈত্তনা!"
"রাকুগম্ব মহুদি উপাই অমা লৈরেনা।"
'স্থমা অহুম ঙাঙ্‌নর' থেঙ্গুহুবু চীকহল্ল,
মচীম্না চৈশাং ময়ায়দা মথোয়না মতোন পায়শিল্ল,
বাংনা-থাপ্পা চেপ্পুনা পুররক্লো থেঙ্‌লো;
থুঙ্গঙ্‌ কয়া লাম্দুনা মথং মথং পাইখিদো।
অঙাংশিংনা মথাদ'ট নোঙ্গ-থেনা লাউরকপা,
থেঙ্গ্‌হুনা. "নথৌবু লৈত্রা!" হায়গে তৌরকপা,
চৌক্লম্বহু নাম্বোক্ল' তাগ্রে কোম্নুং গুমাঙ্‌দা।
খোঙ্‌লোয়শিংগা নিংথৌহু থোকখি চরাঙন'হুদা।
হুংলকপদা জিংথৌনা থোকিলব লৌশিংবা,
খনখি মতাং চপ-চারে মাযু পাড়া তম্বিবা।
বারী পুম্বা লীরগা হায়খি মহুং তাবদা,
"য়োয়হেনবও! তাবিয়ু, রাবু ঙাঙ্‌বা মতমদা,
শিংনা খিত্তং মঙাঙ্‌বা মরুম চানা থেংলকপা,
নত্রবদি শোয়গনি থেঙ্গুত্তমা ঙাঙ্‌গনবা।"

জাতকী শৈরোল

মঙোন্দবু হায়বনি খঙ্‌খরেদো নিংথৌদো ;
মমিত্তুদ'ই হৌত্নুনা রায়াম ভাংবা তোকখিদো ।

৫৭

হুরানবা লোম্পুম

ব্রহ্মদত্তনা পাল্লিরিঙৈ বরানসী কোন্নুংদা,
বোধিসত্ব লৈরম্মী নিংথৌগীদি দরবারদা ।
মতমসিদা লল্লোনবা মরূপ অনী লৈরম্মী ;
'মনা লোম্পুম চামগাথক য়োনবনিবা থনম্মী ।
সহরগীদি লল্লোনবা য়োম্থোকখরে ময়ামদো ;
লাক্রে মরুপা থুঙবগী 'পীরো' হায়খি পৈশাদো
"বোরাদবু থম্বদা চাথোকখরে উচিনা"
হায়খি মরুপা লোনম্বা উচি-মথী উক্তুনা ।
'ফরে' 'ফরে' হায়রুনা থুঙ্গা অহু হনখিদো ;
মতুং থরা লৈরগা সহরদবু লাকখিদো ।
মরূপকিদি মচাগা চৎমিন্নখি ঈরুবা ;
'হুগা থৈখি অঙাংদো ফুম তমদা অতোপ্পা ।
অঙাং য়াঙ্জ' লাকপদা হংখি সহর-মরূপপা
"কদাই' চৎখ্রে অঙাংদি, য়াওরকপবু উদেনা ?

জানকী শৈরাম

"উমাইবীনা চেনখবে :" হায়রুবদা খংনরে ;
"রায়েনবিয়্" হায়ত্না কোনু'দবু কারক্লে ।
বোধিসত্ব লৌশিংবা অনী' মরা হংবদা,
খুল্লাত্না খুল্লকখি রাগী মতাং চাবদা.
"উচিনা লোম্ভুম চার'দি করি' চেল্লোই উমাইবী
অভাং মচা 'ত্বুদি ! হায়জবনি চৌনবী ।"
বোধিসত্ব থাগংখি লৌশিং লৈবা মুপাদো :
মরল-মখুম হন্দোক্ল' লোইশিনখবে রাফমদো ।

৬০

হক্ক মায়থীবা পীবা

কাশী নিংথৌ মহাপিঙ্গলা কত্তবদা লময়োবা,
মচা-মশু. প্রজাবু চু শুমশুম শুন্নবা,
মানা শির' মতমদা হল্লাউনখি মীয়াম্মা ;
মচা বোধিসত্বনা নিংথৌ ওইরবনিনা ।
লফু-বু-য়ুং ঘোটপু-লাং মক্কম থুদীং কুম্মৈনি ;
ঢোনবু থীন জগোইবু শা থকপা চাবা মহানি ।
'মুম্না হল্লাউ মমকসিদা থোঙ,শঙ,ব'মা কপখিদো ;
মরম হংখি নিংথৌনা থোঙ,শঙ,বনা থুম্নখিদো,
"লৈখিত্রবা নিংথৌনা অচৎ-অথোক থুদীংবা.

থাওশাবগী মুঙ্‌থঙ্‌গুম গুরমগনি ঈকোক্লা ;
নীপাল্লকপু হন্নদি মাগী কল্ল' খুত্তুম্না ।
হঞ্জিন-হঞ্জিন গুবদা লৈরে কোক'সী তঙ্‌তুনা ;
অশিলমগী থোঙ্‌শঙ্‌বা যমদবুদি গুরুরো,
ঐঙোন্দবু গুবগুম হৈনবীতু উংলুরো;
"তমথী মসী থাখরো ।" অমুক থারক্লবদি,
ঐ অমুক চৈ-চানি মসীগীনি কপ্পদি ।"
থেমখি নিংথৌ ইংথনা, "শিগ্রবদি লোইরেদো ;
অমুক হন্না লাক্লরোই শীংনা মশা থাব্রেদো
বোধিসত্ব চুমচংপা দান ধর্ম্ম তৌতুনা,
অচুম্বদা য়ুমফম-ওই লৈবাক ঙাকখি নীংথিনা ;

৬১

অংথোবগী থবক

প্রতম অমা কাশীদা য়সপানি কৌরবা,
নিংথৌ অমা পাল্লম্মী মতীক-মগুন লৈরবা ।
মাগী মন্ত্রি মকোক্লা কাপকা হায়না কৌরম্মী ;
বোধিসত্ব 'ধর্ম্মধবজ' কম্নাইববু ওইরম্মী ।
কালকা কৌবা কক্লবা রায়েন-থৌদা শেপ্পাবা,

মীরা ভাঙ্‌বা মিতল্লান মনীং তৌই লমকেংপা।
নোংমা, ইচুম চুমজবা মুপা অমা বিচারদা,
মায়থীববু ফংহুনা চংজে বোধিসত্ত্বদা।
বোধিসত্ত্ব চুমচংপা বিচার হন্না তৌহুনা,
মুপা 'হুবু কনবিথি রায়েল পথাপ চুমহুনা।
ভারে রাসী নিংথৌনা ; মুমীং অচুমজন্দ'ই,
হাপথ্রে মাবু রায়েনবা কনখি প্রজা 'রাবদ'ই।
কালকা করি ফংদরে নিংথৌদবু শীকচিল্লে ;
নিংথৌ খুভম শিল্লবা হোৎনবেবু হায়জিল্লে।
খাজরমদ' নিংথৌদো খাজরক্লে মতুংদা ;
ক্ষালকাগবু ভান্নর মথং মথং হায়খিদা।
ওম্মোইদৌবা ভাক্কনি, 'লৈকোল শেম্মু নোংমদা',
পাং, কোন্নুং মুক্তাগী' মথং মথং শেমখিদো।
শাকা লাইগী মভেংনা ওমদবস্যু ওমখিদে'।
মথংদবু হায়রক্লে, "লৈকোল শভবা অমবু,
পীয়ু মভীক চারবা মগুণ মরি লৈববু
ওম্মোই খঙ্গরহুনা বোধিসত্ত্ব চংখরে ;
শিননবা উমংদা তোপ তৌনা লৈখয়ে।
শাকা লাইনা থোরক্ল' হায়খি বোধিসত্ত্বদা,
"চত্তপানী কৌরবা মুপা অমা খিরুরো,
গুণ মরি লৈতেংবা মানি, মাবু হাপ্পুরো।"
বোধিসত্ত্ব চংলগা চত্তপানী উনশি ;
মভীক চাবা মুপানি নিংথৌদবু কৎচখি।
"কল্লক-মৈশা লাংদবা অপাম-মৈথু চুদবা
ঐনি চত্তপানীদি, যুদ্ধক্তবা শাউদবা।"

প্রমাণ য়ারী লোইনবা তারবদা-নিংথৌনা,
হাপখি মাবু লৈকোল-শঙ্‌বা মতীক চারে খন্দুনা।
ধর্ম্ম অসুক লৈববু কুইনা মরাল খিরকপা,
পূন্নমক্কী দাইত্ব কলকানি খঙ্‌লকপা,
নিংথৌ' ঈঙ্গীৎ অমদা মনাই মখাম চঙ্‌হনা,
কলকাবু লোইশিনখি মরাল' মপোৎ কাহনা।
তুংদা, নিংথৌ য়াইফবা অক্ববতা তৌরম্মী;
য়ায়েল পথাপ চুমহনা শিব' স্বর্গ কারম্মী।

৬২

লৌনম-পাম্বী

কাশী' নিংথৌ ব্রহ্মদত্তই মচা মরি লৈরম্মী;
নোংমা মখোয় মরিনা সারথীবু কৌরম্মী।
'হুগা হায়খি মড়োম্দা, "লৌনম-পাম্বী য়েংনিংই,
পু নঙ্‌না ঐখোয়বু উত্থু মশক খঙ্‌নীংই।"
পুরে সারথী মখোয়বু অমমতা শুইনবু;
উমংদবু পুখরে অহানবদা অহনবু;
ইহল্লুরে পাম্বীহু য়েল্লো চোংথংলকপদা।

মগংদনা য়াইমদো পুখরেদো উমংদা ;
য়েংহল্লুবে পাম্বীদো উনা শংনা পাল্লস্বা।
অঙম শুব চুদনা উংখি মপাল শাংলকপা ;
মাহ পানবা উহনখি মরিশুবা অচুদা।
নিংথৌ মচা মরিদো নোংমা পুল্লপ পুনবদা,
লৌনম-পাম্বী কমদোই মখোয় মশেল হংনখি।
চীনংুম 'মত্তা মাল্লদে মরৈ পঙয়েং য়েংনখি,
মপাদবু হংবদা হায়খি নিংথৌ অম্লম্মা,
"তোঙান-তোঙান মতমদা উরুবনি নখোয়ন' ;
সাংগীন টংপদ নখোয় করি' হংহৌদে ?
ঋতু পতুই কমদোই, করি' অতুক কুপথদে ?
মচা শায়ন হংদবা নখোয় পুম্বই নরালনি ;
শুল্লক্লিবা খেন্নবা খঙদবনা শোয়বনি।"

৬৩

মকুবু নিংথৌ ওইহনবা

অহানবা লৈশেম্লকপদা মী ময়াম চঙহুনা,
খল্লী নিংথৌ অমবু মতীক চাবা-য়েংহুনা।
শাশিংনসু খঙখি নিংথৌ ওইনা নোংশাবু ;

সমুদ্রগী ঙানম্ন থনখি আনন্দ কৌববু !
মত্তো 'সুম্না উচেকশিং হিমালয়দা তিল্লখি ;
উচেক্লক্ত'ই মকুবু নিংথৌ হাম্না য়ানখি ।
ময়াম য়ানরবদা কাক্না হৌগৎলদুনা,
"ঙাইবীখোনে অমুক্তা ময়াম থম্বীখোনা !
নিংথৌ খন্‌বা হায়ংসীদি মশক মত্তো য়েংদৌনি ;
ফীভম মুর্ত্তি ফজবা থল্লগম্ন হাপ্তৌনি ।
নিংথৌ খল্লমদাইদবু মশক অসী য়ৌরবা !
কবি ওইনি খনবিয়ু হয়েং মানা শাউরবা !
মানা শাউনা য়েংলকপা অশা' খা'দা থোয়দিংনা,
শামন্দুনা চোংবগুম চোংনি ঐগোয় কিবনা ।"
হায়রম্নগা কাক অদো নোংদোলথক্তা পাইখৎখি ;
"ঐদি মাবু য়ানিংদে" ! অনৗরকপু লাউরকখি ।
কাকপু কোয়তান তাম্নখি শাউরদুনা মকুনা ;
মসিদগী য়েক্লবা ওইনখিদো মথোয়না ।
'সুম্না য়ানদবদ'ই মকু'ই বাকম তোকখরে
নম-ঙান্ন কৌববু উচেক' নিংথৌ হাপখরে !

নিংথৌ মিংশেন-মায়গী রায়েল

জনসঙ্ঘ নিংথৌগী মচা নুপা ওইদুনা,
পোকখি বোধিসত্বনা মিংশেন-মায়বু কৌদুনা।
মিংশেনগুম্না ঈরং-লং মঙ্গল ওইবা মায়থোংনি;
সনা-মচু মাল্লবা ফজরবা শক্তম্নি।
মপা নৌনা কায়নর' ওইবা তাখি নিংথৌবু;
অঙম্বশিং চঙ্‌ দুনা চাংবু য়েংখি মহাকপু।
য়োং অমা অহুম্লক তাইবঙ্‌ মীগুম শেংপির,
রায়েল শঙ্‌দা পুথোকখি জ্ঞানবু লৈবা শাহল্ল'।
"নপা-নিংথৌ হাক্তকী ফম্নাইবনি লৌশিংবা,
ফমু অমা হাপ্পিয়ু মাগী মতীক চারবা।"
রাফম অসী তাবদা মিংশেন--মায়বু কৌবনা,
'শানি' হায়বা উত্তুনা খুমখি পাউথুম চপ-চানা।
মতীক চারে থন্দুনা মাবু নিংথৌ হাপখরে;
হৈরাউ তয়াম্মক্তনা লৈবাক-শরা শনখরে।
নোংমা অহল ওইরবা গমমিচাঁদ কৌরবা,
নুপা অমা লাক্লম্মী রায়েল-লাংদাইবীনবা।
মাগী অহান' রাথোক্লা, শল অমী রায়ব'ইনিং
মপু-তাক্ত-থিল্লুবা শঙ্গোন্দগী মাঙ্‌ব'ইনি।
অনীশুবা-রাথোক্লা, গর্ভাবতী অমগী,

শীওম্নংগী অঙাংবু মানা থুগাইহায়বগী।
অহুমশুবা রাথোক্লা, শল অমা থৎপদা,
সুঙনা থারুবদগী থোকপনি মখাঙ তেকপদা।
মরিশুবা রাথোক্লা, শিজরগে হায়ত্থনা,
চোংথবদা চীংচেপ্তুই হনুবদা তাত্থনা,
হনুবদো থুদক্লা শিখিবগী রাফম্নি;
লাইবকথীবা পুকশেংবা অরাববু তাবনি।
মী মরিনা ফাহুনা গমনিনা লাকপদা,
পাউখুম তরা চেনখিদো খুন্নাশিংনা মঙোন্দা।
পাউখুমশিংদো নিংখোদই পুবিরকউ হায়বনি;
লাইবু থোইবা মহাক্কি ঙমগনিবু খনবনি।
অহানবগী বিচারদা, "রায়রুবা শল হল্লকপা,
মমিৎমক্লা উহৌনা উদে হায়বা ঙম্নিবা,
শম্বু মনীং কেখোকউ, শনগী শেলনা হনবিখো
অনিশুবা রাথোক্লা, "নুপা, ভাইখো তপথখো;
নঙগী নুপীই গর্ভপাত গমনিনা নত্তেদো;
নঙনা য়েৎলি মরৈবু 'অঙাং নুপা পান্দীদো।'
ফরে 'হুন্দি নুপীদো গমনিদা পীখরো;
মচা অমা পোক্লগা নঙ অমুক লৌশিল্লো।"
শগোল মখোঙ তেকপগী বিচারদা নিংথৌনা,
'থৎপিরকউ' হায়রুবা চায়রে হায়না চেন্দুবা,
ওইদ ভাঙবা মপুসে মরৈ থৎলু হায়খরে।
নরিশুব রাড়েন্দা নিংথৌনবু তাকপরে,
"লাক্নরোইদো" নপাবু 'শীবু' হায়না তক্লবা,

....

জাত্রকী শৈরোন্ন

নমাহুবু পীয়গা য়োক্লো গমনি হমুবা।
রাথোক-রায়েল থূদীংদা মায়থীখরে বন্দিশিং ;
ঙাকপীয়োব, হায়বদা ফংখি গমনি পোৎচৈশিং।
মথং মথং রাহং ওরাই পাউথুমমুদি পীবদা,
হায়খি নিংথৌ মিংশেন মায়.গমনিচাদ অহন্দা,
"পাড়া কাউবা ব্রাহ্মণা য়েখোং মতম শোয়ব'ইনি ;
থুমক্রিবা উহৈনা মুনি' লাইনীং রাংপ'ইমি !
নাগা মশেল খৎনবনা পাংবী ঈশিং নৈবনি ;
উনা উরুম লাংদবনা পূজা কৎলদবনি।
ককচেং মখুল মপাদা শৈশক্রিবা লমথুম্বু,
লৈরে-লনবু তোথোকউ, নঙগী ওইয়ু. কিরুম্বু।
শজি' শজীক চারিবা উখোঙ.হুগী উথক্তা,
মকোল শারে হয়িংখোই ফংনি. খোইহী মথক্তা।
মথুন্দগী লিন্দুনা থোরকপদা চিল্লগা,
চঙ.খিবদা কোম্লিবা, য়েংলবদি ত্তৌরগা,
লন ফংনি মথুন্দা মানা পাম্না শঙ.জবা।
মহু হুন্দোক্লম্ব'ইনি থোক্লকপদা চিল্লিবা'
গুৰুৎলাংনা কৌবনা চঙ.খিবদা কোম্বনি।
মবানাক্তা লৈনংদবী মরুম্বীবু লৈবীনি..
বেশ্যা কারবার তোংলরোই মুপা মশীং য়াম্নবা।
রায়েল শেঙ্গাবদ'ইনি খুঙ্গাহলনা নংজিবা।
পাউথুমশিংসী গমনি অমখি মরোয়-মনাউদা
বোধিসত্ব নিংথৌবু কিখি মগুণ অবদা।।

৬৫

রায়খু অমদি শামু

হিমালয়গী নাপোমদা লৈবা পাত্তী অমদা,
রায়খু অমা লৈরম্মী মপা লৈত' কনবদা।
কিখিবনা শামুশিং কুম্ মুদরে মন্থুংদা;
তাখিদরা হায়দুনা রায়খুগীদি খয়াত্তা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা শামু ওইনা পোক্লকপ,
লাকখি নোংমা ময়ামগা রায়খু অদু হ ংনবা!
কুম্ মুরগা পাত্তুদা মথং মথং কারকপা,
মনীংথংবা বোধিসত্ব রায়খুদুনা কাখিবা,
শিবা তারে হায়দুনা মশানৌবু কৌরক্লে;
মশাবীগী চীংঙাইরা অমোমদুনা তারক্লে।
লাংলো হৈবা অমোয়া রায়খুদবু য়েংদুনা,
খুংশি-খোম্বাঙ-খোলহীক্লা চীংঙাইরকখি অথুয়া,
"হে রায়খু শাজাউবা! পুম্নমক্ত'ই অংথাইবা;
ইপুরোইবা থাদোকউ-হে! নতীক লৈরবা।"
খোয়থুম-খোঞ্জেল অমোমগী তারুবদা রায়খুদো,
করি খম্মহৌদনা থাদোকখরে শামুদো।
শামু মখোঙ য়ুম্বীনা রায়খুদুবু নেংখায়রে-
রায়খু মমীং উতোংমান' খুদক্তবু চোংথোক্লে।
চিংখৎলগা ময়ায়া উফুল থোক্লা নোইখায়রে।
রায়খু মখোঙ অনীদো চেম্মগরে গঙ্গানা;
তাইবঙদবু কাওখরে পুঙজাউ অনী ওইদুনা!

....

জাতকী শৈরোল

৬৬

শাম্মু মউংকী মরাইবক

নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা পাল্লিরৈদা কাশীদা,
বোধিসত্ব পোক্লম্মী ব্রাহ্মণ শাগৈ অমদা।
টক্ষশীলাদা মহৈবু তম্বা লোইরক্লহুনা,
হল্লক্লগাময়ুমদা লৈখি লম্বোইরহুনা।
মানা চাক্লি' চৎপদা শাম্মু মউং ময়ুমদা,
হেক-হেকপু চঙ্‌বদা শকথঙ্‌নখি মতুংদা।
নোংমা শীংজনবা অমা মুমীৎ তাগরহুনা,
লাইশং 'মদা থুংলমখি য়ারেক্লবা হায়হুনা।
লাইশঙ্‌হুদা মনীং তম' লৈজরম্বা য়েম্বাশিং,
অহিং য়ারেকচরম্মী উপাল থক্তা মখোয়শিং।
সুম্মা য়ারেক্লমখিবা য়েম্বা অনী খৎনখি;
অহানবগী য়েম্বানা থোয়না-চাউনা হায়রকখি,
"ঐবু হাৎল' চাবা মী ফংনি শেনবু-অয়ুক্তা।"
অমহুনা হায়রকখি, "নোকপু নোকচনীংঙিদা;
হায়গে তাওনে ইগুণসে; ঐবু হাৎল' চাবদি,
ওইনি নিংথৌ, লাঞ্জীংলোয় পুকয়রোয়বু কৌবদি।
তারে বাসী শীংজনবা ফারে য়েম্বা অহুবু;
ময়ুমদবু পুরগা থোংহনখরে মুপীবু।
অথোংবহু চয়োম-শা গজা তান্না পুরক্লে,

গঙ্গাদবু কুম্নিডৈ নোংলৈ-মুংশীং হৌরক্লে ।
কল্ল' নোংলৈ-মুংশীংনা হুমদোকখরে চয়োমহু ;
গঙ্গা'ই ঈশিং ঈচেলদা তাউথরক্লে ময়োমহু ।
শামু ঈকজরিবা নিংথৌ' শামু মউৎনা,
খুঙ্গিল্লগা চয়োমহু পুখি 'য়ুমদা ঈরেম্ন।' ।
লোইনা খঙ্বা চাক্রিরা বোধিসত্ব থোরক্লে ;
মাগী পাড়ৌতাক তুংইল্লা য়েল্লহুনা চাখরে ।
তাল্লকসিদা য়েক্লবা লান্দারকখি কাশীদা ;
লাঙ্গুঙনবা হায়খরে নিংথৌবু মউত্তা ।
কিগল্লবা নিংথৌদো লাম্মীজক্লা য়াওখরে ;
তেল্লা থবাক থুম্ন-য়ুং খুদক্তবু শিখরে ।
মউৎ পাউসী তাবদা শেলবু পী'না নেক্তুনা,
লাঙ্গুংহল্লে লাম্মীশিং পৃকীঙ থৌগৎপিহুনা ।
লান জয়বু ওইখবে মউং' নিংথৌ হাপখরে
মাগী মুপী লাইরবী মহারানী ওইখরে ।

৬১

কামদুহা খুজাই

বোধিসত্ত লজোনবা মচা অমা পোক্লম্মী;
মচা মুপ। মলোম্নি পূর্কে-লদে চোল্লম্মী।
শির' চান্দ্রমণিনা লাকি তুম্মাতা ওইহৌরে;
'মত্তা পোকপা ভোনানবা মখে লাংবা হৌরক্লে।
অহুক য়ুম্বা মরক্লাবা য়াব থর্ম তৌখোক্লে;
অকেম-ক্যাত্তা নুংগুনা তুংগী থোইহৈরে খেংখিদে।
মু, জগোষ্ট, ইন্দ্রনা অমল-মঙমে-তিংথোক্লে;
কুইস-কিয়োং, মেন্দাকা পূকয়-লদৈ তুম্মরে।
'মুমা মরূপ মপাংগা থোইহিল্লবা, অদ্রয়মচু
চাঙ্খিবু, চংথরে পঙলুবতি নত্তামতু।
সাকা লাইবু অদুনা-মর্ত্যবু থৈরিবা,
বোধিসত্ত উথরে মচামগী মরম্বা।
পৃথ্বীদবু লুমন' খুজাই অমা-শ্রীবপা,
পাওমেম্বি, মচানা তুমনবু হায়রগো,
"ইপা, মেরা, খুজাইরে, হ্যভ বসুগী-নম্ভোসে;
থোকউ মখৈ, থোক্তবা পীরমগে খুজাইসে;
কায়ক্রিমথৈ কাকুনি কায়থবদি লৈইত্রেদো
খুজাই অসী কুংবদা ঙম্মক্তদি নুহারো;
অতৈ নিংগে খুজাইদ'ই মুংথক্তা নুংবা।

জাতকী শৈরোন

নোংমা য়ুবু থকচিল্ল শাম্নে খুজাই হন্দুনা;
অমুক-হুন অমুক-ওক অকোনবদা কায়খয়ে;
মুপা মচা ওক্তুবা চাক্লিহুনা শিখয়ে।

৬৮

লমহঙ্গ অমদি ব্রাক

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিঙেদা কাশীদা,
বোধিসত্ব পোক্লম্মী উমং লাইগী মপোক্তা।
মানা লৈবা উমংগী উপাল'মদা তোংলম্মী।
কাক অমা অচুৎঙৈ উহৈ হাউনা চাম্লম্মী।
লমহুই অমা মংখাদা উয়ে কাক্লা তৌরিবা
মাস্নু চানীংলহুনা খন্নে, "করম তৌশিবা"
ভাইহাক খল্ল' হায়রকখি, "ফজখ্রেদা! কনানো?
হৈত্তুপ পাম্বী মথক্তা কায়দোংলিবা! কম্লিনো;
মুংশিরবা নখোলনা, কোকিল খোন্দাম্লগুম্মী।"
লমহুয় মরা ভাবদা কাক্লা অমুক খুম্লম্মী,
"অচৌ শাগৈ' পোকপনা খঙই অচৌ' মগুণবু;
কৈরেল' নহা শকওইবা! চাও, লৈয়ে উহৈবু।"
অসী য়াবু হায়রগা নীকথরক্লে য়াম্নবু;
লমহুয় নহা লৌশিংবা চারে মবুক থন্নবু।
অনী' চীয়োল-পাউশাবা ভারে উমং লাইনবু;

ছায়খি শাউনা অনীদা, "কাক অপুম' চাবগা,
অশিবা শত্থম কতুনা চাবা শাম্রি লমছয়গা,
চৌরোল-খোঙ্‌নাইনরিবা নোকপু নোকচনীংইদে !"
সব অকিবা উতুনা অনীত্থবু অনখিদে।

৬৯

কৈশালগী একাদশী

নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা পাম্নিঙৈদা কাশীদা,
বোধিসত্ব পোক্লম্মী সাকা লাইগী মপোক্তা।
মতম অসীমক্তদা কৈশাল অমা লৈরম্মী;
গঙ্গাতুরেল তোর্বান্দা মনীং-অমা হিংলম্মী।
কুম অমা ঈচাউথোক চাবনদি কংলক্তা;
বাখি কৈশাল নহাদো খনকম্লুদি খঙ্‌লক্তা।
চানীংঙাইবু লৈরক্তা ছায়খি, "চম্রা হেল্লগে;
একাদশী তোত্থনা লাইনীং লম্বী চৎলগে।"
বাকম অসী তাবদা বোধিসত্ব সাকানা;
হামেঙ্‌ শক্তম লৌরগা লেপখি মতো য়েংহনা।
কৈশাল অত্থু ঙাওখরে, "একাদশী য়ৈথোক্লে।"

হায়রম্লগা চোংশিনখি হামেঙ্‌ অত্থু লাক্লিগে ।
লাইনা ওনবা হামেঙ্‌নি তাম্লখবু কংলরোই,
মায়থীরবা কৈশালনা, "একাদশী কায়ররোই !"
শোয়রকপদা, সাকানা মালংদবু লৈম্লগা,
চৈখি, "হাঁই, তৌনম্বা ! নঙনা চরা হৈম্লগা,
করি মহয় ফংদৌবা একাদশী তৌরগা ।
চানীংঙাইবু ফংদ্রগা একাদশী মতৌবা,
চানীংঙাইনা লৈরগা চরা হেনবা মতোকপা
হৌদোঙ্‌, লম্বোই শাজংপু থরায় ঐনা য়ানীংদে
পূকচেল খোয়বা নরমচং মিরেল ঐনা খোয়দাদে ।"

১৭০

নিংথৌ অমাদি হৈয়োনবী

নিংথৌ ত্রৈলোক্যনা মাগী কাংদা লৈরিঙৈ,
মীহৎথোক্তি দই য়েংথোকখি খুম হকচাক লাংলিঙৈ
অরাপ্পদা-উরম্বী হৈয়োনবীবু অমাদি ;
"হৈয়াই, হৈয়াই লৈগেরা !" লাউত্থনবু লাকপদি
হৈয়োনবীগী মতৌদা মুংওনখরে নিংথৌদো
খুদা পুরোংলাক্লনা মহারানী হাপখ্রেদো ।

শ্রীভক্তী শৈরোল

মানী-অহল হাম্নদা থোয়চৎনখি হৈয়োনবী ;
থাজদনা ব্রাংলকপা কাউশিন্নখি হৈনবী।
নোংমা চাখি নিংথৌনা শেম্পাক্রবু হাপ্তুনা ;
হৈয়াই খরা, মুল্লবা, নিংথৌ' খরায় ভাজনা।
মতৌ অসী উবদা হংখি মহারানীনা,
"করিনোনে ঈনীংথৌ, অতুক পুক্লীং খোয়দানা,
হাবিরিবা হৈহ্নবু ? ভাংশং ভাঙ্ই কজখ্রে !"
রানী' মবা তাবদা নিংথৌ অহু শাউগৎখ্রে ;
"করি হায়বা লমকেৎপী !, হৈয়াই মশক খঙত্রবা।
রানী হেক ওইবগা নশা'ই শিনকম কাউরবা।
চৎখ্রো চৎলো ম্লেংনীংদে ; লৈবিরম্নু ঈনাক্তা'"।
বোধিসত্ব গুরুনা নিংথৌ শাউরে খঙ্বদা
"শাউহিগনু ঈনীংথৌ পাপ্নী মসী মুপীগী,
থাকপু ব্রাংথৎহল্লুবা নরালনিদো নহাক্কী।"
ব্রাহৈ অসী তাবদা নিংথৌ শাউবা নেমথখি;
লোনচং-ব্যবহার কায়নদ' চান্ন-চিন্না লৈনখি।

৭১

উতুবী অমদি নোংশা

নোংমা নোংশা অমথক শরূ অমা পনখরে ;
চাবা থকপা য়াদনা হেদো-নাহে চনখরে।
উরুবদা উতুবী, "করি ত্তোরে ?" হংলকই ;
য়ারম পুম্বা খঙ্লগা নোংশাদবু হায়রকই,
"শরুবুদি লৌথোক্কে 'হুদা কিদি কিগ্রেদা !"
"ত্তোরোই, কৈস্থু কিরুস্থু, কনবিয়ুনে থব্বায়দা"
হায়খি নোংশা। অত্তুবু 'চেকশিনবনা কায়েদো' ;
উত্তেক অমা কবাক-খন লৌথোকপিরে শরুদো।
নোংমা শদূম চারিঙৈ উতুবীনা নোংশাদা,
মতৌ য়েংগে হায়রকই, "থৌজাল হৈবা উংলুদা।
ত্তৌবিমলবু কাউগন্নু; খিত্তা চাগে শদূমদো।"
য়াফম অসী তাবদা শাউগৎলকই নোংশাদো ;
"য়াদা নঙক চঙল'ফাও ঐনা নঙবু কল্লকপা,
'হুনা িংজরিবনি; করি অমুক পাম্লিবা।"
বোধিসত্ব লৌশিংবা উতুবীবু লাংওনবা,
খুদক্তুদা হায়রকখি পাওমেন-য়ারা পাউত্তাকপা,
"অত্তোনবদা পীরুবা অক' থবক' মহয়দি,
'সীনি, সুম্না খৎননি চীন্দান-পাউদাম্লনদি।

জাতকী শৈরোল

থেবগী মশা কপ্রোকপা

মপোক অমা বোধিসত্ব থেব ওইনা পোক্লম্মী,
সৎ-কর্ম্ম তৌদুনা মপুন্সীদো লেল্লম্মী।
য়োং, লমহুয়, শনম্ব মাগী মরূপ অহুমদা,
দান, ধর্ম্ম, ব্রতগী লৌথি তম্ব মথোয়দা।
নোংমা ব্রত তৌরগা থিনরক্লে চানবা;
ঙা, শঙ্গোম, হৈনৌনি মরূপশিংনা কংথিবা;
পুয়কখিদে তুমিন্না "কনাগীনো ?" লাউরম্মী।
"তৌদোবসী করিনো !" খেবদুনা খল্লম্মী,
"চাক্লিববু লাক্লগা করিনোনে পীদৌবা !
করে, ঈশা চারোবু ঙায়রে ঐগী হায়দোবা।"
সাকা কোবা লাইদুনা রাখল অসী খঙ্‌দুনা।
লাক্লে ব্রাহ্মণ শাদুনা চাংবু য়েংগে হায়দুনা।
য়োং, লমহুয়, শনম্ব লৈজ-লৈজ পুথোক্লে;
ধর্ম্ম লৈবা থেবদি মশা দানবু তৌরক্লে।
মৈবু হৌরে ব্রাহ্মন্দো চোংশিনখরে থেবদো,
লাইগী থৌশিল অঙকপা করি চাক্তে মশাদো।
সাকা কোবা লাইদুনা অশেংবতু হায়খরে;
দান ধর্ম্ম তৌবগী কান্নবতু লৌখরে।
থেব'ই মূর্ত্তি চীন-শা থাজদবু থেনখরে;
ধর্ম্ম লৈবা জীব মরি চান্ন-চিন্ন লৈখরে।

৭৩

নিদনা পীরুবা পাঙ্তিভাক

মপোক অমা বোধিসত্ব উচেক ওইনা পোক্লম্মী,
সিঙ্গিলা হায়না কৌহ্নুনা হিমালয়দা লৈরম্মী।
নোংজু-মুংশা মরক্তা মশা করি চোত্তনা,
লৈখি উপাল অমদা মহুম অমা শাহ্নুনা।
নোংমা নোংজু মরক্তা য়োংজাউ অমা উশাদা,
মশা ইচোং চোত্তুনা থাঙখি রানা কয়াদা।
মতৌ অসী উবদা সিঙ্গিলাদি উচেক্লা
থৌজাল হৈবা উত্তুনা হায়খি রাদি অস্নুম্না,
"হে-মরূপ মী-মানবা! নহানরাইগী মতমদা,
শারম্লবা নকোলবু চোংলম্লোইদো নোংজুদা"
য়োংনা অমুক খুম্লকখি, "রাখল লৈবা নহাক্লি;
নঙদি মীগা অম্মানি, অপঙবদি ঐখোয়নি"
সিঙ্গিলানা খুম্লকখি, "তুংগী য়েংদ' মহাক্কী,
অপঙববু কৌইদো, শাউ খাংপোক অমদি।"
পাউতাকসিদা উচেক্কী শাউখ্রে য়োংজাউ খুম্লাকপা,
"উশিত্তবা খঙনিদো!" হায়রহ্নুনা চোংলকপা,
অকিবগী মতৌনি- উচেক মহুম থুগায়খি;
অরাবনি সিঙ্গিলা নোংলক্তবু পাইথোকখি।

জাতকী শৈরোল

৭৪

শা ময়াম চেনখিবা

থেব অমা লৈরম্মী সমুদ্রগী মপান্দা।
নোংমা মানা ভুমিল্লা খনখি 'স্নম্না ব্রাখল্দা,
"কায়বা তার' পৃথ্বীবী করম তৌবা ঐহাক্না।"
অস্নুম্নবু খল্লিঙৈ ব্রাখল অহু হুকচিন্নঃ,
হুরি-কোকথোঙ অমদি উথক্তগী কেল্লকখি।
"কায়রেদনা পৃথ্বীবী!" থেব খংনা চেল্লকখি।
ছুংলকপদা শাশিংনা থেব মুংশা-থবৈংনা,
"কায়হৌরেদো পৃথ্বীবী!" খুমখি ইপা-পাখংনা।
শজি, শঙাই, থেব, কৈ মথং মথং চেল্লকখি।
শামু, লমওক, কবো-কৈ পরেংহুদা য়াওরকখি।
শাগী পরেং পংভিনা চেল্লকপবু উবদা,
বোধিসত্ব শাইওনবা নোংশানবু হংখিদা,
"লৈবাক মতুম পৃথ্বীবী কায়রে হায়গে কনানা?"
মথং মথং 'মানা হায়' 'মানা-হায়রবু, হায়হুনা,
'মনা 'মদা শীক্লিল্লি লীখুন থিবা ফংদবে;
পাখং-চাউবা থেবদা ঈরোই লোইবা ভাখরে।
ময়ামহুবু লমজিংল' লাক্লে থেব নহান্দো;
পৃথ্বীবীনা কায়রিবা তাক্লে মানা মফমদো।

জাতকী শৈরোল

হন্না য়েংলুবদদি হরি-কোকথোঙ, অমুনবা,
ওইরম্লেদো মথক্ত'ই উনারক্তা কেল্লকপা।
বোধিসত্ব শায়ামগী মিপাইববু কোকহনখি;
ময়ামত্ববু মহাক্না শিরদৌ'দ'ই কনবিখি।

৭৫

নাপল কাবা লম্বোইবা

নাপল কাবা লম্বোইবা ভিক্ষা নিবা চৎপদা,
লাকখি নোংমা মহাক্না য়াউ রাইনকমত্বদা।
য়াউ অমা মমাঙ্দা কুল্লগত্ব উরুরে;
মঙোন্দবু ভক্তি তৌ' খুরুম্নীবোই নীংলুরে।
খুরুম্বত্ব ওক্লগা হায়খি মতৌ অম্ত্বমা,
"বেদ খঙ্বা ব্রাহ্মণদা ভক্তি লৈবা শাৎসিনা,
ভক্তি উংলি মঙক্লোন চল্লবস্থ শা-শীংদা;
ঐবু ইগুণ লৈ হায়'সি খঙ্রা মাল্লে উবদা।"
বোধিসত্ব লল্লোনবা হায়খি রাত্ব তাত্বনা,
"থাজরুস্থ ব্রাহ্মণ ও! হকচিন্নবু নহাক্না;
শাবুক-ভাবুক-ওইবনি রাইত্বনবু তুজনি;
খুরু-খুদক কুপ্লিবা রাইগে তাল্লুম্নীবনি।"
হায়রি'তুমক থোক্লরে য়াউবা 'গুরুং' চোংশিনগ্রে;

লম্বোইবত্'ই থৈবাক্তা মকোক্নবু য়াইশিনগ্রে
উফুল্লক্তা লম্বোইবা থরো-মালো ওনখরে;
হেদো-নাহে চন্নম্ন' অশি লমদম পাংখরে।
মতীক চাদ' মকাদা ইকাইখুম্নরুবনা,
লম্বোইবত্ থেমখরে লাম্না থাজরুবনা।

৭৬

তাইবঙগী লেপ্লাইদবা মন্নুংঙাই

মপোক অমা বোধিসত্ব ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লম্মী;
অশেং' নহা ওইদুনা মপুন্সীদু লেল্লম্মী।
মমা মপা অনীনা লুহোংনবা হায়বদা,
"য়ুম্থান পুন্সী পামজদে," হায়খি মানা মখোয়দা।
"নখোয় 'নীনা থৃপগ্রবা ঐদি লম্বোইরগনি;
করিগুম্বা য়ুম্বাল্লু হায়রবদি য়াগনি—
মুক্তি অসী মাল্লবা কন্যা অমা ফংল'দি;
ঐ মাবু লুহোংনি নখোয়' কল্লা জল্ল'দি।
ব্রহ্মলোকী লাই-খুৎশেম শেমগ্রে কন্যা অমবু;
সন্মীলাভাসীনি কৌ' পোকগ্রে ব্রাহ্মণী 'মবু।
সনা'ই মুক্তি পাঙ্খল্লি খেন্নববু লৈতেদো;
অঙং-অচৌন অম্বু লুহোঙখরে অনীদো।

জাতকী শৈরোল

বর, কন্যা চপ-মান্নৈ য়ুম্থান-পুন্সী পান্নদে;
পুন্না লৈমিন-চামিন্নৈ অপাম-লাংদা চঙ্‌লদে।
অহল-লম্মন লৈত্রে'দা হিমালয়দা লাইনীংখি;
লম্বোইবীদি মতুংদা কাশী থাম্মদা লোজাখি।
অচৎ-অথোক কয়ানা কপ্প-কাউনা তেংথান্না,
পিরাঙ্‌ মরীক তাখিদে বোধিসত্ব লম্বোইবা।
হায়খি, "মপোক অসিদা ঐগী তাল্লোয় ওইরম্বী,
লীপুন অদো কক্কত্রে অমং য়াইথোঙ্‌ কুমখ্রবী।
অয়ম্বদি সুপাশুম করি' তেংথা-নাওইনি!
তাইবঙ্‌-মায়া লাংদবু করিগীদি চঙ্‌লুনি!"

৭৭

পূক্লীং খুদুম চনবগী চাংয়েং

জেতবাহন লমদমদা লৈখিবনি বুদ্ধনা;
য়ারী অসী ব্রাহ্মণগী শিষ্যশিংদা সুংঙাইনা।
ধর্ম লৈবা ব্রাহ্মণি পূক্লীং খুতুম চনওম্বী;
নোংমা' মুমীং অমদি হৌখি মানা চাংয়েংবা।
নিংথৌ লঙ্গৈলুংদগী হুরঙৈ সমা লুপাবু;
ফার' বিচার তৌখ্রে শীখ্রে হন্নানবনিবু।
হায়খি মানা শিংথৌদা, "অপাম লাংদা চঙ্‌দবা,
হায়বা গুণ অসীগা লৈতে অতৈ মান্নবা।

জাতকী শৈবোল

পূক্নীং থূত্নম চল্ল’দা মহু কল্ল অপাম’ লিন্না
চঙ্‌বা ঙম্নোই কৈদৌঙ্গং চুম্নবদা মরিম্না।
রাফম অসী তাবদা থাদোক্লপিরি মহাকপু;
ব্রাহ্মণ অহু মতুংদা চংখি লম্বোইহুনবু।
বোধিসত্ব নোংমদি ল্যাঙ্‌জা অমা উক্লরে :
মানা শদ্‌ম চেন্নবদা লাঙ্‌জাশিংবা তাহ্নরে।
লাঙ্‌জা ময়াম’ শাক্‌দা শদ্‌মু অহু থাদোক্লখি;
থাদোক্লবা মতুংদা লাঙ্‌জা শান্তি ফংজখি।
শদ্‌মহুগী মতৌনি তাইবঙপানগী অপাম্বা;
মতুতবু থারবা ফংনি মপোক মুংঙাইবা।
মুংশি–চীল্লোক্লনিংবী পিঙ্গলা কৌবী মীনাইনা,
মশাবীবু ঙাইবদা ফংখি রাবা মহাক্না;
লাক্লরোইবু শনবদা তুমখুন হুম্না তুমজখি।
থোদোকশিংদো উবদা বোধিসত্ব হায়রকখি,
“পুন্সীসিদা কনাবু লৈম্নিবগে অহেনবা
আধ্যাত্মীক-মসুংঙাই ফংজরিবা মাগুম্বা”
বোধিসত্ব লৌশিংবা রাখল অসী থন্দুনা
তানখি জ্ঞানবু অথোইবা লাইনীং লম্বী চত্তুনা

নিংথৌগী পুন্সী মন্ত্রনা কনবা

টক্ষশীলাদা বোধিসত্ব ওঝা ওইবা মতমদা,
বরানসী' যুবরাজ লাইরীক তমখি মঙোন্দা।
যুবরাজনা চৎলমদাই মন্ত্র মরি পীবিখি,
"'সী শোল্লু শিরোইদো" গুরুনবু তাকপিখি।
শোল্লনবা পুংকম্বু খঙ্‌দোক্লগা চৎখরে;
মপাবুংনা শিন্নগা মানা নিংথৌ ওইখরে।
মচা মপা'ই চহীনা তরাতক্লক গুরকপা,
মতম থাবা ওঝানা লোইদাম চম্লু চারকপা,
মপা হাৎলে' মচানা নিংথৌ ওইগে খল্লকখি;
চাক্ক হবু হাপ্পবা কমদৌশিংগা তান্নখি।
নোংমা লুকপু হারমদাই শোনখি মন্ত্র অহানবা;
গুরুগীদি মন্ত্রনি শক্তি থোইনা লৈরবা;
"হৈন-শিংনা উচিনা চায় চেঙ্‌দি মচংবু;
মরু খোল্ল' মচাখি খাল্লম্নগা মকুবু।
মন্ত্র অসী তাবদা নিংথৌ মচা মায়থিখি;
মপা খঙ্‌গ্রে খন্দুনা থৌরাঙ, অহু তোকথোকখি।
মতুং থরা লৈরগা মচা মপা কত্তবা,
ফিন্নুং থাঙ্‌বু য়েগুনা ঙাইখি মপা হাৎনবা।
পুংকম থাবা গুরুনা করি ঈকায় কায়দনা,

জাতকী শৈরোল

খৌখি মন্ত্র মথংগী "অয়োনবদো ঐহাক্না,
খঙ্‌লে তম্রে নাপ্পদা চীংলোন লান্না পুন্নকপা ।
নিংথৌ মচা হুনখরে মন্ত্র অসী তাক্লবা ।
মথং অমুক হোৎনখি মথক-কাগী শিড়িদা,
অহুদম্ নিংথৌনা শোনখি থাকপু কাবদা,
"য়োং অমা অহুঙৈ শীনখি থৌরাঙ্‌ তমখিবা ;
তনৌরবা মচানা ঙমখিদরে পাঙথোকপা" ।
মথং তম্ফম কাদনি নিংথৌ মচা লুপ্পমী ;
থোঙ্‌দা লেপ্প' মপানা মন্ত্র অমা শোক্লমী,
"নঙ্‌গী মীৎলৈ-নারৈদো, নাম-ম তাঙ্‌বা হামেঙ্‌না
হক্সাম ইখোল চঙ্‌শুদ্বা, উরে লোইনা ঐহাক্না ;
মখাদবু লুপ্পিবা খঙ্‌ই নশক তশেংনা ।"
য়ারোল অসি তাবদা নিংথৌমচা থোরক্লে ;
ঙাকপিয়ুবু নোনবদা মপানবু চৈরক্লে ।
মথুৎ ভুংবুন-পরৈ-চন কৈশুম শঙ্‌দা খমখরে ;
মপা নিংথৌ শিরগা মানা নিংথৌ ওইখরে ;

৭৯

উরোক্কা লম্মন খুম্বা

উরোক অমা লৈরম্মী কোশল্যগী কোন্নুংদা;
লুনা ভোই নিংথৌনা চংলি পাউ অরাম্নদা।
নোংমা পাউবু চংখ্রিন্তে অঙাংশিংনা কোন্নুংগী,
মিন্নুংশিবু য়াওদনা হাংখি মচা উরোক্কী।
উরোক মপী ইল্লক্রে থম্মোই শোক্না কপখরে;
মচা হাংপা অঙাংবু লম্মন খুমগে শীংখরে।
নোংমা লাকখি অঙাংশিং কৈবু য়েংবা শারংদা;
উরোক্তুপা লোয়ননা লেপখি শারং মপান্দা।
তাঙ্গা চারে থন্দুনা মচা হাংপা অঙাংবু,
মতুংলোমদ'ই ঈল্লকখি শারং মন্নুং তাম্নবু
কৈনা লুশম তাপ্লু-লাক পোকপু থেক্না চাখরে;
লম্মন খুম্বা ঙম্বদা উরোক মপী পেনখরে।
চংলগেবু নীংতুনা থাদোক্রম্ম' কোন্নুংদো,
নিংথৌদবু অমখিদো করি' খুম্বা লম্মন্দো।
অচুম' চংপা নিংথৌনা য়ারোখিদে মতুদা;
পূক্নীং- পাংশোয়নদনা লৈয়ু হায়খি উরোক্কা।
মতম লোইরে হায়তুনা বিদায় তম্না লৌখরে;
নোংদোন-অতিয়া মরক্তা হিমালয়দা পাইখরে।

জীতকী শৈরোল

৮০

নোংশা অমদি শল্লাবা

শঞ্জেন্নহানা উমংদা শন্নাউ অমা থাদোকখি ;
নোংশাগবু শন্নাউদো চেংনা মন্নপ শান্নখি ।
চাউরক্লগা মচাশু লাৎ 'মমম পোক্লম্মী ;
মমাশিংগী মতৌংম মখোয় চান্নজরম্মী ।
অস্তুম তৌবা মতৌসে তমখি মীনাই, নিংথৌদা,
"অহুমশুবা শা অমা লাক্লবদা মরক্তা ;
থোক্লগনি ফত্তবা ;" হায়খি নিংথৌ লৌশিংবা ।
হায়রি'হুমেক থোক্লবে লাক্ল লমহুয় ফত্তবা ;
শাজাউ অনী উবদা খনখি লমহুয় পুক্লীংদা,
"নোংশা শনশা অহাউবা চারক্লিদো অমুক্তা
অহুনদি চারগে অনী হাত্তোক্লহল্ল ;
খৎনহল্লে অনী'দা হীগায় রাবু কাপশিল্ল;
ফ্ নবদা শিখরে চান্নথুবা অনীদো ।
করি নোংদ মখোয়'নী কায়নররোই খনবদো
শাগী শদুম ফক্লনা চারিঙৈদা লমহুয়না.
কাশী নিংথৌ বোধিসত্ব লাক্লে দোলাই তোংহুনা
মতৌ অসী উবদা হায়খি নিংথৌ লৌশিংবা ;
রাচুম্নবা য়াম্নানি অমুক শোয়বা লৈত্রবা,
"খাইদোক্লবা ওম্নরোই খম্নবা অনীদি,
হীগায়রাগী থাঙলেন্দ্রা থরায় থাঞ্রে মখোয়দি ।
হীগায়ন্নাবু চঙলবা ফনা মুংশিনসল্ল ;
নোংশা, শনগুম কেমগনি ফনা চান্নজসল্ল ।"

জাতকী শৈরোল

৮১

পেবেৎকী মরূপশিং

হিমালয়গী উমংদা পেবেং অমা লৈরম্মী;
পাইবা হৈত্রি' মচাশিং মানা লোইনা কোল্লম্মী।
অসুমবু লৈরিঙৈ শামু শল্লুপ য়ৌরক্লে ;
শামু শল্লুপ লুচিংবা বোধিসত্বদা হায়জরে।
পেবেং মরা তাবদা শামু লুচিং-পুরেনবা,
ময়াম 'মত্তু নেংহন্দ্রে তাবিদ্রুনা হায়জবা।
কোল্লা লাকপা শামুদি নায়তোম চৎপা অমনা
হায়জবদি তাবিদা মখোঙ, খোঙপাক য়ুম্বীনা,
পেবেং মচা লোইনবু নেংথৎপিখি অথৌনা।
মচা হাংখ্র' পেবেত্তী করিবুদি ওইহৌরি!
মচা কায়ন মৈশা-লাং ওন্না থোইনা থাঙহৌবি।
লম্মন খুমগে খুনখরে শামু অহু'ই মথক্তা ;
হায়জরুরে মরূপশিং কাক, হয়িং, হঙোইদা।
কাক্কা শামু মমীৎপু হোত্তোকথরে থূদক্তা ;
হনবু তম্না কাইজিনখি হয়িংনদি মহুদা।
অনা-মৈচাক থাঙবদা ঈখৌ লাংল' শামুদো,
ঈশিং লৈক্কম থিরক্লে মনাত্তোম্না লামহুনা
হঙোই খোংখি থক্তবু শামু কাখি থক্তবু ;
হঙোই খোংখি থাদবু শামু কূমখি থাদবু।
অসুম তৌনা অকা-অকূম মমীৎ তাঙ' শামুদো ;
চীংদগীবু ওন্থর' শিরে প্রকক্তবদো।
মচা হাংপ'ই লম্মনবু 'সুম্না খুমখি পেবেত্তো।

জাতকী শৈরোল

৮২

মহারানী সুসসোন্দী

কাশী নিংথৌ অম্বাগী মশক মতৌ ফজবী,
রানী অমা লৈরম্মী সুসসোন্দীবু কৌরবী।
গরুড়গী মপোক্তা পোকপা বোধিসত্বনা,
পাখং মচা'ই শক্তম্লো কোন্নুংলবু লাক্লুনা,
নিংথৌগবু ফুত্তিগী শান্নে চৌবয় হুংঙাইনা।
মথোং কাবা অনীদো মীংফম ছনৈ উবদা;
নোংমা পুত্রে সুসসোন্দী গরুড় মাগী ঈথত্তা।
শক্তি লৈবা গরুড় লাকই অতুম কোন্নুংদা।
নিংথৌ থম্মোই কায়রুনা ঈশৈ-শকপা কৌরগা;
হায়খি; "রানী থিরুরো কোয়না-তাম্ন চংলগা।"
ফাক্ককাছা য়ৌরগা স্বর্ণদেশ চংনবা,
হিহোনবশিং ঙাঙ্‌নরে মাবু পুজেম্বীনবা।
"ঈশৈ শকউ পুবীনি," হায়রবদা শৈশকপা,
ঈপাক-ইরেন য়ৌবদা শকখি ঈশৈ নুংশিবা।
শাজাউ-ঙাজাউ ময়াম্না ঈশৈ তাগে হায়রুনা,
চোংথংপদা হিথক্তা লা-ক্রে হিদু কায়রুনা।
উপাক অমা তোংহুনা লাক্রে মদোম শৈশকপা
য়ৌখি নাগা চীংবুদি গরুড়না লৈরিবা।
সুসসোন্দীগা উনর' পুকমেন-পাওমেন্নথুরে,
অপাম-তিল্লাং-তিঙ্গুম্ন' হৈরাঙ্‌ লোঙ্গানখরে।

অসুম তৌনা লোত্তুনা লৈরাং লোঞ্জিন্নহুনা,
মুমীৎ শীংবুম কয়ানি লৈরম্নগা লাক্তুনা,
হীরোয়শিংগা লোয়ননা কাশী কোম্লুং য়ৌখিদো।
রারী-রাখোঙ্ খঙ্নবে গরুড়না হায়খিদো,
"ঈরাংমদা লোত্তুনা অসুক চেৎনা থম্ববু
হকশেন্নবা ঙমখিদে অচচা-লমচৎনবীবু।"
লৌরুরগা সুসসোন্দী পীখিরম্মী নিংথৌদা,
বোধিসত্ব অমুকহন' লাকখিদরে কাশীদা।

৮৩

লৌনম্ব লৌনম্মা ঙম্বা

ব্রাহ্মণ মচা লৌশিংবা মহৈ-মশিং চঙ্খোল্লে;
গুরুগুম্মা মহাকসু তেনকাপ-লৌশিং লৈরক্লে।
মসিদবু গুরুনা পেল্লহুনা মঙোন্দা,
মচা মুপী থাজখি, লাকখি অনী কাশীদা।
"উমং অসী লানগনু শামু লমশা লৈবনি।"
থাম্লকখিদো ময়াম্না "খুদোংথীবা ফংগনি।"
নাচুংববু লৈতনা মখোয় অনী চঙ্শিনখি,
শামু লমশা থোক্লকপা তেনকাপ 'মদা লোইশিনখি।
মথং' উমং য়ৌরক্লে হুরানবনা থল্লবা;
হুরান' য়াথ্নে লৈরম্মী নীংহম্নদে অকনবা;

তেনবু 'মমম্ থাছুনা হাত্তোকখয়ে লোইনবা।
লুচিংবতা ঙায়হৌরে ফারে মাবু নম্নবু ;
"থাঙ্‌লেন শংলু খ্বাঙ্‌দগী শোইগে মঙক তোংদসু।"
হায়রকপদা লমশাদো লুচিংবছু পাম্মুরে ;
থাঙ্‌লেন শংল' মত্তোম্না ব্রাহ্মণবু পীরুরে।
লুচিংবনা থাঙ্‌খোক পায় ব্রাহ্মণ' মঙক শোইখরে ;
মরা লৈত্র' ব্রাহ্মনী লুচিং' মফুং ইনখরে।
চৎনা চৎনা লুচিংবা থনখি রাখল অমবু,
"মরা লৈবী মুপীনা হাত্তোকহল' মবাবু,
ঐগী ইতুং ইনক্রে থাজনীংঙাই করিনো!
ওক্ত লমচৎনবীসে মাবু ঐগী কনানো!"
থাদোক্লমগে থন্দুনা মথং মথং লকপনা,
তুরেল অমা থেংনর' হায়খি মুপা অছুনা,
"গুন্তীর অমা লৈ'সিদা ঐখোয় অনী চাগ্রনি ;
নরীক-নকোন লাম্বোক্ল' তুংদা নঙ্‌বু লৌরনি।"
মুপীছুনা লীক-কোন্দো লৌখোক্লগা পীখরে।
ঈরোইছুনা মুপাদো ঈচেল রাংমা লানখরে।
মুপা 'ছুনা লাউরম্মী, "ঐহাক চৎলে লৈহৌরো ;
ওক্ত-লমচৎনরবী। মুপা অমা থিহৌরো।"
ভোর্ব্বান রাংমা অছুদা মুপী মদোম ঙায়হৌরে ;
ভীম্ব্রাক ম্যাংদৌ চোংবঙম লৈমায় থক্তা চোংহৌরে
সাকা লাইবু শাইওনবা বোধিসত্ব লৌশিংবা,
থৌদোক পুম্বা উহৌই অকি-তুজুং' থলবা।
মুপীছুবু ইকাইবা পীগে হায়না থুংলরে ;

জাতকী শৈরোল

মাতালিগা ৱোয়বনা . পঞ্চসিখা য়াওনরে ।
মাতালিনা ঙাবু-ওন - ঈচেলহুন্না লোংঙুরে ;
পঞ্চসিখা -উচেক-ওন লয়না-কোয়না পাইয়রে ।
সাকা ল্লাইনা লমহুয় ওন শদ্রুম চীংলা মচীকা,
লাক্লে মথোয় অহুয়দো মুপীহুগী মনাঙ্গা ।
মাতালিনা ওনবা ঙামা থক্তা চোংখংলকপদা,
শদ্রুম থম্ব' লমহুয়না ঙাবু লাকে তৌরিঙৈ,
পঞ্চসিখা উচেকনা শদ্রুম লাক্ল' পাইখ্রিঙৈ,
ঙাহু অমুক ঈশিংনা..'লম'বু. লাউনা চোংথগ্রে
ঙাম্ব কংগ শাম্ব-ফদ লমহুয় কহামাঙ ভাথরে ।
মতৌ অসী উবনা হৌনা নোকখি মুপীদো ;
মুপী' মীনোক ভাবদা লৌশিংলবা লমহুয়দো,
হায়খিবশী অম্মু,—"কবিগীনো নোক্লিবা ?
মুপা অসী মাঙলগা করি' নঙনা ফংলিবা ?"
ঈকাইদনা লিঙ্গরে মুপী য়াহু ভাবদা.
হুমখি,"মতু তৌরয়োই অত্তোপ' অমা ফংবদা ।"
উথুম্লকখি লমহুয়না,—"চক্লু হুবাল্লবরা,
শেঙ্গেং .পাত্র হুরাজি ভাঞ্জানবু ফংলবা ;
নত্রা হাংপা ঙমীনি, তৌনি হেম্না ফত্তবা ।"

৮৪

হৌদোঙ অমাদি য়েনবা

মপোক অমা বোধিসত্ব পোকখি য়েনবা ওইদুনা ;
মরোয়- মনাউ মখোদি চাখি হৌদোঙ অমোম্মা ।
হৌদোঙ অদু হৌজিক্তি য়েনবাদুবু চানীংলে ;
নোংমা লাক্লে উথাদা থোংনা মেঙ্গনা হায়রক্লে,
"উথক্কবু তোংলিবা ! নশা নতোক্ক ফজবা !
ঐসে নঙগী খুপীবু ওইগে, লাক্লো, নীংথিবা !"
বোধিসত্ব লৌশিংব তারদুনা খুম্বনি.
"ফজরবী ইবেম্মা ! নখোঙ মরি পানবনি ;
অনীদনি ঐগীনা ; লুহোঙনদে শা-উচেক ;
অতোপ' অমা থিরুরো ;" ডাওই য়েনা বা-মচেক ।
"য়াইফহনগে নহাকপু ;" পীখি হৌদোঙ পাউথুম্ব ;
"ওইগে খুপী নহাকী নত্রে ওইগে মনাইবু"।
বোধিসত্ব চৈগে-নীং হায়দোকখরে অম্মা,
"ঈরোয়-ঈনাউ কয়াবু চাথোকখরে. নহাক্না ;
ঈকাই থুম্মরবী ও ! খঙদেদকো ইকাইবা !"
হৌদোঙ অমোম খৌদুনা ঙমদ্রে মতুং মোংলবা ।

৮৫

শাশিংগী মরোল

লিন্-নিংথৌ থবায়বু সেন্নাকানা কনবীখি ;
মরমহুনা মখোয়গী চেংনঃ মন্নপ শানখি।
লিন-নীংঙোল অমসু নিংথৌ'সিদা পীহুনা,
চান্ন-চিন্ন মরীথম পান্নখিদো হুংঙাইনা।
লিন-নীংঙোল লোয়ননা সেনাকাদি নিংথৌনা,
লোংমা পূত্রী অমদা শান্নখিদো হন্নাউনা।
তাঙ্গা অসীমক্তদা লিন-লাবা থোন্নকখি ;
লাব-অমোম অনীহু হৈন্নাঙ্ লোঙ্গা চানখি।
লিন-নিংথৌনা পীরম্বা উবা ঙম্বা মন্ত্রনা,
মতৌ লাঙেঙান অসীবু উখি নিংথৌ মমীংনা।
রাচেং অমা পায়হুনা রান্নকপগী মতৌদা,
শেং লাউনা কুথরে লিন-নীংঙোল মশাদা।
লিন-নীংঙোল রারৌনা মপামদবু চংথরে ;
নত্ত ওইদ' ভম্বদ'ই মপাম কাওবু শাউথরে।
নিংথৌবুদি চীক্লবা লিন মন্নাম থারক্লে ;
তাঙ্গা চাবা ঙাইহুনা লূমদূনবু লৈরক্লে।
তুম্নমদাইদা-নিংথৌনা রামী শাখি রানীদা ;
মীরোল থঙ্বা লিনশিংনা রামী অহু তাবদা,
তুমিন তুম্নিন চংনখি মনীংথৌদা ভমজখি।
পেন্নহুনা লিন-নিংথৌ কাশীদবু থুংলখি।

জাতকী শৈরোল

লোন-লোইনা খণ্ডবা মন্ত্র নিংথৌদবু পীখরে।
মন্ত্রসাগী ময়াইদি অমুক মতীক কনখরে,
পীথোকপ্রবা অমদা শক্তি অমুক লৈররোই ;
খাম্বী থৈমা চাতুনা পুন্সী লুংশাংনররোই।
মুমীত্তু দ'ই সেনাকা লোন পূম্বা খণ্ডখরে।
নোংমা খোইহী চাবদা মরীক অমা তাপরে ;
"খোইহী চফ্ কায়রে লাউ'!" ককচেংশিংনা হায়খিবা,
হয়িং লাবা অমোম্না হেঙোনবা তারকপা,
"নিংথৌ মনঙন্দবু ফমদিন্নলী" হায়রকপা,
চাক চারিঙ নোংময় চাক চদ্ম তাখিবা
ককচে' ময়াম লাক্লগা, "চেঙপোৎ কায়রে !" লাউখিবা,
থৌদোক খুদোং নিংথৌদো হেক-হেকপু মনোকখি ;
খুঙজনীংবা য়ানীনা নোকপ'ই মরম হংজখি।
তাকপা য়াদ' মন্ত্রবু তাকথোকপিয় তকপদা,
হায়দোক্লগা শিনবা বনগী যাত্রা লাকপদা,
সাকা লাইবু ওন্নবা খোংকিসব কৌরবা,
হামেঙ লাব'ই শকত্নো লেপখি কনা উদনা।
আসুর'ই মচা সুজানা হামেঙ অমোম ওন্নক্লে ;
পাদোংনগে হায়তুনা অনীনবু তেমশীংলে।
শগোলনবু হায়রকই, "মন্নপ-করি মত্তৌনো।
ঈকাইববু খণ্ডবা করি' অদ্ক পণ্ডবনো !"
"পণ্ডমনবনা নহাক্কী থাদোক্লকাও চেন্দবা !
নঙোন্দগী হেনবনা ননীংথৌনি অঙাওবা !"
শা অনী' য়ারীদো মরোল খণ্ডই নিংথৌদো ;

নিংথৌ' পঙব'ই মরমদা হামেঙনবু হায়খিদো
"খ্বাইদ'ই হেনবা থরায়নি, থরায় মাঙবা ভারবা
সুংশিজবা মহাকী; লৈত্তে মাগুম' অপঙবা ।"
বাফম অসী তাবদা নিংথৌ জ্ঞানবু তাখরে ;
হায়খি মহারানীদা, "মন্ত্রবুদি পীনিদো ;
ননঙন্দা লীচৈবু চাম্মা হান্না ফনিদো ;
মহারানী য়াথরে মন্ত্র পাম্মনবদগী ;
অনৌ 'হুম্নক খাঙলম্মী চৈফু-চৈনাখোন্দগী ।
মতুং খাঙবা ওমদরে, "মন্ত্র কৌ'দ পামজদ্রে ;'
হায়রম্নগা চেনখ্রে নিংঙাই অমুক তৌখিদ্রে ।

———

৮৬

লৈনম হুরানবা

মপোক অমা বোধিসত্ব ব্রাহ্মণ ওইনা পোক্লম্মী ;
টক্ষশীলাদা চত্তুনা মহৈ মশিং তম্লম্মী ।
তুংদা লাইবু নীংতুনা খ্বাংপোক অমা শারগা,
থম্বাল লৈনম নম্লম্মী মনাক্তবু কম্নগা ।
মতৌসিদা উমংগী লাইরেম্বীনা হায়রম্মী ;
থোম্বন-নৌর' খোঙ্গেন্দা তপ্না-মেঙ্না চৈরম্মী,

"লৈনম করি' হুরাল্লি নঙ্গী নত্তে থম্বালসে !"
—"হেকপা নত্তে, ইবেম্মা নম্বতনি লৈনমসে।"
'সুম্না ঙাঙ্নরিঙৈদা মুপা অমা কুমথখি ;
প্থ্রীচুংদা হৌরিবা থম্মৌ থম্বাল হেক্তুখি।
বোধিসত্ব লাইনীংবা মুপাচুবু উবদা,
মখূদোম্বী খিল্লগা হায়খি লাইরেম্বীচুদা,
"মরু-মরা ফ্কুনা নৈহৎপদি ঙাঙ্ট্রিবা !
চুম্না লৈনম নম্বা ঐঙোন্দনা চৈরিবা !"
—"মথোঙ্-চুক্ত মুপাদি মজ্নুর' ফিগুম্মী
পাউতাক চঙদে মঙোন্দা লৈচিল-তেন্দমগুম্মী।
অশেংববু খিঁরিবা পুণ্য তানবা মীদদি,
লৈচিল থাগুম মমগনি পাপ মরীক অমদি।"
—"মুংঙাইজরে লাইরেম্বী 'সুম্না হেক-হেক ঙাঙবিয়ু;
ইরাল খিত্তং উবদা ঐবু হেক-হেক চৈবিয়ু।"
—"করি' ঙাঙ্ব'ই ঈতীক লৈ ! নপোক ঈপোক ত্মিমদে;
জম্বী খিজৌ নশানা ঐগী শক্তি লৈজদে।"

৮৭

ফত্তসঙ্গ তৌবা নোংশা

নোংশা অমা লমহুয়গা তোংন-তিন্ন উবদা,
বোধিসত্ব নোংশা'পা হায়খি মচা নৌংশাদা,
"তাওনে, নঙবু, মনোজা! শাদ'ই ফত্ত' লমহুয়নি,
গীরিয়াদি লমহুয়জাউ তিন্নগনু মাঙগনি।"
য়াবা লৈতে নহাদো তিন্নে অহুম লমহুয়গা;
মকোন্দবু পুশিল্ল' লৈমিন্নরে মহাক্কা।
নোংমা ল্লমহুয় চানীংখি শগোলগীদি শদ মদো;
কাশী তুরেল ময়াদা লৈরিবদি ময়ামদো।
লমহুয়রবু ঈনশিনবা, চংলে নোংশা অথৌবা;
তোর্বান্দা লাক্কুনা শগোল ময়াম লৈরিবা,
অমা শারাক তম্নগা লেংথোংননা পুরক্রে।
মতৌ অহু উবদা নোংশা মপা' পাওহোন্নে,
"শগোল চাবা নোংশাদি কুইনা হিংগন্দবনি
লৈবাক নিংথৌ শাদোংনি লায়না শাহুখিগনি।
ঙাঙবা লৌদে মপানা; মরূপ লমহুয় লোয়ননা,
হুমীৎ খুদীং শারাকম শগোল কয়া চাবনা,
রাকম অসী তরাইত্রে নিংথৌ মনা য়ৌরক্রে;
তেনশু—হৈবা অমবু মকম চানা লুমহল্লে।
শগোল অমা লেংদ-থোং নোংশা, মকোন তম্বদা,

খূকাপ চুম্বা তেম্না-থা নোংশা ত্থুরে লৈমায়দা।
থাপ্না ঙাইবা লমচ্ছয়দো মতৌসিদা চেনখ্রে,
থৌইনশিনবু য়ারুবা নোংশা য়াইবী মাঙখ্রে।
মতৌ অসী উবদা হায়খি নোংশা মপানা,
"সঙ্গ-ফক্ত' মচাগী ম্নুংঙাই' লৈতে মমানা;
য়েংউ ত্থুরে মনোজা গীরিয়াগীসঙ্গদ'ই।
অশেং' মরূপ অশিংব'ই পাউতাক লৌরুদবদ'ই,
রাংনা পোকচরবস্নু ওইনৈ লৈখা তা-নবা
অতোনবগী সঙ্গদা মাঙনৈ মিংচৎ অফবা।"

৮৮

শনম্ব অমদি লমছয়

মায়াবীদি লমছয়না মাগী তাল্লোয় 'তোম্বীগী,
ঙাবু থিবা থোরকপা মপান্দবু ত্থুরেলগী,
অঙ্গুত্তিরা গুস্তীরা শনম্ববু অনীদি,
ত্থুরেল ঈশিং ময়াদা লুম্মম্মীদো ঙাবুদি।
রোহিত কোবা ঙা অমা উরে মখোয় অনীনা,
ফন্নবু লাউনা চোংথগ্রে ঙাজাউচ্ছবু তাপ্পু ফায়;
মরূপ অনী চঙচ্ছনা হুঙ্গৎপদা থক্ক তাই।
অস্থক রানা ফারবা ঙাজাউসীবু মখোয়না,

য়েম্নবদা খংনরে য়াম্মী য়ামদে হায়হুনা।
লাক্লে লমহুয় মায়াবী মতম অসীমত্তুদা;
"ঙাবু খরা য়েনবিয়ু;" হায়জরেদো মঙোম্দা।
য়ায়েল হৈবা লমহুয়না ঙাদো অহুম থোক্কোক্লে;
"নহাকীনা মকোকসে ;" লমহুয়নবু য়েল্লক্লে;
"নহাকীনা মমৈসে য়ায়েনব'ইনাময়ামসে।"
হায়রম্নগা ঙাম্ন চীক চেনখ্রে, পীখ্রে, "পেম্ম সে।"
শনম্ব অনী শোলহৌই, "পঙখ্রেদকো ঐথোয়সে!
খংনরমত্র' থম্নি পূক; ওম্তোকপবু ওইরেদা"!
"করম্নবু ফংলকপা?" হংখি অমোম লাবদা,
"নঙদি কংফাল জীবনি ঈশিং জীব অসীবু,
মত্তৌ করম কুমহুনা ফারকপনো ঙা 'সীবু?
হরাউবগুম নিংথৌনা মীরম জয়বু ত্তৌবদা,
হরাউজরি ঐহাকস্ন নঙগী থৌবুম উবদা।"
''শনম্ব 'নী খংনব'হ্ন ফংখি ঐনা ঙাসীবু
চাও, পেম্মা! হাউনা চাও;" 'হায়খি লমহুয় 'সুম্নবু।

জাতকী শৈরোল

৮৯

ব্রাহ্মণ অমদি লিন

ব্রাহ্মণ্‌বী ওক্ষবী তুক-লমচংনরবী;
মতম হাওবা য়েংলগা মকম্বীবু পুশিনবী,
নোংমা নুমীৎ অমদি চয়োম খরা খাউদ-হাপ,
থাদোরক্লে ব্রাহ্মণদো লাইরবনা চরী-হাপ।
ভিক্ষা নিবা চৎপদা শেঙ্গা চাতরেং ফংজখি;
উখা 'মদা ফম্লগা চয়োম থোক্ল' চাজখি।
খাউদি মথুম ফাজীন্দ ঈশিং থকপা চৎথ্রিঙৈ,
লিন্দী মুশীল মুরবা মঙ্গুং চঙ্‌ল' চারিঙৈ,
ব্রাহ্মণ অহু হল্লক্লে খাউহু মথুম খুমজিল্লে;
মরেংবান্দা য়াল্লগা অমুক চৎপা হৌরক্লে।
উগী লাইনা মতৌহু উরহুনা হায়খিদো,
"লম্বীদবু পল্লবা, ব্রাহ্মণ! নহাক শিনিদো;
নঙ্‌গী নুপী শিগনি নয়ুমদবু য়োৌবদা।"
ব্রাহ্মণ অহু কিবনা লোইরে রাহু তাবদা;
বোধিসত্ত্ব'ই মনাক্তা কপ্লহুনা লাকচখি।
খঙলহুনা মুনিবর ইংন-তপ্পা হায়রকখি,
"শিবা য়াব'ই মরমদি লিনবু য়াওরে খাউহুদা!"
তশেংনমক য়াওরক্লে হাংদোক্লুনা য়েংবদা।
ব্রাহ্মণ ময়ুম য়োৌবদা তরেং শেঙ্গা ফংলকপা।

হায়দোকখরে মুপীদা মানা কৈদা লোৎলগ্গা।
মথং-ঈমুং ভানবদা ব্রাহ্মন্দুনা চত্নুনা,
থিরুবদা ফংদবে লৌখ্রবনো কনানা।
ব্রাফম অসী ওক্রবা মুনিবরদা তমজখি;
মুনি য়াথং তুংইন্না অতিথি সেবা লাওজখি।
"তোয়না লাকপা মুপাদো মরুপ্নীরি মুপীগী
হুরানবনি মহাক্না তরেৎ শেঙ্গা নহাক্নী।"
মুনি' পাউতাক লৌজর' মরুপ-মপাঃ চাকৌখি;
তোয়না লাকপা মুপাদো মুনিদবু খঙহনখি।
বোধিসত্ব লৌশিংবা কৌখি মুপা অত্নবু;
খমকা-ঙমকী তৌবদ'ই য়াজখিদো মরালবু।
মুপী মুপা অনীমক চৈরাক-কয়া পীখরে;
লাঞ্জব্রবা ব্রাহ্মন্দো মুনি' নাক্ত লৈখরে।

৯০

য়োংশিংদা ব্রাহ্মণা নম্মন থুম্বা

মপোক অমা বোধিসত্ব য়োং ওইনা পোক্লম্মী;
নিংথৌ লৈকোল উখক্তা ময়াম পুল্লপ লৈরম্মী।
নোংমা নিংথৌ পুরীৎনা ঈরুজর' কারকপা
উশা কায়োঙ মথক্ত'ই য়োংনা আঁচাঃ তৌরকপা

বোধিসত্ব তাবদা, "ওস্থোক্লস্ন ফত্তেদা,"
ছায়রম্লগা খরগা চৎখি মফম অমদা।
লম্ন হেনবা য়োংছুদি খর'মগা লৈহৌরি।
নোংমা নিংথৌ' নাইস্নুবী লাদ কৌবু কৌরন্নি,
হামেঙ্'মনা চাবদা মৈহুম্নবু থাহনা,
তাল্লকপদা হামেঙ্ছু চাকখি মহু মৈহৌনা।
মৈরি অহু মুৎনবা ফক্লাংদবু তকপদা,
শামু শঙস্ন থাংপোকস্ন লোইনা মৈবু চাকপদা,
শামু খন্না অমস্ন চাকখি মউল শাথৌনা
শামু লায়-য়ে'নবগী কৌখি পুরীৎ নিংথৌনা।
"য়োংগী মহাউ তৈবগা ফনি শামু'ই অনাবা।"
ব্রাফমসিদা পুবীৎকী হাৎখি য়োং অয়াম্বা;
নাস্থোক্লকপা খবনা তমখি বোধিসত্বদা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা হায়খি ব্রাসী তাবদা,
"অশিংবনা কৈদৌন্নুং য়েক্লবগা লৈফরোই;
অপঙবনি খঙ্লবা মাগী মবা লৌফরোই।
লৌশিং লৈবা অকনবা ময়োয়-মনাউ ঙাক্কনি;
মাগী লৌশিং পাঙ্গলনা প্রমক ফহন্নি।"

য়োংগী মশা কথোকপা

মপোক অমা বোধিসত্ব য়োং ওইনা পোকলম্মী;
য়োংগী লুচিং' ওইহল্লা হিমালয়দা লৈরম্মী।
মগুণ লৈবা হৈনৌ 'মা গঙ্গা 'নাক্তা ঙৌরম্বা,
উহৈ অহু চাহল্লা হিংখি মখোয় লোইনবা।
"উপালসীগী উহৈনা ঈশিংদবু তারবা,
শোয়দে নোংমা ঐখোয়সে অরাববু কংলবা।"
লুচিংবনা অসুম্না হায়রকপদা ময়াম্না,
চাথোকখরে লোইনবা মনা-মহয় শিং-শীংনা।
'সুম থোকউ হায়হল্লা, উহৈ অমা মুম্লবা,
খাবু পাংনা তাউথখি য়ৌখি মকম থাপ্লবা।
কাশী লমদম য়োবদা হৈনৌ অহু খুনখরে;
ঙা ফাবা অমনা নিংথৌদবু কংখরে।
উহৈ মহাউ তংবদা পেল্লহল্লা নিংথৌদো;
মনাই-মশল লোয়ননা লীখরেদো খোজ্লদো।
হৈনৌ মখোঙ, য়োরগা খরা অমা চারগা;
মনাইশিংবু শঙ্হনখি মৈবু কোয়না থারগা।
খ্বায়নবু তুম্লিঙৈ নোংয়াম্না চবুক লোনবদা,
য়োংয়াম উদা কারক্লে বোধিসত্ব'ই লমজিংদা।
তারে নিংথৌ হৌগৎলে মনাইশিংবু হৌদোক্লে
"য়োংয়াম অসী কোয়শিল্লো;" ম্রাথং তম্না পীরক্লে।

জাতকী শৈরোল

"শিবা তারে য়োংয়ামসে" বোধিসত্ব খন্দুনা,
যাপলদব্ তাখয়ে উথক্তবী চোংহুনা।
উনৌ অমা চীংথয়ে মথ্বাঙ্ হুন্দা পুম্জিল্লে;
চোংগে তৌ'দা শোয়হুনা উশাদব্ য়াঙ্গুম্বে।
য়োং লীশিং মন্নিফুদো লালহনখয়ে নজন্দা।
মৈদোনথংবা দেবদত্ত কম্না চোংথরকপদা,
বোধিসত্ব'ই লু জাউদো 'খোক' লাউনা ভেকখয়ে;
চৈনাখোম্না য়োংনিংথৌ হেদো-নাহে চনখয়ে।
কাশী নিংথৌ ভসায়দ'ত তৌম্নিবহু উহুনা,
লৌথহল্লে য়োংহুবু মথক্তবু কাহুনা।
বোধিসত্ব খুম্লকখি কাশী নিংথৌ রাহন্দা,
"মথোয় ঐগী প্রজানি; মথোয়'ই অরা-অনাদা,
ঐগী থম্মায় কখোকপা নিংথৌ ঐগী ঈথৌনি'
প্রজা য়াইফহনবনা লৈত্তাকপগী পান্দম্নি।"
অসী য়াবু হায়রম্ল' বোধিসত্ব নোঙাখি;
নিংথৌ অম'ই হৌনবী মথৌ-মত্তম পাঙ্খোকখি।
য়োংগী কোক্লেন অচৌবা মনা য়াইবু থাহুনা,
ইকাই খুম্ন উৎচখি ধূপ থাউমৈ থান্দুনা।
পুন্সী চহি কাশীনাথ তাকপিরম্বা তৌজখি;
বোধিসত্ব'ই পাউতাক্ত'ই দান ধর্ম্ম ওমজখি।

যুবরাজ অমদি মনাউগী থৌনা

মপোক অমা বোধিসত্ব যুবরাজ ওইনা পোক্লম্মী ;
টক্ষশীলাদা মহৈ-তম শাগী মরোল খঙ্লম্মী।
মপা কাশী নিংথৌনা লপ্লাকপবু ওইহনখি ;
নিংথৌ মচা বোধিসত্ব য়াথং ইন্না লৈঙাকখি।
মানা লৈবা য়ুময়াদা নোংমা অহিং অমদা ;
মপীহুনা হায়রকখি লমছুয়, মচা থেম্বদা,
লৌথোরকপা মতমদা মুপা অসি' খোঙউপসে,
চেল্লক্লগা ঐহাক্না পীজরগে কপ্লুসে।"
মরোল খঙ্বা বোধিসত্ব খোঙ্উপ লৌথোকহনখিদে ;
নীংবা কায়র' লমছুয়দো শাউব'ই ওমখৈ লৈখিদে।
য়ুবু ঙাওবা অমথক ইশিংদবু তারিবা,
খঙ্খি লমছুয়' মরোন্দ'ই বোধিসত্ব লৌশিংবা।
"শেঙ্গা লীশিং য়াওবনি খুদোপকাম্হু শিবনি ;
লৌথোরকউ পুম্নমক অরেম্বদা মাঙ্গনি।
অশি' মীহু'ই মশাহু লপহল্লম্মু ঈশিংদা ;
অতৈ মপোং- মচৈবা পুশিল্লকউ অসিদা।"
ঙপুম-অশা খরদং ফংগদৌবা কক্খিবা,
লমছুয় মপী চাজেনবী হেঙ্গৎলকখি অশাউবা।
"ফরে, লান্দা থাহনগে মঙ্বু নপা নিংথৌনা ;
মঙ্গী কোক্লেন ককপগী ঈহু থকে ঐহাক্না।"

জাতকী শৈরোল্

হায়রি 'সীমক থোক্লরে, লানবু লাক্লে কাশীদা;
বোধিসত্ত্ব য়াখিদে লানবু চৎলু হায়বদা।
লাম্মী থরা পুরগা থাদোকখরে সহরত্থু;
নিংথৌ মহারানীশু থাদোক্লম্লে কোন্নুংথু।
অশোমদনা নারোন্দা বোধিসত্ত্ব লাক্লুনা,
লান্দারকপা নিংথৌবু মায়থীববু পীহুনা,
কাশী' নিংথৌ ওইহুনা পানখি মরা তপ্পবু;
অচুম্বতা চত্তুনা মুংঙাইহনখি প্রজাবু।
উমংহুদা নিংথৌনা রানা মতম লেপ্লক্লে।
মীনাইহুগা রানীগা নত্ত-লোনচৎ চৎলক্লে।
নোংমা পুখ্রী অমদা ঈরুজবা চৎপদা,
পরানতপ্পা মীনাইনা নিংথৌহুবু হাৎপদা,
পুরীৎনবু উহৌই উনা পুংবা উশাদ'ই;
'শরৎ লাউনা চেম্বোকখি ব্রাহ্মণ পুরীৎ মহুদ'ই।
লৌশিং লৈবা পুরীত্তো শাশিন্নর' মীৎতাঙ্বা,
করি খঙশিন্নদনা ঙাইখি খুদোং চারকপা।
মতম খোঙলৈ তুংইন্না নিংথৌ' হৈক্ল পনখিবা।
রানী শীওন্নংদগী মুপা অমা পোকখিবা
নাবা হোম হোম চাউরকপা পাখং শরেপ তাল্লক্লে
নিংথৌ নীংবা পুরীৎনা ব্ররোল পুম্বা হায়দোক্লে।
রাকমসিদ'ই যুবরাজ লম্মন খুমগে তেমশিংখি,
পরানতপ্পা মীনাইগা ঈরুজবা থোরকখি।
পরানতপ্পানা লপ্পিডে পায়খ্রে শিখা অচৌবা;
'হুগা হায়খি অশুম্না, তাও! মীনাই লৌনম্বা।

নঙ্‌না ইপা হাংখিবা লম্মন খুমগে খঙ্‌গনি;
নঙক ত্তোংদম শোইহ্নলা ঐনা নঙবু হাংকনি।"
"শরুং লাউবা সন্দো মীরা শারা খঙদবা,
অম্ররবোই নঙোন্দা পাউ পুন্থা অরোনবা!"
অসী হায়রু' মীনাইদো শিননবা শেম শাখি;
নিংথৌ মচা নহানা থাঙ্‌না মঙক শোইদংখি।
মতুং, মখোয় অহুমদো লাকখি কাশী কোন্নুংদা;
বোধিসত্ব উৎলকখি মুংশিবদো মনাউদা।
লুপ্লাকপবু হাপ্তুনা লৈবাক অমা ঙাকহনখি;
দান ধর্ম্ম ত্তৌবগী মুংঙাইবদো ফংহনখি।

৯৩

কবোকৈ অমদি হামেঙ

হামেঙ, অমোম অমনা কবোকৈগী মখুত্ত'ই;
নাম্বোক্তুনা করম্না হিংজরকপা শিবদ'ই,
রারী অসী মোগগাল্লানা তমখি বোধিসত্বদা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা তমখি মোগগাল্লানাদা,
"হামেঙ্‌, মরাম হোইরকখি খুন্নু'চীংমুংহুত্তগী;
হামেঙ্‌, অমোম অমদি তামখি শরুপলকগী

জাতকী শৈরোল

শুরুং অম'ই মপান্দ। কবোকৈ 'মা লেপ্পল্মী;
'লোইরেদনা ঙসিদি' হায়েঙহ্নো খল্লমী।
"নোঙ-থেমজ য়াইহনা চঙ্‌জগনে খন্দুনা,
"কাকা, কমদৌবীরিগে, পানবীরিকো হুংঙাইনা"?
খঙলে কবোকৈনবুঃ—লৌনম ভোয়ে চেন্দৌরে,
"বেগ্না হায়েঙ্‌ কজবী! নঙ্‌না ইমৈ নেংশীরে।"
"কাকা অহুম ভাকপিন্নু; করি লানগ্রে ঐহাকপো!"
'নেংলোইদবা করিগী, ইমৈ অস্নুক শাংখবো!
চীংজাউ-ঈচাউ কয়ানা মহাদেশ ময়াম্না,
শন্দোকপগুম শন্দোক্লি ঐগী ইমৈ অসীনা।"
"নমৈদীনে নহাকী শন্দোক্লমী শন্না-শন।
ঐদি চংলি হুংশিত্তা খমগোন মালং শন্ন-শন।"
"চংলিগনি হুংশিত্তা 'হুবু খঙউ মসীমাঃ
লাকপদবু নহাক্না মাঙলে চীঙ্গাক কয়া'মা;
চাজদোবা শজিন্নু নঙনা লোইনা ভানথরে।
লাইবক থীন্ন' হায়েঙদো কবোকৈনা চাখরে।
অসীনিদো মোগগ্রাল্লানা শারমচংপূ কৌবদো;
অমুক লীখোকহৌর'স্নু মতুং হাংখি শোয়দেদো।"

১৫

তৌবীমল খঙবা তেনবা

হিমালয়গী লমদমদা গঙ্গা তুরেল তোর্ব্বান্দা
তেনবা নিংথৌ লৈরম্মী থৈবোঙ্ পাম্বী মথক্তা।
থৈবোঙ্ পাল্লিডেদনা মত্থ চার' হিংলম্মী ;
পাল্লক্রুবা মতমদা উনা চার'লেল্লম্মী।
মাগী হরাউ' উবদা সাকা লাইদো কিখরে ;
চাংয়েংলগে হায়রত্না উত্থ কংহনবীখরে।
মখুলশিংদা অহোবা উফুল ঙাক্তা খোরকখি;
মুংশীং থৈত্তং হুম্বদা তুগদোঙম লেপচখি।
উফুল অত্থ চাত্থনা তেনবা লৈ, পাইখিদে ;
গঙ্গা'ই ঈশিং থক্তুনা থবায় হিংই, বাখিদে।
সাকা লাইনা কাং-ঙাওন উমংত্থদা পাইরক্রে ;
উকংত্থদা তোংলিবা তেমরাদা হংলক্রে,
"বসন্তগী খোঙ্বুরোই চেক্লাচা ও! চীনজাঙ্বা
করিগীনো উসীবু থাদোক্তুনা পাইত্রিবা ?
"অঙাং ওইবৈ মক্লপ্পি য়েলহৌঙৈগী খোঙ্বুরোই,
মুংঙাইবদা য়াওমিন্নৈ রারবদা থাদোক্লোই।"
কাং-ঙত্থনা হায়রকই, "মক্লপ মুংশি লীপুনবু
ঙসিতমক খঙ্জরে নঙগী মক্রু' নগুণবু।
ঐনি সাকা লাইনিংথৌ বড় নিয়ু পীরগে।"
"ঐগী উপাল মুংশিব অসিতমক নীজগে ;

জানকী শৈরোল

য়েম্নৌ-য়েম্নৌং চোংহুনা অমুক হন্না হিংহল্লু।".
সাকা লাইনা হায়রকখি, "হান্নগীদো হৌজিন্নু।"
গঙ্গা'ই ঈশিং লৌহুনা উপালহুন্দা চাইখরে;
খঙহৌদনা উপালদো অমুক নৌনা হিংখরে।
তেনবাদি চেক্লা-চা মপু কোম্লোয় শক্তুনা,
থাগৎচখি সাকাবু চেক্লা-শৈশক অমহুনা।

১৮

হিংচাবীগী খুদোল

মিংথৌ ব্রহ্মদত্তগী রানী অমা অহুঙৈ,
অতোপ' মুপা অমগা নত্ত লমচৎ চৎলুঙৈ,
হিংচাবীবু ওন্দুনা নৈখি চৌংন্নুং অমদা;
লাইতোম-চৎপা মীবু চা' লেনখি গুরুং মন্নুংদা।
নোংমা লাকখি মহুদা ব্রাহ্মণ অমা কঞ্জবা;
চাথোকপগী মহুত্তা কাখি মুপা ওইনবা।
বোধিসত্ত্ব লাংওনবা মচা অমা পোকখরে;
মচা-হুংশি লৌপুন্না হিংচাবীদো পুনখরে।
চৌঙাক থিবা চৎলমদাই চেনখিদন' হায়হুনা;
মখুল অহু গুরুংগী ডাকশীলন্মী মুঙজাউনা।

অস্নুম তৌনা লৈরকপা অঙাং অহু চাউরক্লে;
অমুক 'নীয়ক চেন্নুবা হিংচাবীনা' ফারক্লে।
নোংমা অহাঙ' তানক্কা মপা মচা চেন্নকখি;
মমানবু তাকপিবা ওইখৈ অহু য়োরকপি।
হিংচাবীনা হন্নকপা শুরুং হাওবা লৈরম্মী;
অস্নুম তান্নরকপনা তোৰ'নবু য়ৌরম্মী।
"করিগীনো ইবুঙো, নঙ্ না 'হুদা' লেপ্লিবা?
হন্নকখোনে ইবুঙো, ইমাগীদি নুংশিবা।"
"ইমা, ঐখোয় চৎলগে য়ারৌবিনু পলেম্মা;
হিংচাবীনি নহাক্কা মীওইবনি ঐগোয়না"।
মমানা'মুক খুন্নকখি;—"তিন্ন'য়ারোই খঙই ঐ;
'হুবু মচা নুংশিব'ই মৈরি য়ায়রবীনি ঐ!"
"নপোক ঈপোক তিন্নদে কায়নরসি পলেম ও!
ঐখোয় অমুক লাক্লরোই কৌরগন্নু'ইমা ও!"
"ঐনা নহৈ তম্বীনি হুরান'ফাবা ওস্বগী;
হিংন-লম্বী মতুনা ওইগনিদো পুন্সীগী।"
পীবিখবে মমানা লৌক্লখ্রে মচানা;
পাক্ল' ঈশিং ঈয়ায়দা খুবাং অনী য়াক্লনা।
মচা কায়ন য়াপ্লন্দা মথবাকপু ক্রবদা;
হিংচাবীদো শিখ্রে থরোম্বীবু কায়বদা।
মপা মচা চঙ্কনা মথৌ-মঙম পাঙখরে;
তেংথা-নাওইরুগা কাশী সময়ম প্যাংখরে।
কাশী নিংথৌ য়াইফবা জরেৎ শেঙ্গা পীনবু
হুরান-ফাব'ই থবক্তা হাপ্লিখত্রে মহাকপু।

মহৈ চাংবু য়েংনবা নিংথৌ, পুরীৎ তান্নথি;
সনা ছত্র' লৈদ'ই পুথ্রীদবু থাদথি।
বোধিসত্ত্ব কৌবদা হায়খি 'হুরান কারো'বু;
বোধিসত্ত্ব লৌশিংবা মীংশিংজখি মমাবু।
মন্ত্রবুদ্ধি তন্ন-শোন খোজুল-খুম্মা ইনথরে;
পুথ্রীদবু লোৎলগা সনা লুপা কংথরে।
'তাকউ' হায়না হুরানবা নিংথৌনবু তক্লকই;
তাক্রুবস্থ খণ্ডনবা য়াম্মী কয়া লীবকই।
—পাটালিগী য়ারীনিঃ-- মাবু থাকপা বাক্সীনা,
মখুল ঈশিং চঙবদা ঈয়াকখিবা কমদৌনা!
—নোং-মুংশিং লাকপদা কশাবগী চকনা,
তারকপদা মকোক্কা কায়খিবনো করম্না!
—মৈচাত্রবা ইমুদো মপোৎ কনবা চঙবদা,
নিংথম কোক্না মৈরিদো কয়া য়াখি খাঙবদা।
—থবায় ওইবা চীপ্পাকপু কা-হেন্না চারুবা,
ব্রাহ্মণ অত্থ পুকচাউবা কয়াদবু য়াখিবা!
—অশিংবনা থুরুম্নে কালেছাদা মুংশীংপু,
মুংশিত্থনা মুশাখা থুদেকপিরে মখাঙবু।
—চেক্লা'ই কায়দোং ওইরিবা উশা অমী তরুবা,
মৈবু থোক্লে কয়মো চেক্লানবু হিংদৌবা!"
য়ারী ময়াম অসিগী অর্থ খঙদে নিংথৌদোং;
মথং অমুক লৌথখি বোধিসত্ত্ব কৌবদো।
"মুপীত্থনা তকপদা 'নমা হাংসি' হায়ত্থনা,
মুপাত্থম য়াখিরে য়াজববু ওমদনা।

জাতকী শৈরেং

মুপাহ্না থোকপু তৌ মুপী-মমাই’ কাংথোক্লো,
গুম্ভীর কোমদা থাদরে শিগ্রে মুপী’ই মমাগো।
অমুক হল্লে থৌরাঙদো কাংথোল অহু পুরক্লে ;
তৌরক্লিবা মতৌদো মুপা’ই মমা থঙ্‌লক্লে।
মৈবু লৌবা চংখ্রিঙৈ লৌরুরগা অশিবা,
কাংথোল থক্ত থম্লগা কুপথি ফিদি অঙৌবা।
মতৈ মনাউ হল্লক্লে মৈবু চুরে কাংথোল্দা,
উংপু ওল্লে কাংথোল্দো ভাইহাক পুজোম্ম মথুল্দা।
মমাহ্না লোৎখিবা গুরুংহুদা লাকুনা,
ডাকু অমা লৈরম্লে সনা ময়াম পুহ্না।
লৌনম হৈবী হম্বুবী মরীক-মকোন ফংহৌরে ;
ময়াম অহু শিহ্না ময়ুমদবু হনথরে।
কল্লক চাউবা মমৌনা ‘করম ফংই’ হংবদা
খুমখি, “ফংনি শোয়দনা মৈবু থার’ মোংফমদা।”
প্‌কফত্তবী মুপীদো সনা পাম্ব’ই মরম্মা,
মশা মৈবু থাদোকচ অরেম’ তৌকথি শিহ্না।”
মহুদম্ থোক্তরে হন্নান’ তাকউ তক্লক্লে;
বোধিসত্ব লৌশিংবা মথা অমা লীরক্লে।
“লুনা-চাম্না তৌজবা মপা অমা মচানা,
তাম্থোরকথি ময়ুমদ’ই চংখি ভিক্ষা নিঙ্‌না।”
মঙক কন্‌বা নিংথৌনা মাবু হন্নান’ শীমক্লে,
অরোইবদা লৌশিংবা প্রজাদবু লাউথোক্লে,
“নিংথৌ, পুরীং অনীনা হন্নানবনি অশেংনা ;
কোম্মুং’লনবু হন্নানবা ওল্লোই অতৈ কনানা।

জাতকী শৈরোল

লৈবাক প্রজা পুন্নমক। মৈবু হোৎরে ঊঙ্লিংদ'হ ;
ময়াম থূকত্তু শেনখিরো অকিরা লাক্লে মপুদ'হ !"
ময়াম্বু চেঙ্লিনক নিংথৌ, পুরীং হুখরে;
ফ্বদগী অনীদো শোকমন্দুনা শিখরে।
বোধিসত্ব কৌববু ক্যাপী' নিংথৌ হাপখরে ;
লৈবাক প্রজা পুন্নমক হুংগাইববু পানখরে।

৯৬

অশিংবা হামেঙ অমদি লমহূম

হিমালয়গী মাপোমদা লমহূয় অমী লৈরম্মী ;
পুত্তিমমসা বেমোদি মতৌ মনাউ ওইরম্মী।
মখোয় 'নীনা ক্যাম্ভূনা হারেঙ, ময়াম চাথোক্লে ;
হেন্না শিংবা মেলামাত্তা চাববুদি ওমদরে ;
লমহূয় শিংত্তি হায়নবা নত্তাংসীদা য়াদরে।
অমোমদবু হায়রকই নোংমা লমহূয় ল্যাবনা,
"হামেঙদবু অম্মুচো এই শিরে হায়ব্রুনা ;
নখোয় অনী লাকমিন্নৌ এবু য়ুম্নবগী,
এনা শিক্লিনরগা লাকে ওক্লশন মহাক্লী।"
য়ারে বেনী ব্রাকমতু হামেঙদবু হায়রকরে ;

....

জাতকী শৈরোল

মখোয় অনী লাকমিন্না মফমচ্চদা থ্ংলরে।
মীৎলৈ-নারৈ চেকশীন্ন লাক্লে হামেঙ, অশিংবা;
শিজিন্নরি অশোমদা লমহুয় অহু তাৎতোবা ।
য়ারী শা-শাহুনা মখোয় অনী লাকপদো,
য়েংঙ্ই লমহুয় লৌনম্বা থাঙ্গত্তুনা মঙক্লো ।
মহু হেক উবগা মেলামাতা চেনখরে;
খাম্বা-লাকপা য়াদনা মাপী মকোল য়েৌখরে।
অমুক হন্না হায়রুবা হামেঙ, অতুম য়্যারকই ;
"হুয়গী জাত্তা শাখিবা লাকমিন্ননি" হায়রকই।
লমহুয় অহু কিরক্লে "লাকপিরম্" হায়খরে।
মীনম্বগী ফত্তবা মতুংদবু খঙখরে।

৯৭

তৌবীমল খঙদবা মচা

মুপী মকুক ফত্তবী ইনশিন্নম্বী মুপাদা;
"নঙগী নপা শিগৈজন থাক্লি য়াবা কয়াদা;
শিখিবমু মত্তবা ঐদি থাঙবা ওন্নরোই।
মুপা নঙবু কৈদৌগে! য়ুমসী পানবা য়াররোই;
হাত্তোক্লসী নপাসে ঐখোয় থুরা ঈংনবা।"
"করম তৌনা হাৎসীগে মন্নামমু খঙদবা?"

জাজকী শৈরোল

'শ্রুমা অনী তারখি "লৌবুক তার পুরগা,
ফুমজিল্লুসি মহাকপু কোম অমা তৌরগা ।"
ভাংনরিবা রাকমসি মচা অঙাং ভাখরে ;
পীক্লিবদি অঙাংনি 'হুবু লোইনা খঙখরে ।
নোংঙাল্লক্লে, অহন্দো শলগাড়ীদা হাপচিল্লে:
অঙাংহুসু তোংখংলে লৈহৌ হায়বা য়াদরে ।
অসুম অসুম লাকপনা লৌবুক য়োরে কুমথরে ;
য়োংপাক অহু পায়হনা কোম অমা তোখরে ।
মপা'ই য়োংপাক মুল্লগা মাসু অমা তৌরকখি ;
মপানবু হংবদা অঙাংহনা খুম্লকখি,
"ইপা অহল ওইরগা কুমগে'সিদা ঐহাক্লা ।"
"ঐবু কুমগদৌরিবা ! নঙবু য়োকচ' মহয়না ।"
"নঙনা তৌবা থবকপু ঐনা ইঙ্গবতনি ;
নঙনা ইথৌ কুমদৌরি ঐসু নঙবু কুমগনি ।"
মচা'ই পাউখুম তাবদা, "ইপা'ই ইবুঙো নুংশিবা !
নমা'ই খুজীল' থৌরাঙদ'ই নথৌ হাংকে তৌরুবা,
মতুং অমুক তৌররোই, ইপা মীকপ থোক্লেদো ।"
অসুম্নবু হায়নর' ময়ুমদবু হনখিদো ।
অঙাং মমা ফক্তবী শিরম্মনি হয়াউবা ;
লুতোন শাংলে শাউবনা অহন্নবু উরকপা ।
ময়াম চাকপু চারিঙৈ মুপী য়ো-য়ো তৌরকখি ;
মুপাহনা ফুরগা ময়ুমদগী তাম্বোকখি ।
মুপী অমা অতোপ্পা থিগে লাঙশিন্নরকপা,

চুমথোকখ্রে মতুংদা মবু কচেল্লদি অখোয়বা ।
কাইনখণ্ডদা মুপীদো অমুক লৌশিনবীখ্রে
মতুংদদি অহনবু লুনা চান্না তৌখ্রে ।

৯৮

মীনয়ই মচীল মনাউ তয়া

মহাকংস নিংথৌগী মচা অহুম পোক্লমী ;
কংস উপকংসদি দেবগর্ভ কৌরম্মী ।
'দেবগর্ভ কৌরীনা পোকপা মচা অহুনা,
কংস শাগৈ মাঙহল্লি' কাওরে মাইবা মাইবীনা ।
'হুনা শঙলেন অমদা কনাদবু লুহোঙদ,
থমখি মাবু চেকশিন্না কুমজাউহুগী মতুংদা ।
মথুরাগী লম্প্লাকপা উপসাগর কৌবনা,
নোংমা উখি মুজাদো লাইবকবু তবনা ।
মীংচি তেনবু থাবনা মুংশি-শৌরে পুমখি
তোয়না উনরবদা 'মুজা হৈরে পলকখি ।
'মুপা' পোক্লে' হাবকনি' লাউথোকখিবা য়াবংনি,
মকুম-মথা শুহুন। মুপী অমা লোকপনি ।
অঙনা কোচলাক [illegible] কয়া মতৌ ইবেম্মা !
পানথবাকনা [illegible] মাতমগীদি [illegible]েম্মা ।
মতুংঙুদা খুনবুপী গোবর্দ্ধনদা হোংখরে ;

জাতকী শৈরোল

মপা মচা মখোয় 'হুম মুংঙাইনবু লৈখরে।
লাইগী নোংদম অঙকপা! মচা তরা থংননা,
মুপা ঙাক্তা পোকখিদো দেবগর্ভ কৌবীনা।
খঙখিদবে কনানা; নন্দ গোপা মীনাইনা,
মুপী তরা পোকখিবা ওস্থোক্লখি তূমিন্না।
মীনাইনবু য়োক্লুনা মখোয় তরা চাউখবে,
পাঙ্গল ফবা ঙাক্তুনি মীয়াম্নবু কিনখ্রে।
নিংথৌ নাকোঙ যৌবকখি মখোয় তবা'ই ব্বারীবু;
মচল মুপী' মচানি খঙখি ব্বারোল লোইনবু।
'মাঙহনসিগে কবম্না' তান্নরকখি মন্ত্রিগা;
চামুড়াদি মুষ্টিকা লাম্বাহনখি মখোয়গা।
মল্লগীদমক শেমশাখি সনা'ই কোম্নু' মনুংদা
বল্লদেব যাইমনা হাংখি মখোয খুদক্তা।
বাসুদেব অহন্না কংস মঙক ককখবে;
মচাল মনাউ তবানা কংস'ই লৈবাক লোখবে
মথং মথং জযবুতো দ্বার্বতী যৌবকখি;
লেবাক্তুবু ঙাক্লিবা গধা পূজা তৌজখি।
গধা'ই বড ফংহুনা দ্বার্বতী লোখরে,
মচে অঙ্গনাগীসু শন্নক খবা তমখরে।
মতৌ অম্নম লৈবকপা চহী কুমশীং য়াম্নক্লে;
মচা-মশু মক্তনা লৈবীক-লৈরাক থল্লক্লে।
শিব নাইদ' চহীদি লীশিং কুনবু হিংবদা,
নিংথৌ বাসুদেবদো মচা অমা শিবদা;
ব্রাখিবনা মতোমত্তা হিংই হায়বা কাউখরে।

মনাউ ষট্পণ্ডিতং করম তৌনি খনখরে।
ঙাওশিন্নরে পণ্ডিতা থেব পীয়ু হায়রকখি ;
"থাদ তোংবা থেবসে পীয়ু" নিঙাই তৌরকখি।
"ঙম্মোই মীনা পীবদি তারে নহাক নোঙাবা।"
রাকম অসী তাবদা মনাউ মুপা লৌশিংবা,
ইংনা তপা খুম্নকখি, "শিগ্রবদি ইচাগী,
কপ্লি য়াম্নুং ঙসিফাও মতুবুদি করিগী ?
মন্ত্র-তন্ত্র হী-য়াইন ঙম্মোইদৌবা হিংহনবা,
থাগী থেব পীঙমদবা অহুগুম'নি অশিবা।"
"নঙনা ইমীৎ পাঙহল্লে রাররোইকো ঙসিদ'ই"
অস্নুম তৌনা বাস্নুদেব রাখিদরে মতুদ'ই।
খুংকন-পাঙ্গল ধারনি রাংপা কৌবা লৈতবা ;
লম্নু হেনবা শ্‌থাঙনি শিবা কৈনো খঙদবা'
মুনি অমা লাকপদা লক্নখরে মখোয়না।
পোকদৌবা অঙাংসে 'করম্বনো' হংহুনা।
ধ্যানবু তৌই মুনিনা খঙদোকখরে লোইনবু,
"মুপী অসি' মব্‌ক'ই চিগোংলৈগী মশাবু,
.পাক্নকনি শোয়দনা তরেৎনিবু গুবদা।
মতু' মরম ওইহুনা বাস্নু শাপৈ খুদক্ম,
তুম্নগনি শোয়রোই কোজোল তাকুম তাক্‌না।
রাচুম-রাবু মুনিগী শোয়বা কৌবা লৈতনা,
চিগোংলৈগী মশাবু পোকখি অঙাংহুদগী ;
ঙকচাউ-থেকপা অঙাংশিং কিখি মতাংহুদগী
মশা অহু মৈ-থারে হৈথৈ উক্তো তুরেন্দা ;

শীংনাং ওইনা .হৌখরে পাক্ল-শন্না তোর্বান্দা।
নোংমা তুরেল তোর্বান্দা শাগৈ লোইনা তিনখয়ে ;
শানৈ-য়ুনৈনবদা শাথিনবু খংনয়ে।
পায়রুবদা গন্দাস্তম হেক্তা চাউবা শীংনাংথু
ফু্রুথুনা থানবা শিংখ্রে মখোয় ময়ামথু।
বাস্থু, বল্ল, পুরীংকা অঞ্জনাদি মচেগা,
মরিখক্তা হিংহৌবা, চৎখ্রে দোলাই তোংলগা।
শিখরবা মুষ্টিকা শয়োয়বুদি ওল্লক্লে ;
মল্লযুদ্ধ তৌনবা বল্লবুদি হাংলম্লে।
চীঞ্জাক খয়া থিনবা অনী থাখি থুঙ্গগুলা
বাস্থু মদোম লৈহৌই উমংথুগী নারক্তা।
সুংখম্লনা ফম্লিডৈ লাক্লে জরা শাদনবা ;
"উশা লেঙ্‌ই করিনো, শোয়দে শাবু ওইরম্বা !"
তাবু শৎ-তা লংবদা পাল্লে বাস্থু'ই খুয়াদা ;
তাইবগু মীবু ওইরম্বা য়াখ্রে জরা থম্মোইদা।
অপোক অম'ই লমম্লি শোয়রে শিবা ওসিদি ;
তিল্লরিবা ময়ামদা তাকখি লৌশিং কয়াদি।
ভাইহাক পূজোয় মন্নুংদা বাস্থু য়াইবী মাওখিদো ;
মতৌ লাংঙোন অস্থুম্না বাস্থু শাগৈ তুমখিদো।

৯৯

রাম অমদি সীতা

ৰরানসী নিংথৌদি দশরথ চুমচৎপা,
মাগী মচা অহুম্নি রানী 'হন্না পোকখিবা ;
রাম পণ্ডিত অহন্নি লক্ষমন্না য়াইমনি ;
থাজ-থানিল ওইরিবী মচলন্নপী সীতানি।
ভরত পোকপী অতোম্বী নিংথৌ য়াথ' ফংজখি ;
খুভম পীযু মচাদা ৰড় অসী নিজখি।
মপাই' য়াথং ওাক্তুনা ৰন্দা চৎখি অহুমদো ;
শিবরদ দশরথ ওইখি নিংথৌ ভবন্তো।
মপা লেত' মপাউৰু ময়াম্বদা ওমজখি :
নিংথৌ খুভম অচৌবা ময়াম্বুংদা কৎচখি।
"ইপা লৈত্র' সিদদি নওনা শক্রে ইপাবু -
ৰাজ-দণ্ড পায়বিরো হল্লসিনে য়াম্বুংবু।"
নোং-খোংবগুম কপ্তুনা থম্মোই পুওম্নখিদে
বাম পণ্ডিত চীংলেম্বা করি থোইনা রাখিদে.
তীন্থোক-য়াংদৌ চোংবগুম চোংলবদা ময়ান্না,
ৰাদবগী মরম্বু হংলুবদা ভরতনা
খুনখি রাম পণ্ডিতনা, "খাম্বা ওন্নরোইদোবো,
কবি' কপ্লুদগেনে, খাম্ব'ই ই'ওো নুংশিবা '
কেল্লগনি কিজবা মুল্ল'উহৈ মতৌগুম
কেনখিগনি লোইনবা অশিবগী খয়াত্তম।

জানকী শেরোল

য়ুম মৈবু চাক্লবা কম্নৈ ঈশিং হৈদ্রুনা ;
অরা' রাখল মাঙহম্নৈ জ্ঞানবু লৈবা মীশিংনা।'
তিল্লিবদি ময়ামদো তাক্লবদা রাসীবু,
কোকথি খূদক অত্তুদা রার' থম্মোই লাইমনবু।
"চহী অহুম লৈরগা হল্লক্কেনে ঈরমদা ;
ইপা'ই মহুৎ শিন্দুনা কম্লগেনে তাঙবন্দা।"
রাকম অসী তাবদা পেঞ্জখরে ভরত্তো ;
মথুৎনবু পায়জরে ময়াম্বগী খুরুমদো।
'সিনা লৈবাক ঙাকসনু পাডুকাসী পুজগে
থোরম-থোরাং খুদীংনা ননাউনবু শীঞ্জগে"।
অসী রাবু হায়রম্ল' মনাউ ভরত হনখরে ;
সিংহাসন্দা খুরুমথম মানা লৈবাক ঙাকখরে ;
চহী অহুম শুরগা রাম পণ্ডিত হল্লক্লে ;
অভিষেকপু তৌরগা নিংথৌ ওইনা পাল্লক্লে।

১০৮

মমা অতোপ্পী ফত্তবী

মপোক অমা বোধিসত্ব যুবরাজ ওইনা পোক্লম্মী'
ফজবদা থম্বালগুম্মী 'যুবরাজ থম্বাল' কৌরম্মী।
মাবু পোকপী মহারানী অশি নোংমল্লখরে ;
'হুনা অতোপ' অমবু মহারানী হাপখরে।

মরকসিদা ভুমথৈদা লান্থারাগু হায়দুনা,
নিংথৌ অহু চৎখ্রে খোঙ্গমী-লাম্নী পুদুনা।

লালহৌশিংবু ভুমহনা হল্লকুবা মপাবু,
ওকচনবা য়াথংবু লৌগে মমাতোন্দ'ইবু,
চঙলকপদা মচানা, শুন্ধৎখরে রানীদো ;
'মুংশি-পাউশানথিসি' মচাবুদি থামথিদো।

'ঙস্মোই মতু তৌহৈদে' য়াত্রবদা মচানা,
নিংথৌদবু তমশিল্লে ওইদবতা হায়দুনা।
নিংথৌ শাউবা থেংখরে 'ফাও' য়াথং পীখবে ;
ফৃবা-চৈবা মতৌদা লৈবাক-কুম্মে ওইখরে।
"ফত্রবসে পুথবো থাদখরো চীঙদগী ;
লমচৎ-ব্যবহার নাইদবা পুথোকখরো 'সিদগী।"
নিংথৌ'রাসী তাবদা ময়াম পুম্বা ওকুখি ;
পাত্র-মন্ত্রি থিবীরা নিংথৌদবু হায়জখি.
"ঈনীংথৌ ও ! নচাসে, মগুণ লৈদো চঙথোন্না;
হেক্তা হাংপা তৌবীনু মুপী মরা লৌতুনা।

রায়েন্দনা চৈবাকপা মীত্তাঙবগা অন্ধানি ;
অপুম-অশা থিদনা চাশিনবগা পাংখক্নি।
মাগী মরা তাবীখো রায়েনবিখো অমুক্তা ;
তিল্লাং-খয়োৎনদুনা খম্বীখো ভাইহাক্তা।"
মীয়ামদগী থা-শেৎনা মুল্লে নিংথৌ, মচাবু ;
হুম্বখরে চীংদোন্দ'ই আ: লোকুং য়েনবু।

অঙকপনি, চীংলাইনা শোক্কনবা হায়দুনা,
মথানুংদা কোম্মিনথি মুংশি-মীওক মীকৌনা।

লিপ্লিংথৌনা য়োকখিবা চহী অমা কাবদা,
বোধিসত্ব চংখরে হিমালয়গী লমদমদা।
হিমালয়গী নাপোমদা লাইনীংথুনা লৈরকপা,
থেংনরুবা অমনা অখি মানা উরকপা।
নীংহমহৌত্র' নিংথৌনা মচাল্লুবু থিখরে;
ফংলল্লুনা কাইনখও য়ারী-য়াতাই শাথরে।
ছায়জে নিংথৌ, "হল্লসী, ওইরো নিংথৌ নহাক্না।"
বোধিসত্ব য়াখিত্রে, "করি তৌনি মহুনা?
ইপা অত্থম ওইবিয়ু রাজগুণবু কাউবীনু;
অচুম্ববু থাগোল্লু অরানববু তৌবীনু।"
অসুম্নবু হায়নর' নিংথৌ তল্লা হল্লক্লে;
মাগী রানী কক্তবী চাঁদোন্দগী হুন্দুখ্রে।
অচুম্বতা চত্তুনা মরা তপ্লা পানখরে;
দান ধর্ম্ম তৌত্থুনা পুণ্য'ই লম্বী শেমখবে।

১৮১

মন্ত্র ময়াই চমখিবা

মপোক অমা বোধিসত্ব চণ্ডাল ওইনা পোক্লমী;
চণ্ডালশিংগী খুঙ্গঙদা ঈংনা-চীক্না লৈরম্মী।
মন্ত্র শক্তি শীজিন্ন' হৈমৌ হেক্তা পালহল্লি;
অওকপগী শক্তিনি মহু হেক্তা মুলহল্লি।
অসুম তৌনা মহাক্না মতম মত্ত' মত্তমদা;

শেনবু য়াম্না তাল্লম্মী য়োল্লহ্নুনা কৈথেন্দা।
থোদোক অহু উরুরে মীরম-ব্রাহ্মণ মচানা;
করম লৌনি থবথরে মন্ত্র অহু মহান্না।

চৎখ্রে ব্রাহ্মণ মচাদো খন্নে কম্না গুরুবু;
নোম্মী মানা লোইনবা ইমুং মনুং কুপ্নোম্বু।
চহী থবা লৈরক্লে, গুরু'ই মুপী পেনখরে;
নহাত্তুদা মন্ত্রবু পীবিনবা হায়খরে

গুরুনবু খুন্নকখি, "অঙাং অসী নে-তাদে;
তুংবু কোইরোই মন্ত্রসী সিদ্ধ পান্নি থাজদে।"
মুপীনবু তকপদা পীখ্রে মন্ত্র চণ্ডালনা;
হায়খি, "মন্ত্র অসীবু পীরকপনো কনানা,
ং-লকপদা লোৎকনু অশেংবহু খুন্নর্ম্মু;
পীরকপনি চণ্ডালনা হায়হ্নুনবু তাক্লম্মু।"
ওইদবনু ঙাঙলবা মন্ত্র ময়াই চমগনি।"
খুরুমহ্নুনা লৌজরে হায়জৈ, "য়াথং ইঞ্জনি।"
লাক্লে ব্রাহ্মণ ময়ুমদা; মাগী মন্ত্র'ই শক্তিনা,
ইনাক-খুনবা ওইরক্লে মতম ইকুই কুইদনা।
নোংমা নিংথৌ চারুরে কুমগাংদবী হৈনৌবু;
পেল্লহ্নুনা কৌখৎখ্রে ব্রাহ্মণ মচা অহুবু।
নোংমা হংখি নিংথৌনা, "কনাদগী কংলকপা
কনানবু তাক্লকপা মন্ত্রনোনে ঙক্লবা?"
ব্রাহ্মণ মচা ইকাইরে "ব্রাহ্মণদ'ইনি" হায়খরে;
খুদক অহুমক্তা মন্ত্র ময়াই চমখরে।
হ্মাদ' মতাং থোকপনা হায়দোকখরে অচুম্বা;

কল্লপ তৌনা হায়রকখি লাইনীংথৌদি থোইখোইবা,
"নীম, কেগে, শৈজাকসু ওইজসনু উ-হুনা ;
থোইহী-থোইরা য়াল্লবা থল্লে 'ফৈ' হায়হুনা।
ব্রাহ্মণ ক্ষত্রীয় বৈশ্যাদি শূদ্র চণ্ডাল ওইসনু ;
মফমদগী থরদং তমজরকপা লায়রুনু।"
অসী হায়না থারক্লে ঙাকপিনবা গুরুদা ;
য়ারক্তবা থোক্লবা হল্লক য়ারোই মরমদা।
মরাল লৈর' নহাদো গুরুদবু চঙজখি।
"মীত্তাঙবনা চৎপদা পাত্তংকোমদা পূথবা,
থৌরীনীবু নীংহুনা তাঙজ-লিনবু পায়রুবা,
অহুগুম্বা ননাইনি চঙশিল্লুবা মৈদবু ;
ঙাকপিয়ুবু নিজরি লাল্লুরবা ননাইবু।"
"চংথ্রো চংলু অপঙবা ! অমুক হন্না হায়রনু ;
তৌবীমলবু খঙদবা ! নমায় অমুক উৎলনু।"
অসী হায়না গুরুনা নহাক্লবু তাম্বোকখি ;
ব্রাহ্মণ মচা লমকেৎপা মরোল-মরাং তাকচখি।

নিংথৌ মচা ঈ থৌরাঙ অমদি বুদ্ধগী সিংহাসন

কলিঙ্গগী নিংথৌদি ওইখি মহা-কলিঙ্গ ;
লম্প্লাকপবু হাপখরে মনাউ কুল্লকলিঙ্গ ।
মাইবা মাইবী কয়ানা হায়দোকখিবা য়াম্বানি ;
'নিংথৌ ওইনি অহল্লা কুল্ল ভিক্ষা নিগনি, ।'
য়েত্তনবা মঙোল্দা মনাউ হাংকে থনখরে ;
হুংশিবীবা কাওবুনা মাবু লোম্না থাখরে ।
শামতু-ফিনে খুদোম্নে মাঙ্গী খুংগু-খাঙলেম্নে,
চংলমদাইগী মতম্দা ফম্নাইবদা উংখিনে ।
হায়খি বাবু অম্মুম্না, "খুদমশিংসে উবদা,
ঐগী ইচা মুপানি খঙবিয়ুকো মতুদা ।
ব্রাফম অসি হায়রম্ল' ময়ুমদগী চেনখরে ;
উমংদবু চঙলগা লম্বোইহুনা লৈখরে ।
মদ্দ কৌবা লৈবাক্তা থোকখি ব্রাম্নী অম্মুম্না ,—
হায়খি তুংলম-উবনা, "নিংথৌ মচা মুপীনা,
পোকপা মচা মুপানা ওইনি নিংথৌ তাইবঙগী ।
ব্রাফম অসী তাবদা নিংথৌ, লৈবাক অতৈগী,
হৌরে মদ্দ' মায়য়োক্তা কোয়শিনখরে মদ্দবু ।
নিংথৌ চেনখি উমংদা মুপী অঙাং পুনবু ।
নোংমা মুপী মচানা লৈ-লেংবী শাম্নখি ;
লৈ পরেং অমদি তুরেন্দবু তাউথখি ।
নিংথৌ মচা, লোৎখিবা, পরেংহুবু উখরে ;
"লৈ লেংবী কনানো" খোঙ্গুলবুদি লীখরে ।

জাতকী শৈরোল

সুপী মচা উনখি মমীং-মথা খুঙনখি ;
লুহোংঙনা লৈমিন্ন' মচা সুপা পোকচখি ।
অঙাংছনা চাউরকপা মহে-মশিং তম্বিরে ;
নিংথৌ মচা'ই হৌনবী নীকাপ-তেনকাপ হৈজয়ে ।
থবান-মিচাক খেঙঙলোন খঙলবদি মপানা,
শিরে খঙলে ময়াম্বা ; হায়রখি মচা য়েংছনা,
"চৎলো নিংথৌ ওইরগে খুন্নমশিংগী উৎলগা ।"
নিংথৌ মচা চৎখরে খুন্নমশিংদু পুরগা ।
কলিজদু য়ৌবদা মাদু নিংথৌ ছাপথরে ;
পুরীং ভরদ্বাজনা লাইশোম-থৌরম তৌখরে ।
মঙাদিবু চনবদা লাকপা খুদোল কয়ানি ;
উপনসদ'ক শামুদি বন্নহদগী শগোলদি ;
বিপুলদ'ই মশিনি 'তাল্লোয়-'খাঙলোয় ময়ামি ;
অগুন্নবু মহাক্কা মালেম-মপু ওইহনখি ।
বুদ্ধ-পামেল হৌরিবা 'লানঙম-ভাঙবল লৈম্নিবা,
পৃথ্বী' খোয়দো ওইরিবা ভুমরে 'ছুদি লানশিনবা ।
'নিংথৌ' শামু য়াইশলো চঙডু হায়বা থাদরে ;
কাটি কন্না থাধনা শামু অচু শিধরে ।
ভরদ্বাজ'ই থৌজান্দ'ই 'বুদ্ধ-পামেল উর্জাখ ;
বুদ্ধ'ই কোলোয় ভাবদা নিংথৌ শরীং পেজখি ;
পৃথ্বীবীগী মীশিংদা খুরুমবা ছায়রজখি ।
বুদ্ধ-পামেল খুরুমজ চীংডু নাক্কা লাকচরে ;
মমা-মপা অনীবু "কৌমুং"-তম্না দুজরে ।
দান ধর্ম্ম তৌছনা লৈবাক ভাকখি নীংথিন্ন ;
কাখি স্বর্গ-লাইরম্নেন লোইরবদা পুন্নীনা ।

১০৩

মচীল য়াংবঁই ফত্তবা

ব্রাহ্মণ পুরীং' তাম্নোয়দো শুক্ত-লমচৎ চংপীনি ;
নুপা কয়া ভাঙ্‌বর অন্নোনববু থম্মীনি ।
কনা ভাঙ্‌ই ব্রাহ্মণগা মরা লোৎদে নুপীনা ;
ব্রাহ্মণ কোন্নুং কাখরে পোখী-পোরম শেমহুনা !
নিংথৌদবু হায়খবে "ঈনীংথৌ ও ! য়াইকবা, !
মখা-থোঙসে য়েংবিয়ু থোঙবু পান্দ' লৈরিবা !
অরিবসী থুগায়র' অনৌববু শারসি ;
থোঙবু হোঙ্‌বা মতমদা ব্রাহ্মণ অমা হাপ্পসি ;
মতৌ অসুম তৌরবা ভগ্নোই য়েক চঙলকপা ।"
"শীনবিরোনে গুরুনা তৌরসীনে তাকপিবা ।"
য়ারকপদা নিংথৌনা ব্রাহ্মণ পুরীং হরাউরে;
য়্‌মদা মাগী নুপীগা ব্রারী লোইনা শানরে ।
"ঐনা খাম্বা য়াদবা মাবু হাংপা তারেদো ;
পুস্ল কুচু'ই ব্রাহ্মণ'চা মাবু নত্ত লৈতেদো ।"
পাউ অসী মুপীনা নুপাশিংদা তমখরে ,
যজ্ঞ'ই নুমীৎ অত্তুদা কনা থিবা ফংদরে ।
কনা লৈত্রবত্তুদা মাবু হাংপা তাবনা ;
শিব তারে ব্রাহ্মণ্দো মশা'ই লাংদা চঙ্‌হুনা ।
পুরীংসীগী শিষ্যনি বোধিসত্ব লৌশিংবা;

ষষ্ঠ অসী মহাক্কা তাখরেদো পাঙথোকপা।
ব্রাহ্মণ-পুরীং কপ্লিডৈ পুরীং-নহা'ই পাঙমন্নি,
"চীনবু য়াং'দ'ই গুরুনা পন্নমকসী থোকপনি
ব্রারী অমা তাবিযু,—বরানসী সহরদা.
ভগোই শাবী লৈরম্মী মমীং কালী কৌইদা।
মাগী মৌপা তুন্দিলা ওক্তবদা লময়োই ;
য়ু-জার নেশাগী হৈনবীদা খমথেংই।
নোংমা মীনা ফুত্নুনা মফি-মরোল য়াওদনা,
মচে'ই যমদা চঙলকই কপ্লি কপ্লি তৌত্নুনা।
মচে কোয়বা লাক্লিবা মহাজন্মা উখরে,
ফি অমা ব্রায়রগা মাগী ফিজু পীখবে।
নোংডাল্লগা অঙাংডু হল্লক্করে ময়মদা;
মচীল য়াংবা মহাজন মফি-য়াওদ' হনখিদা।"
অতোপ' ব্রারী অমসু বোধিসত্ব লীথখি,
"শঙ্গাবংদা নোংমদি য়াউ অনী ব্রাইনখি;
শিন'তারে হায়ত্নুনা চোঙডানবু খামজখি।
অহানবদা নঙ্গন্দ মথংদনা মকোক্তা,
হন্নখিদে অনীদো, অহুদগী মচিদা,
মচিদবু তোংলুবা খূদক্কুদা চপখায়খ্রে;
অরেম্বদা য়াওরুবা চোঙডা অড়ু তোইখরে।"
—"হুপা অমা কাখংখি উহৈ হেক্কে হায়ত্নুনা,
লিন 'মসু কাখংখি উহৈ চাগে নিংত্নুনা।
ভমত্রে লিন্দো তাম্হোকপা পীখ্রে পাউবু মথক্তা;
"ঐখোয়নবু পায়রিবা চোংথরক্রো ফিথক্তা"

চো'থন্নকপা মতমদা মাগী শাফ্ কনবনা,
কোক্না কোক্না থেংতিন্ন হুপা মরি শিথন্নে।
মতৌ লাংগুন অসীগা গুরুগবু মান্নখ্রে।"
—"হুরান কাওবু অমনা হামেঙ অমা পুন্নকখি;
হামেঙ শেমগে তৌবদা থাঙ অহু মাঙলমখি।
ফংদ্রবদা থাঙ অহু থাদোকখন্নে হামেঙদো;
হামেং অহু হুন্নাউজ্জ' চোংহুনবু লাকখিদো।
খূতু'নবু কাওবদা থাঙবু অমা লোংলম্বা,
'শ্রেং' লাউনা তাথন্নে লৈত্রে হান্ননা খন্নুম্বা।
হুবাউখবে মখোয়দো; থাঙলেন্দুবু পায়হুনা,
হামোঙ মঙক ককথৎল' চাথোকখন্নে থোংহুনা।"
ন্নান্নী মথা লীথখি বোধিসত্ব লৌশিংবা,
"শাদানবনা ফান্নকখি হেন্নোয় অনী ফজবা,
নিংথৌদবু কংচখি, হায়জখিনে নোঞ্জনা,
'খোঞ্জেল-খোইহী-খোয়থুম্নি ঈশৈ শকই হুংশিনা'
'শকউ তাসী' হায়বদা শকখিদন্নে মখোয়'নী
"হাত্তোকখবো কান্নদ্রে" নিংথৌ দি য়াথংনি।
শিব তান্নে খন্দুনা হেন্নোয় 'নীনা নোনবনি
"ঈনীংথৌ ও! তাবিয়ু; লাইশিংনবু শকখিবা,
লাম্নি লোইনা ইশেদো; ঈশৈ লান্ন শক্নুবা,
ইন্নাল লঙজ থোক্কনি 'হুনা শকচদবনি;
লানখিদন্না হায়হুনা ন্নাবু ঙাঙজদবনি।
ন্নাবু চুম্না ঙাঙবদা মনা চাউনা ফংবনি;
ন্নাবু শোয়না ঙাঙবদা অশি লমদম য়ৌবনি।"

জাতকী শৈরেং

রাফম অসী তাবদা পেঙখরে নিংথৌদো।
সনা'ই পোন মমুংদা হাপচিল্লগা অনীদো ।
শাদানবদা পীখয়ে 'থাদোকখরো' হায়হনা।
অসীনিদো গুরুদেব রাবু ভাঙবা লুবনি;
রাবীরুমু করিগু ঐনা গুরু কনগমি।"
রাফম অসী হায়রগা অহিং নোংয়ায় চনবদা,
হামেঙ অমা অশিবা পুহল্লক্লে মতুদা।
হামেঙ তোংশা কতুনা যজ্ঞ মপুং ফাখিদো;
মচীল য়াংবা গুরুদো শিষ্যনবু কনখিদো।

১০৪

উঁমাইবী অমদি মরূপশিং

উঁমং অম'ই মমুংদা উঁমাইবী 'নী লৈরম্মী
মরূপ-মপাং কয়াগা হুংশিননা পাল্লম্মী।
নোংমা মী লাক্তুনা মৈবু হৌগৎলকপদা,
উমাইবীনা খোংলকই মৈথু মৈনিল ফংবদা।
"হৈ! উচেক লৈরে হৈ! উচেক চাসী" হায়নবি
উচেক মপী মিপাইনা লাবদবু হায়রকখি,
"মুপা; নঙবু চংলুনে, মতা অমা তৌদোয়ে;
লমঙামুদি কৌরুরো ওন্থোরুদি মিপাইরে।"

লমঙানুদি পাইরক্নে মক্লপ মুংশি' উংলক্লে ;
মরূপ অনী' মত্তেংবু মানা ঙমজ' পাংলক্লে।
ঈশিংদবু লূপথ্রগা মশানবু কন্দুনা,
মৈবু তোয়না মুৎথংলি ঈশিংবুদি চাইতুনা।
উচেক অনী ম্লাতামৈ, "চোকথরেদো ঙান্নুসে ;
কৌরুম্নসী থেঙ্গ্নুবু তেঙবাংবিয়ু হায়জসে।"
থেঙ্গ্নু লাক্লে তেঙবাংখ্রে লৈখোম ঙাক্তা চাইখৎখ্রে ;
ফাগে লাকপা কাঙবুগী মফি মরোল শেগায়খ্রে।
"মসীনদি ওইররোই!" নোংশাদবু চঙজখি;
নোংশা' ঙংলকপত্থুদা মীয়াম কায়-ন চেম্নখি।
হরাউ ঙমখৈ লৈখিদ্রে উমাইবীদি অমোমদো,
"অশেং' মরূপ ফংজবা চাওখৎপনি মখোয়দো।"
'স্নুমা মরূপ লীপূনবু কায়নদনা লৈখরে ;
মুংশি-চাম্ন হিংবগী মুংঙাইবদো ফংখরে।

জাদুজী শৈরেঙ্গ

নোকপা হৈতবা নিংথৌমচা

কাশী' রাজকুমারী সুমেধাদি কৌরবী,
মিথিলাগী নিংথৌদা থাজখরে, শেংলবী।
ওম্থোকপনি নোংদম্বা মচা দানবু ফংদরে;
নিংথৌ খুভম শিন্নবা কনা 'মীত্তা উদরে।
সুমেধাদি ইবেম্মা, রানী ময়াম লোয়ননা,
ঈরাং—থৌনিজরকখি ব্রত কন্না তৌত্নুনা।
পূজা'সীগী শক্তিদা থাওবা ভমদ্রে সাকাদো।
নলকর কৌরবা থুম্মোক শাবা লাইঅদো,
বুদ্ধদবু চঙজনা বুক্ক-লম্থোই' লাংখিবা,
মঙোন্দবু ছায়জখি মীওই' শাইওন্নুনবা।
লাক্রে সাকা মুত্তিওই সুমেধাগা উনরে;
স্তুপী ওইবী' মগুণবু ভাবীববু হোৎখরে।
"চহী লীশিং তরাবু সুরুচিগী রানীওই,
লমচৎ ভাল্লা চৎচরি মাগী মথা পোনবীওই।
লৈমা লীশীং কয়াগা কল্লক-থোয়শাউ লৈনদে;
ইনেম, ইকু অনীনা ভাকপীবত্নু কায়জদে।
নিররবা কনাদা পীখি ফিরোল চীঙ্গাকপু;
চারম' কোল্লীক ময়ামদো শেংজৈ ঈথুৎমক্কবু।"
মহারানী' রাসিদা পেনখ্রে সাকা কৌবদো'

জাতকী খেরোল

"মতীক চাবা লানওম্বা অচৌব'ই ঈ ওইবদো
পোকসম্লনে নহাক্কী নচা মুপা ওইনবু।"
বড়সিদা সাকাগী, নলকর লাইনবু,
চওখ্রে রানী শীওম্বুং পোকখ্রে মচা ওইত্নুনা;
তন্ন-তহেন মরক্তা চাউখি রাজকুমারনা।
বিশ্বকর্ম্মা লাক্তুনা ওক্ল' কোম্নুং শাখরে;
মহাপল্লদ কৌত্নুনা নিংথৌ ফম্বাল কাখরে।
ওম্বোকপগী মতৌনি! কুম্মৈ-ফিয়োং কয়ানা,
নোকহনববু ওমখিদে মহাপদ্মদ খজীত্না।
ফাগি হৈবা কান্নদ্রে উত্ত ঘীবু হৈখবে
সাকা খঙলে য়াররোই স্বর্গই লাই থাখবে।
শাবে জগোই লাইঅদা; তংখায় শাবা জগোইনি
মালংদবু লেপ্পগা নাকল নাম্মা' শাবনি।
'সিদা মহাপল্লদ খজীক্তমক মনোকখি;
তিল্লখিবা ময়ামদি থবো ওন্না খাওনখি।
মহাপল্লদ নিংথৌদো অচুম্বত্তা চংখিদো
দান ধর্ম্ম তৌত্নুনা য়াইফ মপোক তানখিদো

মাঙখ্রবা মরূপ ঈশৈনা থিবা

উজ্জয়নী' বাংমদা চণ্ডাল খুনবু লৈরম্মী ;
শিটা শম্ভুটা কৌবা চণ্ডাল অনী পোক্লম্মী।
মরূপ-মত্তৌ শুকইদো ভাইহাক ফাওব থানদে ;
মপোক মরি পোকখিবা অমুক্তবু কাউনদে।
নীংবা থুংদ' মপোকশিং থম্মোই শোকপা ভাক্তনি ;
ঈকাই-ঈকি কয়াদি নংজখিবমক্তনি।
অহাম' মপোকমক্তদা ঘ্রাইশীংপবু ওইখিদো :
কোন্নুং' নোংপোক, অরাংথোঙ মখোয় 'নীনা শীংখিদো
থাগৎপগী মহুত্তা মঙ্গল ওইত্রে হায়হুনা ;
চৈতূপ-চৈরাং পায়হুনা ক্ষ্বিখিদো তমথীনা।
"ঐখোয় ওসি ব্রাররে চণ্ডাল মপোক ওইহুনা ;
টক্ষশীলাদা চৎলসি ব্রাহ্মণ মচা শাহুনা।"
টক্ষশীলাদা চৎলগা মহৈ-মশিং তমখ্ররে ;
গুরুনবু তন্বিবা মহৈ পুম্বা হৈখরে।
নোংমা গুরু চাকৌবা 'গুক শংত্রে' অহুনা
শিষ্য অনী থারকই 'খরা চৎলু' হায়হুনা।
খওদবদ'ই শম্ভুটা নক্লুই চাকশা ময়াদা ;
শামন্দুনা লাউরকথি চণ্ডাল জাৎকী মরোলদা।
বোধিসত্ত্ব শাইওনবা শিটা কৌবা লাশিংবা,
মঙ্গল অশিষ পীরম্ম' ময়ুমদবু হল্লকপা,

চণ্ডাল মরোল লোন্দুনা ব্রারী শান' তারুবা'
নহারোলদি খরনা খঙখ্রে মখোয় নীনম্বা।
চণ্ডালনবু ব্রাহ্মণশা! হাৎলু মখোয় অনীসে;
ময়াম' ঈহৌ থোরক্লে, "ফ্রো য়েরো হাংলসে।"
লাইবক থীর' নহা'নী উমং মায়কৈ তম্নম্মী;
পুন্সী-চেঙজেল লোইহ্নুনা অশি-নোংময়রম্মী।
মথং নপোক অমদা শক্তি ওইনা পোকখরে:
নুংশি-লেংঙন চূপ্নজ' চাম-চিম্না লৈখরে।
শাদানবগী তাশোম্না মখোয় অনী ফাওনা-লেং,
য়াইবী থরায় থাখরে মথং মপোক তম্ন-য়েং।
মথং মপোক অমদা চেক্লা ওইনা পোক্লুনা,
নুংশি-চীল্লোকমিন্নজ লেনখি পুন্সী নুংঙাইনা।
ওস্তোকপনি নোংদম্বা! শাদানবগী লাংদবু,
থুরবদা মখোয়'নী লোইখ্রে মপোক 'সুম্নবু।
মথং মপোক নুংঙোনবা পোকখি শিটা ব্রাহ্মণ-ওই;
শম্ভুটাদি কৌবনা নিংথৌ মচা নুপা-ওই।
হিমালয়দা শিটানা লম্বোইহ্নুনা লেনখরে।
মপা'ই তুংদা শম্ভুটা নিংথৌ ওইনা পানখরে।
লাংঙন পুম্বা নীংশিংবা শিটা, মরূপ থিরকখি;
মানা অসুম্ন লাকপদা অঙাং অমা থেংনখি।
তরা-শাংজন তম্ন-তম শৈরোল 'হুতা মশকচ
নিংথৌনবু শকখিবা শৈরোল 'হুনি, মফাজে।
লোইনম্ম খঙবা শিটামি ইশৈ মখা তম্মিরে;
'নিংথৌগীদা চৎলগা শক্রুরো'বু হায়খিরে।

জাজকী শৈরোল.

*কোম্লুংদবু চংলগা, “ঈশৈ মখা শকচগে:
ঈনীংথৌনা হৌবিয়ু ননাই মতুং তাজগে।”*

হায়রবদা নিংথৌদো হৌখ্রে শৈরোল শকপবু,
“থৌরম পূম্বা থেঙবা-ঙন' ফংনি শোয়রোই মহয়বু;
শম্ভুটা ও! রাংথোইবা চাজৈ তৌজ-মমলবু।
খঙঙমদেদা শিটাদো মাসু রাংথোইরমগদ্রা?
মহৎ-ণগীদি মহয়বু মাসু ফংজরমগদ্রা।”
মতাংসিদা অঙাংনা শমথররক্লে মখাবু।
“থৌরম পূম্বা থেংব-ঙন' ফংনি শোয়রোই মহয়বু।
য়েংবিয়ুদো ইবুঙো, লাক্লে শিটা থোঙ্গান্দা;
নহাক্লুম্না পথনে হোৎনজমন মঙোন্দা।”
কোম্লুং লম্পাকথক্তবু থেংনখরে অনীদো,
য়েংকা ঙইগা যম্মীম্ন হরাউজখ্রে পুঙ্গোয়দো।
“কোম্লুংদবু লেঙলসী হামগে নখোঙ থম্বালবু;
হবাউ-তয়াম্লনক্লে-তিন ঙইক্লুরসী নিংপৌবু।”
শম্ভুটাগী রাসিদা শিটানবু হায়রক্লে,
“অফ-ফত্ত থবক্কী মহয় অনী উরক্লে:
শম্ভুম, ইচা, ইশু'ই অপাম্ববু পোক্তরে;
তহী চাম্ম'ই মীওইপোক অম্নেপ্পনি থন্দরে।
য়েংদৌঙম্না খুইখিনি অরেম্বনি তুংশিবা;
করিবুদি কাম্ননি অপাম-তুংশি'ই মীনম্বা।”
চণ্ডালদগী হৌড়্না মপোক-মরি ওল্লকপা,
মগং মগং লীয়কখি তাইবঙ মপোক অরেম্বা,
“পুন্সী অসী তেনবনি অরোইবদা শিবনি,

অহল ওইরোই য়াদ'নি লোৎকে লোৎফম লৈত'নি ;
অতুননে পঞ্চালা ঐনা হায়বা ইল্লুনে,
অব্রা-মহয় ফংদোবা থবক অহু তৌনুনে।"
অন্নমদি পাউত্তাক্লম' পাইখংখরে মালংদা ;
খূয়া-উফুল চাইথখি নিংথৌগীদি মকোক্তা।
মতৌ লাংওন অসিদা মু'ওনখবে নিংথৌদো ;
থাদোক-ওমদ' লৈরম্বা থাদোখরে লীপুন্দো।
মচা মুপা অহন্দা শিন্নরম্ন' খুভম্মু,
খোঙশানখরে পঞ্চালা হিমালয়দি অম্নবু।
ওকখ্রে মাবু শিটানা হিমালয়গী লমদমদা,
ধ্যান-যোগ তম্বীখ্রে ময়াম্বনা মভোন্দ'।
সাধনাগী মহয়না সিদ্ধি পুরুব ওইখবে,
ব্রহ্মলোক্তা মখোয়'নী পোক্লনবা শীনখরে।

১০৭

নিংথৌ সিবি

মপোক অমা বোধিসত্ব নিংথৌ সিবি ওইতুনা,
মমীং চৎখি তাইবঙদা দান ধর্ম্ম তৌতুনা।
মোংমা নিংথৌ' তাভবন্দা খনখি মাখল অমুম্না,
"মসীনদি ওইদরে ; নিররবা কনানা,
অমোই পীয়ু হায়রবা, থরো মরী চিংথৎকুম,

হঙ্গায়রগা পীখিগে উদা পকপা আগরগুম।
মীৎপু পীয়ু হায়ৰবা থাঙত্নপ-পাম্বী ময়োলবু,
থদৎপগুম থদংল' পীগে ইমীৎ অসীবু"।
সাকা তারে ঘ্না-অসী; চাংবু য়েংগে হায়দুনা,
মমীৎ তাঙবা শাদুনা নিংথৌ নাক্তা থুংলরে।
"য়াইফ থোইয়ু নিংথৌও! নগুণ তাদ লৈত্রবা!
লাইগ্ন' ব্রাহ্মণ ঐহাক্কি ইমীৎ অনী তাঙলবা।
নঙগী অনী গুরিবা অমা পীনৌ ঐঙোন্দা।"
তারুবদা নিংথৌদো হুরাউজরে খম্মোইদা;
"হৌজীক্তবু খল্লম্বা থুংলে ঐনা নীংববু
অমত্তবু নত্তনা, ব্রাহ্মণ! লৌবো অনীবু।"
অনী হায়র' কৌশিনগ্রে সেবকাদি মাইবৰু।
অঙম-অথৌ, লৈমশিং থামজবসু য়াখিদে;
অনাবৰু ফাওহনবা নিংথৌ করি খনখিদে।
চোংথোরক্লে মমীৎঅনী মন্নী থবৎ ককথৎলে;
নিংথৌ' খুত্তা হাপ্লগা ব্রাহ্মণবু কংলক্লে।
হাপ্লে ব্রাহ্মণ মীৎ অনী তাইবংপানবু উখরে;
ধর্ম্ম লৈবা নিংথৌদি অমত্তদা লৈখরে।
মতুদগী নিংথৌনা নিংথৌ খুফম থাদোক্লম,
লৈপ্রে চীক্লা মতোমতা মুংঙাই য়াইফ হুন্দোক্লম।
লাক্লে সাকা মতুংদা মমীৎ অনী হনবিখি;
তাইবং মীৎপু পীখিবা লাইগী মীৎসা ফংজখি।
পাল্লে নিংথৌ অমুকহন' মুংঙাই মরাং হৌনখি;
দান ধর্ম্ম তৌজর' মিংচৎ কোলোয় তাপ্পখি।

য়ু থকপগী অমাঙবা

হিমালয়গী লমদমদা উপাল অম'ই কারঙ্গা,
ঈশিং খবা ত্বংলম্মী কুমগী নোংজু লাকপদা;
উহৈ ময়াম তাশিনবা ঈশিং অত্থু থক্লুবা,
উচেক-রায়া কয়ানি লৈমায়থক্ত তাখিবা।
'ত্বু ভাইহাক লৈবগা অত্থুম অমুক পাইখৎখি:
শুর কৌবা উকুংপুরেন থৌদোক অসী উরকখি।
খজীক্তুংবু তংলুবা হাউব য়ুবু ওইরম্মী;
য়ু অত্থু লৌরগা লমদম থাপ্না পুরম্মী।
মতো লাংঙন অস্তুম্না নিংথৌ, 'দশ্বোই' কয়াবু,
মানা থকপা তম্বীখি মাঙখি লৈখা তানবু।
সাকা কৌবা লাইনীংথৌ মাঙবা তাবে হায়ত্থুনা,
ব্রাহ্মণবুদি শারগা খুত্তা চক্ু পায়ত্থুনা,
মালংদবু লেপ্লগা 'চক্ু সৈয়ু" হাখিবা:
"কবি য়াওরি?" হংবদা অসীনিদো খুমখিনা,
"চক্ু 'সীগী মম্বুংদা পাপ্পু থম্না য়াওরিদো,
ঘী, থাউ, চুহীদি নত্তে খোইরেন-খোইহীদো।
থক্লুবদা মসীবু অঙ্ককভেম্নু শাগৈনা,
তোর্বান্দা তুমখিদো মশেল হাত্তোক্লত্থুনা।
থক্লুবদা মসীবু লুখাক কোমদা তাগনি;
পুম্নম নম্বা পুখ্রীদা নকোক ফাওবা লূপকনি।

জাতকী শেবোল

অরেম-অখাক থিদনা ফংলিমথৈ চানীংবা,
লৈয়ু নিংথৌ চফ্সে য়ুবু থন্না য়াওরিবা।"
তারুবদা নিংথৌদো জ্ঞানবু তন্না তাখিদো:
সাক্তা কৌবা মপুগী রাওম কোলোয় শকখিদো
"মমা মপা কনানা হায়বিদবা হায়বিরে;
ইশ্বরনি নয়াথং ফাগাউ শানা য়াজরে"।
মতুংদদি নিংথৌদো দান ধর্ম্ম তৌদুনা,
স্বর্গ'ই লম্বী তানখিদো য়ুবু থকপা থিংদুনা।

১০৯

ময়া তরূক পানবা শামু

মপোক অমা বোধিসত্ব শামু ওইনা পোক্লম্মী;
মশা পূম্বা পুমডৌ-ডৌ ময়া তরূক পাল্লম্মী।
চাটম হেল্লি অত্তেদ'ই লুচিংবনি ময়ামগী;
অশং-অঙাঙ মথলনি মচু তরূক ময়াগী।
বোধ লম্বোই' কয়াদা শ্রদ্ধা ভক্তি কায়জদে;
অফ' লমচৎ-শাজত্ত'ই অত্তে অমা হোংজদে।
রানী মহাসুভদ্রা কূল্লসুভদ্রা 'নীমে.
ফজরবী কয়ানা মাগী তাল্লোয় ওইখিনে।
হিমালয়গী নাপোমদা ছংদন্ত পাৎপান্দা;
লৈখি শামু ময়ামদো সনা'ই শুরুং অমদা।

কোম্ন-শনবা পাংন্নিদো ঙমো থম্বাল চৌরিবা ;
মচু কয়া'ই লৈরাংনা মপান্দবু শাংলিবা।
চৌংশাং-চৌংলোন মন্নুংদা রাপাল-উপাল উমংনা,
কনা চঙবা ঙমদনা খারি পনবু কোয়শীল্লা।
কালেম্বাদা শামুশিং খোংনাং অম'ই মখোঙদা ;
হকচীক লাংনা লেপ্লম্মী পাংকী ঈশিং ময়াদা।
লুচিংবনা থেংবদা লৈবু শাংপা উপালদা,
লৈগী নোংবু চুরকখি মহাসুভদ্রা'ই মশাদা।
থম্বাল হেক্ল' পীখিবা 'সুম্বা থৌদোক কয়ানি ;
কল্লকথম্বন মৈরিনা রানী 'তোম্বী চাকপনি।
মথং মপোক অমদা লম্মন থুমগে হায়দুনা
পোকখি কন্যা ওইদুনা সুভদ্রাবু কৌদুনা।
বরানসী নিংথৌগী মহারানী ওইখরে ;
মপোক অম'ই লম্মনবু থুম্নবা খনখরে।
শাদানবশিং কৌরগা হায়জরকই রানীনা,
"ঐনা ঙসি হায়জবা তাবিয়ুদো ময়াম্না।
নহাল ঐগী মঙলান্দা ময়া তরুক পাল্লবা,
শামু অমা উখিদো কুচু ঙৌরোক ঙৌরবা ;
মাবু খল্লা হাংপিয়ু পীয়ু ময়া ময়ামদো।"
ফুম্বঙননা ঙাইহাকপু তমিন লৈনৈ ময়ামদো।
মপোক অমা লুচিংব'ই স্রেক্লববু ওইখিবা,
সোমুত্তারা কৌবা 'মা উরে 'তুদা য়াওরম্বা।
মাবু নায়তোম কৌশিল্লে রারী পুম্বা লীরক্লে ;
থৌরাঙ পুম্বা লোইদুনা সোমুত্তারা খোঙশাল্লে।

বোধিসত্ত্ব হাংনব, কোন্থু তোবা লোইখরে ;
উপাক নেংলুরদগী লুচিংবদো ত্তাখরে।
তগী তেনবু কাপ্লকপা মশাদবু য়ুংবনি ;
চৈনা কংল' লুচিংবা হেদো-নাহে থাওবনি।
য়ারোল পুন্না থওলগা হায়খি বোধিসত্ত্বনা,
"ইপা ইপু শিখিব'ই লৈ ময়া ময়ামদো
খওলিবনি মহাকস্থ শাউগাল্লবী রানীদো।
ঐগী থন্নায় লোৌবনি পাম্নিবদী মহাক্না ;
ফরে, তম্মো মঙোন্দা 'ঐবু হাংলে' হায়হুনা।"
অসী হায়না ময়াশিং হোরায়নবু লেলহনখি
অনা-মৈচাক থাওতুমদ' বোধিসত্ত্ব নোঙ্গাখি।
সোনুত্তারা থুংখরে মহারানী' মফমদা ;
শামু ময়া কংলগা 'শামু শিরে' তম্বদা,
মহারানী সুভদ্রা অন্থুক মতীক রাগরে
অরা-মৈচাক থাওমদ' পুন্সী পোল্লোই তানখরে

১১০

লৌশিংবা উচেক অহুম

কাশী নিংথৌ ব্রহ্মদত্ত মচা মণ্ড পোক্লমদে ;
পূজা-লাংজা তৌবস্থু কান্নববু ফংলমদে।
নোংমা মানা ইংখোলদা হকচীক-লাংনা ফম্বদা,
উখি উচেক মকোলবু উথক্তবু য়েংবদা ।
মনাই অমা কাখংহন লৌথচল্লে লৈবম্বা ;
মকু, ময়না, তেনব্রা'ই মক্নম্লিদো য়াওরম্বা।
ফম্নাই' অহুম খল্লগা অমমস্থু শিন্নখ্রে ;
"'মচা-ওল্ল' তাক্লকউ" অস্থুন্নবু হায়খবে।
মক্নমশিংহু খংননা মচা ঙম্না ওল্লকখি ;
বসন্তবা, কুণ্ডালিনী, জম্বুকাদি মিঙ্গৌখি।
তোঙন-তোঙান য়োকহনখি উচেক মচা অহুমদো;
চাউবল্লবা মতমদা ময়াম মাঙদা কৌখিদো।
বসন্তবা থুম্নকখি নিংথৌ' লমচৎ হংবদা,
"মীনম্বনে শাউবনে থাদোক্কনি নিংথৌদি ;
অপাম-মিহৌ লাংদবু চঙলোইদৌ'নি মহাক্তী।
নিংথৌ' মখৌ কোমথোকপা মিংচৎ-কোলোয় থৌগনি ;
মবল মথুম মাঙলপা ইকাইবস্থু নংগনি।
প্রজা'ই মকম থুপ্নহিং খোঙফম নঙগী চেৎকনি ;
অচুম্ববু-থাগোম্না থম্মোই মরা তপকনি।"

জাতকী শৈরোল

'সাধু!' 'সাধু!' থাগৎনা ময়াম পুন্বা ওক্নখি;
প্রজা'ই মরা লৌরগা মাবু মেঙোর হাপচখি।
মতুং থরা লৈরগা কুণ্ডালিনী কোরেদো;
লৈবাক-মীয়াম মমাঙদা নিংথৌ' থোদাং হংখিদো।
"ফম্নাইবদি অশিংবা, য়ু. জ্বার শোক্তবা;
সারথীগুম দোলাইগী থম্মু প্রজা'ই য়েংদোবা।

লঙ্গৈ মীথুং শিন্নত্ন পায়য়ু মচু নশানা;
অমাঙ-অতোং মচুগী থওজগনি নহাক্না।
অশাউ-থাম্বী মৈরিনা চাকহনগনু নশাবু;
পুন্সী-নোংলৈ লাকপদা মবা তপথৌ প্রক্লীংবু।
নরোয়-ননাউ কনাবু শেরাম্নমা লমজিংনু;
পাপ্না পাপ চাবনি কৈদৌন্নংদা কাউগনু!"
থাগৎনখি প্রজানা অওকপনি হাযতুনা;
ইকাই খুম্ন' উৎচখি লঙ্গৈ পাম্ন' হাপ্তুনা।
মতুং থদা লৈবগা জম্বুকাবু কৌথরে;
শক্তি হায়বা করিনো ময়াম মাঙদা হংখরে।
বোধিসত্ব' শাইওনবা জম্বুকাদি তেনব্রা,
হায়খি নিংথৌ মফমদা কান্নববা পাউতাকবা।
"শক্তি পোরম মঙানি য়াইথোইবদা পীরিবা,
লন্থ্রম, পাঙ্গল, পাউতাক্কী শক্তিনিদো অরেম্বা।
শাগৈ-জাংকী শক্তিমু কান্নদবা শক্তিনি;
প্রম্নমক্ত'ই হেনবনা জ্ঞানগী শক্তি কৌবনি।
নিংথৌ ওইযু হায়তুনা মপোক্তবু তম্নকপা,
করি'মত্তা কান্নরোই পঙনবুদি পোক্লবা;

অতোপ্পনা মুনখিনি লন লৈবাক পুম্বম্ ,
য়েক্লবনা লাঙ্গোয়চন মাঙনি থরায় মঙাম্ !
জ্ঞানগী য়াহৌ ঙনবনা থবক খূদীং নংবনি ;
পুন্সী চুপ্পা অদুমা মায়বু পাক্লা হিংবনি ।
অদুনমে নিংথৌ ও ! জ্ঞানগী মহাউ চুপ্পনে ;
অরানববু খোঙ্গাঙন ঈংনা লৈবাক ঙাকউনে ।"
বোধিসত্ব'ই পাউতাকপু ময়াম পুম্বা লৌজখি ;
লাল্লোয় হঞ্জ' হাপ্তুনা ইকাই খুম্ন উৎচখি ।
উচেক অহুম লৌশিংবা থবক থৌরম কয়াদা,
য়েংকি পাম্বোম-ঙইতুনা পীখি পাউতাক নিংথৌদা ;
জম্বুকাগী পাউতাক্'ই নিংথৌ দানবু তৌজখি ;
অচুম্ববু চৎলম্ন' লাইরম্নেনবু তমজখি ।
নিংথৌনবু পীরম্ব য়াথং মতুং ইন্দুনা,
জম্বুকাদা শিন্নরুই নিংথৌ খুঙম প্রজানা ।
"করি তৌনি মতুনা ! নখোয় অদুম মঙাকউ,
ধর্ম্ম-নীতি চত্তুনা রায়েল থৌদা পাঙথোকউ ।"
রায়েল-কাংলোন অচুম্বা ইখি সনা'ই কোর্বাক্তা
জ্ঞানগী পাউত্তাক পীরম্ন' পাইখি চেক্লা মালংদা ।

১১১

নিংথৌনা ঈশৈ শক্তুনা

মরূপ থিবা

মপোক অমা বোধিসত্ব যুবরাজ ওইনা পোক্লম্মী
অরিন্দমবু কৌদুনা হুংঙাই য়াইফ লৈরম্মী।
মানা পোকপা হুমিত্তা পোকখি অঙাং অমস্থুং
ফম্নাইবগী মচানি কৌই সোনাকা মমীংস্থু।
মখোয় অনী পুম্লপা টক্ষশীলাদা চত্তুনা,
তম্মিনখি মহৈবু গুরু 'মদা চত্তুনা।
মখোয় 'নীনা হল্লকপা মরম কাশী লৈবাক্তা
কমাগুম্বা অমনা চাকপু কৌগি ময়ুমদা।
অরিন্দমগী ফিদানা শামতু অঙৌবগীনি;
সোনাকাগী থাবনা শামতু অঙাঙবগীনি।
লৌশিংলবা সোনাকা ফাওখি মপূক্লীংদবু;
নিংথৌ ওইনি অরিন্দম মানা সেনাপতিবু।
চাবা থকপা লোইরগা লম্পাক্তবু থোরকপা
নিংথৌ শিরে হায়দুনা মতীক চাবা থিরকপা,
লাইনীং-লম্বী চৎনীংবা সোনাকাদি লোৎচখি।
মীথোইরবা অরিন্দম নিংথৌ খুভম ফংজখি।
নিংথৌ ওইখি অরিন্দম সোনাকানা লাইনীংবা।
চহী নীফু'ই তুংদনি মাবু নীংশিংলকখিবা।

"সোনাকাদো কৈদনো!" অস্তুম্নবু শোল্লকখি;
মুংহীরুবা মুরদা ঈশৈ ওইনা শক্ককখি,
"শেঙ্গা লীশিং লৌৰিয়ু কনাগুম্না উরবা,
নবা পুন্সী খোঙবুরোই ঐগী ইরূপ মুংশিবা।
শেঙ্গা চাম্ম লৌবিয়ু তম্নরবা ঐঙোন্দা;
ঐগী ইরূপ সোনাকা 'লৈরে মফম অসিদা।"
মীপুম খুদীং পুনখি ঈশৈ অহু মচীন্দা;
সোনাকানা ফম্নিঙৈ শক্করেদো উমংদা।
অঙাং শীংজনবতুদা ঈশৈ মথা তম্বীখি;
নিংথৌ মাঙদা শক্কবা অঙাং অহু থারকখি।
"শেঙ্গা লীশিং লৌৰিয়ু কনাগুম্না উরবা,
নবা পুন্সী খোঙবুরোই ঐগী ইরূপ মুংশিৰা।
শেঙ্গা চাম্মা লৌবিয়ু তম্নরবা ঐঙোন্দা
ঐগী ইরূপ সোনাকা 'লৈরে মফম অসিদা।"
থবায়গুম্ন' ঈশৈদো লোইবে শকপা নিংথৌনা।
অঙাংনবু শমথখি ঈশৈ মথা অস্তুম্না;।
"কদায় পীয়ু লীশীংদো উরকুবা ঐঙোন্দা,
শেঙ্গা চাম্ম হেনবিরো মপাউ তম্নরবদা।
নাবা পুন্সী খোঙবুরোই নওগী নরূপ মুংশিৰা,
তমগে মপাউ সোনাকা'ই তার' থম্মোই মুংওনবা।"
নিংথৌ অহু খাঙওমদ্রে ঈশৈ অহু তাবদা;
অঙাং অহু চংখরে সোনাকাগী মফমদা।
মুর' শম্নাং কোকথোক্ক' লৈঙাঙ ফিবু শেক্ত্নুনা,
উখাদবু ফম্নম্বা উখি সোনা নিংথৌনা।

জাত্রকী শেবোল

কুইনা উনরুদ্রবা ঘরায় ওইবা মরূপপু,
নৌনা উজরবদা শিন্থনখি পিরাঙবু।
লম্বোই' পুন্সী লীক্লমগী বড়-মঙ্গল নীপালবু,
লীখি নিংথৌ' মফমদা সোনা থম্মোই থক্লবু।

রাজভোগপু চাহ্নবা অকেম্ফাত্তা লেল্লবা,
নিংথৌনদি খোয়জওদে লম্বোই' পুন্সী লুংঙাইবা।
মসী'দমক সোনাকা হায়খি মরূপ নিংথৌদা,
"তাইবঙ মায়া'ই লীপুন্না চেৎনা পুনশিল্লবদা,
হন্না হন্না পোকপগী ফংনি রাবা মঙোন্দা।
হে মরূপ অরিন্দম! ভারো লীগে রারীবু—
গঙ্গাদবু তাউরকপা শামু অশি' মশাবু,
রাখল ইতৌ তোদনা চাঙাক লৈরে হায়নুনা,
মথক্কবু তোংলগা চাখি পঙল' কাক্কুনা;
হন্না য়েংখিবদদি সমুদ্রবু য়োরম্লে;
ঈপাক-ঈচাউ তবঙনি চাংজো উদ' চাউরম্লে।
পাম্বৈ লৈত্র' কাক অদো অরাবদা তাখরে;
ঈশিং-হিংচা' গুন্তীরনা লাক্কুনবু চাখরে।
ংপাম-মিহৌ থাদোক্লো পঙগন্নুনে কাকুম্না;
নঙগী তৌজ' কর্ম্মনা চাংগুম পৈনি মিংচৎনা।"
রাবু অসী হায়রম্ল' অগাঙবদা মাঙখরে;
সোনা'ই মপাউ অতুদা নিংথৌ থম্মোই থকখরে।
মাগী মচা দিঘাবু কৌর' খুভম শিন্নখি;
শল-লোক শগোল শামু মঙোন্দবু পীরমখি।
পুকয়-লঙ্গে থৃদীংস্থ মচা'ই লোইনা ওইহৌরে;

ফজরবী রমনী ঈরাং-কোনবু থলহৌরে।
"ইপাই ইবুংঙো লৌহৌরো ময়াম অসী লোইনবা ;
ঙসি শিনি পাউজেন্দে লৈরিবনী হায়নবা॥
লৈপাক ঙাকপ'ই পোৎলম্সু শিন্নরমগে নফমদা।"
অস্নুম তৌনা সিংহাসন শিন্নরম্ন' মচাদা
লাইনীং-লম্বী চত্নুনা বোধ লম্বোই' ওইখবে।
ধ্যান-যোগপু তৌদুনা ব্রহ্মলোকপু তানখরে।

১১২

শকথীবা বর

কুশপতি ওর্কক্কা মচা মশু পোক্লমদে
নিংথৌ খুভম শিন্নবা কনা'মক্তা লৈবমদে।
পূজা-লাংজা তৌদুনা য়েংব হীন' য়েংখরে
নোংমা মহারানীবু কৌরদুনা হায়খরে,
"উপাই লৈত্রে ইবেম্মা লম্বীদবু লেপ্লুরো;
অচৎ-অথোক ময়ামদ'ই অঙাং অমা নিকুরো।"
মহারানী য়াদুনা লম্বীদবু লেপখিদো।
সাকা লাইনা খল্লকই, "ওস্তোকপবু ওইরেদো ;
সতী শিলাবতীনা 'স্নুম্ন অঙাং য়'বদি।"
'দুনা সাকা লাক্রেদো ব্রাহ্মণ অহল শানদি।
লাইগী শক্তি শীজিন্ন' পুরে মাবু স্বর্গদা;

ফিজেৎ লৈতেংবীরগা পীরে বড় মঙোন্দা ;
"নচা মশক অথীবা শিংবদদি লময়োবা,
'মনা মশক ফজবা লৌশিংদদি য়োদবা,
অনীমুদি ফংজরো ;" তাপিরক্লে সাকানা।
মতম চানা মচাবু মপা মথং পোকখরে ;
অঙাং অহল শকথিবা মমীং কুশ থোনখরে।
কুশ কৌবা অঙাংদি বোধিসত্ব' লাংজনবা,
মায়াদবু তাউজদে গুইজনিংখি লম্বোইবা।
মমা মপা অনীনা নুপী হায়ন' খোরাঙখি ;
অকোনবদা কুশনা মুত্তি অমা উৎলকখি।
মুত্তিতুগা মাল্লবা কন্যা থিবা ফংদরে।
মদ্দ কৌবা লৈবাক্তা মরাম অচু চৎখরে।
মদ্দ নিংথৌ' মচাদি নুপী নিপাল লৈরম্মী।
অহন্দুগী মমীংদি প্রভাবতী কৌরম্মী।
ফজবদা মশক্তু হেল্লোয়দগী হেনবীনি ;
ঙৌরোক ঙৌবী কুচুনি তোঙ্গানবী শাবাম্নি।
লম্বী নাকচি অমদা লৈরম্বদি মুত্তিনা
প্রভাবতি শোয়দরে খনখরেদো মীনাইনা,
"সিদা নিংথৌ মচানা লেপ্লিবদি করিগী ?"
খিত্তং থাবা থুপাক্লা কেল্লে মচেৎ মুত্তিগী।
কন্যা থিবা লাকপশিং শাখ্রে ৱারী নিংথৌগা;
লাক্লে মল্ল'ই কাঙবুমু ৱাবোইপোৎপু পুরগা।
শিলাবতী লৌশিংবী খনখি ৱাখল অমবু,
প্রভাবতী কন্যানা উবা থোক্ল' কুশমু,

ব্রা-লৈত্তে লৈবগী থুনা ময়ুম' চেনখিনি।"
মরমসীনা হায়খিদো,—"মসী ঐখোয়' নীয়ম্নি—
কনাগুম্বা মুপীনা অয়ুক মুংথিল মত্তমদা,
মুপা য়েংবা য়াবোইদো য়ানি য়েংবা অহিংদা।
গর্ভাবতী ওইদ্রি-ফাও' নীয়ম অসী ঙাক্কনি;
মত্তুই মতুংদগীদি উননীংবা য়াগনি।
প্রভাবতী য়াখরে চৎপা তাবে মীরমদা;
মনাই-মশন লোয়ননা লাক্লে কন্যা মল্লদা।
মল্ল লৈবাক য়ৌরগা কুশ নিংথৌ হাপখরে
প্রভাবতী শকহেনবী মহারানী ওইখরে।
অহিংদতা মউম্নে অয়ুক নুংথিল উনদে;
মমাগীদি য়াথংনি লক্ষে কৌবা চৎনদে।
মমাদবু হায়জর' শামু শেনবা অমুক শা,
রানী মশক য়েংখরে শম্বী শেংবা অমুকশা।
প্রভাবতী ইবেম্মা য়েংনীংখরে নিংথৌবু;
মনেম্বোক্লা মতুগী শীনখ্রে পোরম লোইনবু।
শামু শয়াংথক্তবু মনাউ মুপা তোংহনবা;
মশক ফজ্ঞ' মনাউবু নিংথৌতুনি হাযজীনবা,
কুমথবদা খণ্ডখরে অথীবতু নিংথৌনি।
'শুম্মা হৌজ অনীরক খণ্ডলবদা প্রভাদো,
শাউখিবনা মৈহৌনা থাদোক্লম্লে কোম্নুংদো।
কায়ন-মৈচাক খাণ্ডমদ কুশ-নিংথৌ চংখরে,
মদ্দ নিংথৌ লৈবাক্তা শক্লোৎ ওইনা লৈরুরে।
প্রভাবতী য়ানবা শীনখ্রে থৌরাঙ কয়াবু;

~ জাতকী শৈরোল

নিংথৌ' ফৃশাবদবু চঙজৈ 'খরা তমগে'বু।
থুম্মোক শাবা, পূজারী মথং মথং ওইরক্লে;
লাইনা থাবা ফুপানি নিংথৌ খনবা ওমখরে।
পূজারীবু ওইহনা লৈরে কুশ কোনুংদা;
প্রভাবতী' মীনু'শি ফংবা ওমদে মঙোন্দা।
শকপু ফজৈ নাপল-কা থোয়না-রাংনা লৈবনি;
সাকা কৌবা লাইনবু মতৌ অসী উবনি।
সাকা লাইনা পাউনীশা চেনখ্রে পাউবু অসুম্না,
"প্রভাবতী হল্লক্রে কুশ খাইনরহনা;
পানজব'দী নিংথৌশিং লৌবা য়ানি মহাকপু।"
নিংথৌশিংনা লান্দাখি মদ্দগীদি লৈবাকপু।
মদ্দ নিংথৌ মফমদা, "নচা পীয়ু নক্সগা
লানবু তৌসী" হায়ররে, "নঙনা লানবু পাম্লগা।"
মদ্দ নিংথৌ শাউখ্রে, "মসী পুম্বা অসীবু,
থোকহনবনি প্রভানা, হাত্তোক্লগা মহাকপু,
মতুপ তরেৎ কক্লগা য়েন্নি নিংথৌ তরেত্তা।"
"য়েক্ল' লাকশিন' ওয়বা নোংশাগুম্বা পাজন্দা
কুশপতি লৈরিদো করিগীবু রাদৌবা।"
মমা মপা অনীদা ফোংদোকখরে অরোনবা।
চঙজরক্লে কুশদা 'ফজৈ' নাপল কারম্বী;
শিগদৌর' মতমদা থোংলে থোইচৎনরম্বী।
কুশ'ই মগুণ থাগৎনা মখোঙ পায়না হায়জরে;
কুশপতি পুকফবা হায়জবহু য়াবীরে।
মকোই-মরাং কোকথোক্লে ফিজেৎ-লৈতেং হোংদোক্লে;

নিংথৌ অমা ওইবগী মগুন অতু উৎলক্রে।
নোংশা-খোঞ্জেল-খোম্থোক্লি খোংনা-ঙংনা লাউখিবা
'ঐনি' কুশ নিংথৌদি তৌগে হমদ' লৈত্রবা!
চণ্ডজররো ঐঙোন্দা নত্রে নথরায় লৌগনি।"
লালহৌরকপা নিংথৌশিং লোইনা চণ্ডজরকপনি।
কুশপত্নী-লৌশিংবা মদ্দ নিংথৌ তানরে
য়েক্লকুব'ই মহুত্তা চান্নরসি খন্নরে।
মচা মুপী-তরেৎপু নিংথৌ খূদীং থাজখি
অওং-অউন তমহুনা চাউনা লুহোংঙবিরকখি।



....
জানকী শৈরোম

১১৩

লমহুয়গী মন্ত্র

মপোক অমা বোধিসত্ব পুরীৎ ওইনা পোক্লম্মী ;
'তাইবঙ লাকশীন' মন্ত্রবু লোইনা চীনফা পুরম্মী।
নোংমা মুমীৎ অমদি ঔরাইবদা মন্ত্রসী,
লমহুয় অমা তাত্থনা ফাদোকখরে লাইব্রাসী।
চৎলমদাইদা লমহুয়দো 'মন্ত্র ফারে' লাউরকখি;
'মাঙেঙ' হায়না লৌশিংবা লমহুয়থুবু তান্নখি।
উমং মনুং য়োৌনবা লমহুয় অত্থু চেনখরে ;
মন্ত্র অত্থু শোন্দুনা শাবু ময়াম খোমখরে।
সর্ব্বদঠ মিংথোনলো শাগী নিংথৌ ওইরকখি ;
শারেন-শাথৌ পুম্বগী মথক্তবু লৈরকখি।
না'পলনদি ময়াইকা লমহুয় নিংথৌ অঙাওবা,
বরানসী লৌশিনগে খল্লে ব্রাথল শেরান'বা।
মাগী খোঙলোয় শায়ামগা সহর মনুং চঙলক্লে ;
নিংথৌ, প্রজা পুম্নমক অকি-তুজ‍ুংনরক্লে।
মতৌসিদা বোধিসত্ব নিংথৌবুদি থেমজিল্ল,
লমহুয়দবু লাউরকখি হোজঙবুদি কাখৎল,
"সর্ব্বদঠ ! হায়রকউ করম' লৈবাক লৌদৌরি ?"
"নোংশা খোংলকপদবু করম নখোয় থাঙদৌরি !"
সর্ব্বদঠ'ই পাউখুমদা বোধিসত্ব লৌশিংবা

মীগুু শাগুু লোইনদি সহরত্নুদা লৈরিবা,
য়াম, ময়দা থীত্তুনা নাকোঙ মেন্সিনহনবীখি।
সর্ব্বদঠ'ই ইঙ্গিত্তা নোংশা হৌনা খোংলকখি।
খোঙ্গেল অত্থু তাবদা শামু নীকখি কিবনা,
মথক্তবু তোংলিবা লমহুয় থাদরমত্থুনা,
মখোঙনবু নেংপদা তোইরে লমহুয় নিংথোদো;
মখোয় মশেল নেংনবা শাবু ময়াম শিখরে;
শাগী অশি' মশাশিং মীয়াম চীঙ্গাক ওইখরে।

১১৪

য়াথোক খরা

শদ্ম মচেৎ অমাঃ—

শাকক্ফমদ'ই শদ্ম'মা লাংজানবু চেনবদা,
অঙাং ময়াম তান্নখি শোরোক-লমজাউ থক্তুদা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা মতৌ লাংওন অত্থুদা,
মত্র তনশোন শোনবদা লেপখি লাঙজা মালংদা
মখুজীন্না চপলম্বা শদ্ম অত্থ থাদখি;
লৈবাক্তবু তাদ্রিঙৈ বোধিসত্ব ওক্লমখি।
ঙক্ল' থৌদোক অসীবু নিংথৌদবু তমখরে;
নিংথৌনবু খঙনীংনা কনানোবু থিখরে।
সেনাকাদি ফম্নাইবা কল্লক্তুনা মসীবু,
'কেস্ম লৈত্ত' থৌদোক্কি' খন্দোকহনখি নিংথৌবু।

জাতকী শৈরোল

লীক্লাং পরেং:—

নুপী অমা লীক-পরেং- থনম্লগা মপান্দা,
ঈরুজবা কুমথবে প,খ্রী অম'ই মমুংদা।
অতোপ' অমা লাক্লগা পরেং অদু লৌখরেং
থুনা-য়াঙনা লম্বীদা নুপী অদু চংখরে।
মপু মথক কাখংলক হুরানবীদু তাম্লখি,
চেন্না চেন্না কারগা লম্বোই'নাক্ত পুরকখি।
বোধিসত্ব হংলক্কই, "লীক্লাংসিদা নহাকপু,
করি মনম চাইবগে খঙহল্লুদো ঐহাকপু।"
"চাইজৈ আতর মনমু," হুরানবীনা খুম্লকখি;
মপুদবু হংবদা, "চন্দন চাইজৈ" হায়রকখি।
লীক্লু ঈশিং তীংলগা থাউ মনম য়োনবদা,
ঈশিংদুবু নমহনবা 'চন্দিন্নি' বু খুম্বদা,
হুরানবীদো মশাগী মরালদুবু য়াজখি;
মপুদবু 'ভাকপিয়ু' হায়রদুনা চঙজখি।

মচা নুপাঃ—

নুপী অমা মচাগা লাকই অমুম লম্বীদা;
হেল্লোয়নবু চানীংখি অঙাং অদু উবদা।
কল্লবুদি চিংলগা চেনগে তৌবমক্তদা,
মমানবু ফাখয়ে নুপী অদু খুদাংদা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা মফম অদু য়োরক্লে।

অঙাং মুন্নরকপগী রয়েল-বিচার হৌরক্লে ;
"অঙাং অসী চিংনরো খুদাং খুদাং পায়রূনা ;
অশেং' মমা হায়বদি ওইনি চিংবা ওম্বনা।"
মুপী অনী চিংনখি লৈজবীবু থাদুনা ;
অঙাং অদু কপ্লকখি চিংবতুদা নাহুনা।
মমা' খংথা থাদোকই মচা'ই নাবা উবদা ;
বোধিসত্ব উৎখরে তিল্লম্লিবা মরামদা,
"মমা ওইবী' থম্মোইনা মচা'ই নাবা খাঙভমদে ;
মমা নত্ত'ই থম্মোইনা মতু কৈস্ম নাচুংদে।"
অশেং' মমা অহুদা মচা অহু পীখরে;
অঙাং চাগে তৌরম্বী হেক্সোয় অহু মাঙখরে।

দোলাই:—

মহাসন্ধা'ই মিংচৎপু হেঙ্গৎহনগে হায়রূনা,
সাকা লাইনা দোলাইগী ম্লাল্লি তুংদা তপ্লপ্লা ;
সারথীনা দোলাইখাম মপান থোক্লে চংখ্রিঙৈ,
সাকা লাইনা থৌথরে সারথীবু লাক্লিংঙে।
লাউরহুনা তাম্নবা কারে দোলাই হুরানবা ;
লম্মোই' নাক্তা পুরক্লে রায়েল-বিচার তৌনবা।
উবমক্ত' লম্মোইবা খঙলে মতু সাকানি,
অকি' খঙদ, মীৎকুপ্ত শোয়ন্ত্রে মত্র মায়ানি।
বিচার হৌখ্রে মহাসন্ধা, হায়খি তপ্ল' খোঞ্জেলদা,
"অতোম্নবু থৌহনগে নখোয় য়াম্ল মনীংদা ;
পম্বুং য়োবা ওম্মদো মপুনিদো অশেংবা ;

য়ানবা ওমদ' মহাক্তো মপুনিদো অশাবা।"
ঘয় মপী হোল্লগা মপু অদু লৈহৌরে;
য়াবা লৈত্তে সাকাদি য়োনা য়ানবা ওমখরে।
মহাসদ্ধা হায়রকই, "য়ানবা ওম্বা লাইনিদো;
নত্র' ওম্বা হৌনদে; অমসীনি মপুদো।"
সাকা লাইনা থুম্নকখি; "লোনম তৌ'নি ঐহাক্না;
নওগী কোলোয়-মিংলেনবু শৈশরুবা তাইবঙনা।"

কোকঃ—

কোক অনী পুরকই খন্দোক্নবা হায়দুনা;
অমনবু মুপীগী, মুপাগীনি অমনা।
মহাসদ্ধা লৌশিংবা ঈরায় লায়না খন্দোক্লে;
"ময়ি চুমত্রীং লৈবনা মুপাগীনি," হায়রক্লে।
"ময়ি খোয়ত্রিং খোয়দ্রাংবা মুপীগীনি মদুনা
পাউ অসী নিংথৌদা তমখি খুঞ্জা ময়াম্না।
লৌশিংবগী মপাউদা পেঞখরে নিংথৌদো;
কলক চাউবা সেনাকা চাংয়েংখিনি হাম্নখিদো।

লিনঃ—

নিংথৌনবু থাবকখি তাওজা-লিনবু অমীদি;
"লাবা অমোম করম্বা খন্দোকউ" বু হায়নদি।
মহাসদ্ধা লাইমীংবা উবত্তদা খওবনি;
"লাব'ই মমৈ চাউগনি অমোম' মকোক শাংগনি।"

জাতকী শৈরোল

লাব'ই মমীং চাউরগা অমোমগীনা পীক্লিবা
খঙহনখরে নিংথৌদা খেম্নবগী অরোনবা।
পেঞ্জখরে নিংথৌদো মাবু কৌগে খনখরে;
কল্লক চাউবা সেনাকা চাংয়েংখিনি হায়খরে

য়েনবাঃ-

"মখোঙ তিংখং পাল্লগা মশা পূমঙৌ ঙৌরবা,
মকোক মরুম কারগা খোংবা খুংখ্যোং মান্নবা,
শল লাবা থারকউ" হায়রকপনি খুঞ্জাদা।
মহাসব্ধা লৌশিংবা খঙহল্লকখি ময়ামদা,
"'সাবু করি ওইগনি য়েনবা অঙৌ' মতুনা!
মকোক্কনা মতোক্লি তিংখংনিদো খোঙদনা।"
চিঠী অমা ইরগা য়েনবাহুগা থাখ্রে;
চিঠী মরোল তাবদা নিংথৌ অহু পেনখরে।

মুক্তাঃ—

মুক্তা মমায় নীপাল্লোঙ' খুঞ্জাশিংদা থারকখি;
"লংবু তংখ্রে মহুংদা অমা শিল্ল্" হায়রকখি।
খোইহী খরা, লম্বোইবা, মখুন্নুদা হাপখরে
শামতু-লং অমতংমু মচীন খোইহী তৈখরে।
মখুল মাকল অমদা লংহু খিত্তং চঙহল্ল,
ককচেং 'মখুল অয়াদা খমখ্রে মমায় ওনশিল্ল'।
খোইহী মনম তাবদা ককচেংশিংহু থোরক্লে;

ছাম্ন'ই লংহু চাথোক্ল' মখুন্দবু ফাওরক্লে।
থোরকপদা ককচেংশিং লোয়নরক্লে শামতু-জং;
নিংথৌদবু হজংখি করম তৌনা শিনবা লং।
পেঙখ্রে নিংথৌদো মাবু কোৗগে থনুথখে;
কমক চাউবা সেনাকা চাংয়েংখিনি হায়থরে।

চাক থোংবা:—

"চাকপু থোংল' পুরকউ চেঙবু য়াওবা য়ারোইদো;
ঈশিং, কোম্লৌক, লৈরঙ, মৈ 'মত্তা শীজিন্নরোইদো।
থোংবা য়ারোই শীংনবু লাকপা য়ারোই লম্বেলদা;
পুহল্লকপা য়ারোইদো চুপা নত্র' চুপীজা।"
লম্বোইবনা হায়রকই; "চগেম্নবু থোংলুরো,
চেঙ নত্তে মহুদি। উম্না মংহৌ ওইক্লরো,
ঈশিং নত্তে মহুদিং চক্লুদবু থোংলুরো
কোন নত্তে মহুদি। উংতক 'মদা থাঙংলো,
লৈরঙ নত্তে মহুদি; মৈত্রা চিংনা থাগংলো;
মৈ নত্তে মহুদি। থোংববুদি লোইরগা,
অশম লম্বী থিরগা মৌপুংশক্লা পুরগা,
নিংথৌদবু কংলুরো।" 'মন্না থোংবা লোইথরে;
করম থোংবা হজংল' নিংথৌদবু কংথরে।

লৈঙোই থোরী :—

"লৈঙোইঁ থোরী তাররকউ" নিংথৌগীদি য়াথংনি ;
"ওমত্রে শেঙ্গা কোংগনি" অকনবদি রাকম্নি।
মহাসদ্ধা হায়রকই, "লৈঙোইঁ থোরী অমবু
লৌজরুরো নিংথৌদ'ই ওম্নবা নাপুবু।
লৈতে হায়ররুবদি, 'ঈনীংথৌনা ওমত্র'দা,
ননাই ঐথোয় থুঙ্গানা ওম্নি করম মত্নদা!"
হঙ্গলুরো" হায়হনা থুঙ্গা ময়াম থাররে;
পেঞ্জখরে নিংথৌদো মাবু কৌগে থল্লক্রে।

পুখ্রী :—

"উমংদগী পুরকপা হায়'ই পুখ্রী মল্লেদো ;
উমংদগী অনৌবা পুরকউ"বু হায়রেদো।
মহাসদ্ধা হায়রকই, "নথোয় থম্না চৎলগা,
ঈনীংথৌদা হঙ্গৎলু নফি লৈথোম তৈরগা ;
'ঈনীংথৌ ও! ননাই'থোয় থুঙ্গওদগী লাকপনি ;
তাকপিবগী মতুংইন পুখ্রী পুজরকপনি।
সহর অসী য়ৌবদা ফ্রা-দলান উবদা,
কিরমাক্লে পুখ্রীদো চেনখ্রে অমুক উমংদা।
উমংদগী পুরকপা পুখ্রী অমা হাপ্নগী,
অমুক্তংবু পীবিয়ু ; মশক উর' মহাক্কী,
লাকউ য়ানি অমত্তু নত্রবদি শোয়রনি"।
রাকমসীমক হায়করে ; নিংথৌ হরাউজখরে ;
মহাসদ্ধা কৌববু শিংই থাগৎপিখরে।

জাতকী শৈরোল

গাধাগী ৱাথোক :—

“গধা নত্র হেন্ন-ফ থাৱকউ”বু হায়রদুনা,
চিঠী অমা ইরকখি ৱারোল পূম্বা তাক্নুনা।
মহাসন্ধা থারক্লে নিংথৌ নাক্তা মপাম্বু
মতুংদুদা মহাকম্ভু লাক্লে কোন্নুং অমবু।
লম্বীদবু লাকপদা গধা অমা থেংনরে;
নিংথৌ মনাক য়ৌনবু গধা অছু পুরক্লে।
মচা লাকপা উবদা মপা অদু হৌগৎলে;
কম্লম্লিবা ফিজ্জাদো মচাদবু পীথোক্লে।
মতৌ অসী উবদা সেনাক্লানা নোক্লখি;
“সীবু অশিংবনে'ইয়ে” করেম্না হায়রকখি।
নিংথৌ অছু ইকাইখ্রে মমায় ঈ'চপ ভাঙলকখি
“রাবীরুম্ভু ঈনীংথৌ,” মহাসন্ধা হায়রকখি,
“গধা পীম্মু হায়রিবা গধা অম্মা লৈজরে।”
পুরক্লিবা গধাদো নিংথৌদবু কংথরে।
গধা'ই মমল হংবদা খুমখি নিংথৌ পাউথুমদি,
“কহর্পনবু নীপাম্নি শীজিন্নবা য়ারদি।”
“সিঙ্কী অমোম অমদা মচা অমা পোক্ল'দি?”
নিংথোনবু খুম্লকখি, “মমল লৈত্রে মহুদি।”
লৌশিংবনা হায়রকখি, “মচাদগী মপানা,
হেক্রে লৌবিরবদি লৌরো ইপা, নিংথৌমা।
হেল্লি খল্ল' মচানা ননাই ঐবু লৌখিয়ু;
গধা'ই মমল হংবদা খুম্মীথিবা থনবিয়ু।”

তিল্লমখিবা ময়ামদো মাবু থাগৎনখিদো ;
সেনাকাগা লোয়ন'শিং ইকাই-ফীরাক থুমখিদো ।
মহাসক্কা লৌশিংবা নিংথৌনবু য়োকখরে ;
নিংথৌ' খবক বুদ্ধীগী মানী খোঁদাং য়াখরে ।

মণি ফংবা :—

পাংকী ঐশিং মনুংদা মণি লৈরে তম্মরে ;
নিংথৌ' মনা থোক্তলেত্তক মনা মীৎয়েং তাররে ।
কয়ম তোনা লৌখৎনি হংবীখরে ময়ামদা ।
সেনাকাদি অমাইবা ঐশিং শিজ্জোকহল্লগা,
খিরে' মণি য়াইওইবা লৈবাক তোথোকহল্লগা ।
ফংবা লৈতে মণিদো ঐশিং অমুক থাজিল্লে ;
হান্নদোনা মণিদো অমুক হনা উমল্লে ।
ওসাইমখে থম্বুবা হায়রকখিদো লৌশিংবা,
"ঐশিংনবু লেত্তেদো মণি অসী য়াইওইবা ;
লৈরে অঃ মথক্তা কাক মহম অসিদা ।"
ফাখত্তনা লৌহল্লে লৈরে মহম মনুংদা ।
পৈনখিত্তনা নিংথৌমা মালা শিবা লৌরাংবু ;
লৌথোক্তুনা শিবিখি মহাসক্কা'ই তক্কবু ।


6945/M

জানকী শৈজাম